
IMPHAL
LIBRARY






[illegible]

অসম্বদ

অমম্‌বদ

বিশ্বামিত্র সরম



Amambada

A Collection of 14 Manipuri Short Stories

Written by
Biswamitra Sarma
Wangjing Hodamba

অহানব ফোংব	:	২০০৬
কোপি মসিং	:	৫০০
অফোংবি	:	কে: লৈমা দেবি
মখুম নমুনা	:	অইবন
মখুম	:	কলেক্সন
মমল	:	৭০/-
লাইরিক ফংফম	:	লাইরিক যোনব মফম অযামব

লাইরিক লমফম : থিংবি লেপসেং ৱাংজিং বজার থৌবাল দিস্ট্রিক মণিপুর।

হে তাইবং সেম্ব মপুও
নংদি মিংলেন য়ামবনি
মা-মাগি অপামবগি মখা পোনবনি
নহাক্ন কনাবুসু নোংমত লংনহিদে
মিনুংসি চাওবও
নংগি নখোং খুয়াখাদ -- ।

ৱাহৈ খর

সমাজসিদ ইসিংনি সমুদ্রনি সাহিত্যন। লমসিদ খংলুদবন কোংগাইনি। হিংবদ য়ামন চমম্নরকপ, লান মখোই অসি থেংনবদ মাদি মঙাল ওইব অদুমক ঙানদুন লৈবনি। মিওইবন য়েংসিল্লুদবগি ৱানি। অচুমব ফজব অমদি নুংসিবন মাগি মনত্র ওইবনি। ঙসিদি মি কৌব জিবসে, ঐগি হাইব ৱাখলদ ঙাওদুন মসান-মসামকপু মসক খংদরে। থেংন-থেংনবুব খুদিং লামৈগি মৈরিগুম লাম্‌-লামদুন চাকলকলে, মসক লেপ্‌প ঙমদন। চরক চহিংনরব হিংবগি মরি অসিন নুপা-নুপি ওইবগি অসেংব মরি অদুগি মসক অদুমদি অসুম মাংসিল্‌লকলি। দিহেগি ইখৌলাংবন পুরকপ মহাওদ পুনসিগি অপেনব নুংঙাইব ওইবকলব মতম অসিদ পুমসেং সেংব মসক অদুতদি হাইব আসা ---। খোংচৎ অসিদ থাওমৈ মৈরামক ওইব ঙমদ্রবসু অমম্ব অহিংদ অথাপ্‌পদ কুফেৎ কাফেৎ ঙাল্‌লিব তনদনগি মঙাল অদুমদি ---।

ঐগি ৱারিসি কনাগুমবগসু মরি লৈনজদে। সাহিত্যগি পোৎথোক হাইবসিদি মিয়ামন হেন্ন খংবিরবনি। লোইনন ঐগি বনান্‌গি খোংচৎ অসি মনিপুর (মৈতৈ) ময়েকত য়ুমফম ওইজবানি। সাহিত্যদ ঐগি গুরু তোং. বাবুলালবু পুনসিসিদ ক'ওথোকপ ঙমলোই। লোইনন্ন লাইরিক অসিবু নমবদ মরুওইব থৌদাং লৌবিরিব বি:বি ওফ্‌সেৎ, ৱাংজিংগি ওজাসিংবুসু তৌবিমল খংব উৎচরি।

— অইব

য়াওফম তাকপ

[illegible]

পুন্সিগি মরি

প্রেম্ নিংথিবব কাগি চংখোল্ব ফমুংতক্ত লোংন হিপ্তুন তুম্ব থেমলি। মপুংফাবব অব্রাৎপ অমতসু লৈত্রব কাসিদ বাৎলিব হাইববু লোইনবি প্রিযাগি সেংলব মিনুংসি অদুত মঙাইববনি। চিক্লব কাসিদ মবোল থোক্তব থমোইনুংগি ওইব ব্রাফমসিগি ইথক্ নেম্থখি, ফক্লাং ঘবি খিংলকপৈ মখোল্ তাবদ। কযানো মিৎ থাংগৎতুন যেংঙি। পুং তবা তাবগি ওইবমি। ইন্থম্ থাগ ওইবনে ফন থেংলবনি। অসি ফাওবদ লোইনবিন তুমফম্ কাদ চংলক্তব হাইবসি পেন্ফম থোকতব থমোইগি বানি। মসি প্রেমগি মফমদদি অনৌব নৎত্রে, অদুবু লমবিসিদদি প্রেমগি থমোই লুম্থবুদ্রে। ঙাসিনদুন থমলিব থোংসি প্রিযান লাকলগ লোন্সিন্গদবনি. মসিদনি লৈতাফম্ খংদ্রিবন। তানজাসিদ খে, হাংলক্পগি মখোল তাদকই। প্রেম যেংথোকলুই নি সেমজিনদুন প্রিযান চংলকপদু টই। মহাক্কি মইথংদ তবমব নুংঙাইবৈ মনিংদু লোংনখি মপুনোইব তুমলমদন অদদ। প্রিযা তুমনব কাংখলনাচিংবদু সেমজিললি. মবকসিদ প্রেমন,

- তুমনব তোংনবনি যাদ্রে, মসিনদু হেন্ন বাইনলে।

  তুমবৈ গুলি চাখ্রব নৎত্রো ?

  উম, অমদি চাখ্রবনি।

গুলি অমগসু পিজবে। প্রিযা তুমনিংলদ্না ফমুংদ কাংখৎলি, মপ্রোইবগি ওইবোমদ হিপথৈ। খোংবিন ফৈজুপত্তু চপ্তুন চিংখৎলি, খুৎন ওক্তুন থবাক মপাদ থমখি। মবকসিদ প্রেম্ন,

- নহাক ঐগিদমক কযাদ ব্রাবব,

  ঐনদি নংগিদমক্ কবিগুমব অমতস্ পেল্হনব ঙম্দ্রে।

  ফবে, পোথানব তৌবসি। বাখল খললুবগন্.

মেমচা (1)

অমুক তুমিন্ লৈনখ্রে। থমোইদা মরোল্ লোল্লি। প্রিয়া মদোম খন্জৈ, ঐসে চুমলিব্র, মহাকনদি করিসু পাম্মুদন পেন্থোক্লি। মসিন থমোইদদি চিংনব পোক্লি।
ইনে লৌব মাম্গি মচানুপা দিনেস্ ঐখোইদ লৈরগ লাইরিক্ তম্লুন্ব থারক্পনি। অদুগ ঙসিন মা ঐগি মরক্ত ওইরক্লিব মরি। ব্রাখল্সিদ অদুম্ তুম্থখ্রে।

য়ুমথংন্বদ লৈবি প্রেমিন, প্রিয়া অমদি মপুরোইবগ লৈনরিব মরি অসি খর মখৈদি খংঙি। অদুবু করিদি হাইরুব য়াগনি। থমোই লাইনা নারবনি মিমান্নদ্রে খন্দুন মথমোইবু লাকসিনজদুন খুদিংমক্ পেন্থোক্লগ সিববু ঙাইরিব মিসক্নি প্রেম। মসিতন প্রেমিন থমোই সেংন প্রেমবু নুংসিজৈ। পুকনিং থৌগৎপিব অমদি পাংগল্গি মতেং কয়া পাংলি। মসিনসু লৈকাইগি মচল অমা ওইন নুংসি-চান্নন হিংলক্লি। অদুন ঙসিফাওব ময়ুম মকৈ পাল্লুবগি আসা ইতৌ তৌরুদে। প্রেমগি মপাবুং ধনেস্বোর লম্দম্সিদ ইনাক্-কৈরাক্ খুনব মিসকনি অদুন মিযামন বেভাব তৌনবিবনি। অদুবু মচা-মমৌগি মবিসি খর চিংন্ববসু যা কাথোকপ ঙমদ্রে। কবিন মচানুপান ওইবিব ফিবম্ অসিদ। মসিতন মপাগি কোক্ চিক্হল্লি।

সুমাং মচিদ লৈ ইসিং চাইরিবি প্রেমিন, প্রিয়াবু মপুরোইবন কৌখিবদু তাই। চংলকখিদ্দব অদুস্ খংঙি। হন্ন-হন্ন কয়ারক কৌখ্রবনি, হনতক্তি অমুক্ কৌরক্খিদ্রে। ব্রানবব তুমিন্ন লৈখ্রে। নুংঙাইত্রদুন প্রেমি, প্রেমগি নাকত চংলুই, প্রেমি উবদ,
- নংবু ননম্ম উখিব্রো?
উদে খংহল্লি। করি পামবগে হংঙি, প্রেমিন ময়ুমদৈ ইসিং অসাব লৌরুদুন পি। প্রেম ইসিং লৌদুন থক্লগ,
- লৈকাই ওইরুবন নংসু অব্রাবসি য়াওরেদো।
অদুম• তাকপিগন্ তাদ।

চৎলগে হাইদুন প্রেমি থোরকই । অমুক্ থোংজিলদৈ লৈসিল্লক্তুন,
- নচলসু তাদগিদমক্ ৱাদবদি ঙমদে।
পাংগলগি মতেং পাংজরিব, অদৈ হেনদোক্তুন থমোইগি ৱা ঙাংলক্লবসিদদি প্রেম্ প্রেমিগি ৱাখল্ খনদব ঙমদ্রে।

অৱাব ৱাখল্ন পুরক্পা চৈথেং অসিন মিমান্নদ্রব মপোকপু করিগুম্বদ নিন্দা তৌরুদ্রে। ঙসিগি ৱারিবসি কর্মগি মহৈনি খনদুন খাংলি। সোমদন পাপ্নি খংলব লমবিদু হৈনবুরবদি মহাক অদো কোক্ হেক থাদোকপ ঙমদে। অদুন ইরৈসিদ অদুম্মক পুন্সি লোমনখিব কোংগাইনি। প্রিয়া দিনেস্ নুপা নুপিগি মরি লৈনরকপ ফন কুইবকলবনি। লোন্ন চাব পোৎকি মহাও কাওঙমখিদ্রবনি। প্রিয়া মমা ওইরকপ য়াব তানফম্ কয়া যাওখ্রবনি। লাইয়েং বিগ্যান্ন চাওখৎখিবন মদুমদি নাথৈহনখ্রে। থাবলনগ ফবনে প্রেম্ ঙাইহাক্ হংচিৎ লাংনিদুন মপানদ ঙাহৌ-ঙাহৌ থোবকই। দারিদ খোং য়ানথদুন ফমলগ মহৌসা লাইরেমাবিগি ফজনবদ যেংদুনা পক্নিং সানাত ওইরৈ। মখা সংগোই দলান্ কাগি খেংনোঙদি [illegible] লৈইবন নুপা [illegible] নোকমিন্নরৈ [illegible] অমা তানখই। [illegible] হাইবন প্রেমদ নিংলনি অদুব প্রেমদি.
- ইহে তাহৈদ্রব মতৌনি,
হাইরম্লগ ইমংদ চংখ্রে। ৎসাইদগি মতৌদ যেংলিবি প্রেমি থমোই কাইখ্রে। মিৎল্দ পনাং সিন্থান প্রেমন চংখিবদ নেংহৌনি। প্রেমগিদমক্ ৱাজন,
- হে তাইবং মপু নংগি লিলাসিদি।
প্রেম্ ফমুদ লোংন হিপথৈ, চোংলকলিব থবাককি মিহুনদু ইস্বোরগি নাম্ সোনদুন ফাথজৈ। পুক্নিংদ স্রি ক্রিস্নগি সকতম্ চিংসিন্জদুন মসাগি অনাববু অমুক্তদি ফহন্বিয়ু হাইন খুরুমজৈ। অমুক্ ৱাখল্গি ইথক্ হৌরকই, প্রিয়াগি অরোনব লিচৎ অসি যেংদুন অসুমক লৈরবদি

মহাক অরান্‌ব তারক্‌লোইদ্র খললি। মসান পাওখুম্ অমুক্ পিবদি ঙমদ্রে। থিংলুরগন করি, নোংমত ফাওব ঐন মহাকপু মোমোল্ নোকহনখ্রবর? ইস্বোরগি লিলানি মহাকন তমব অমা লাকলনি, পেনথোকপন মাগি মথৌ ওইরে। হকাম্ লাওন চল্‌লদুন য়াম্ন হৈনিংদ প্রিয়া চংলকই। ঙসিদি ব্রা লান্‌কা ইঙাং ঙাংনদে। প্রিয়া ফমুংদ ফৎ কাখৎতুন তুমখি। প্রেম ঙাইহাক তুমিন্ য়েংঙি। নুংসিব ব্রাহৈন প্রিয়াবু কৌরি,

প্রিয়া হৈনিংদন খুমল্‌কই, অদুবু প্রেম্ নিংহন্‌নদে। মখা তারকই,

- ঙসিদি ঐ নঙোন্‌দ ব্রা অমতং হাইগে।

পাওখুমদি পিরক্‌তনব অমসুং খন্‌থনবত খংহন্‌খি। মতৌদু প্রিয়া মমিৎ ফাক্‌লি-ফাক্‌লি ঙক্‌ন য়েংল্‌কই।

- নং পাপ্‌কি লমবিদ চৎলে ব্রাফম্‌সিদ ঐবু খমবন্‌ব ওইনসু লৌগনু। ফরে, তুমনিংলরিনি পোথারো।

প্রিয়া খুমলুদ্রে, ফৈজুপ্‌ন মকোক খুমজিনখি, স্বোর সাংন হোনদোক্‌তুন খাংলি। মতৌদু প্রেসু মরম খংঙি।

খৌদেমব মখোল্ তাকরই, মকু ইবুংঙো হল্‌লকলে হাইবসি দিনেসকি কাদ লৈরিবি প্রিয়ান খংঙি। মখোই অনিমক্ তুমিন্ লৈনখি। থেংলব ফাওবসিদ দিনেস্ কাগি মৈ ঙাল্‌লমব অসিন ধনেস্বোরগি থমোইদ হেন্‌ন পুক্‌নিং চিংসিললি। দিনেসপু কৌব্রি, চরক চহিংন্‌ন খুমলক্‌ই মতৌদুদ ধনেস্বোর,

- ইবুংঙো পোথারোনে, মতমসি থেংলে, নসা সোক্‌কনিকো হাইরমলগ চংখ্রে ইমুংলোমদ। পাখৎলুবা ইথিল্ হুমাং হন্‌থখি, হৌজিক্ প্রিয়াগি ফিবমসিদ কমদৌনি হাইদুন দিনেসত ওনসিনলি। অদুবু দিনেস পাওখুম পিরক্‌পদি লাইরদন তরংদ লৈথোক্‌খ্রে। মতৌদুদ ব্রারৌন প্রিয়ান,

- নহাক নুপানিনে।

প্রিয়াবু ময়ুমদ পুসিল্লুব য়ারোইদবগি ব্রা হাইরকই। ব্রাফমদুদ প্রিয়ান মমাংদ মদু ময়ামদু খনথহৌদবগি দিনেস্ত মরাল্ সিরকই। দিনেস্ন,

- এ, মসিবু ঐতগি ইরাল্লো?

সাওনরগ কান্রোই খংলদুন প্রিয়া ইংথন থেমল্কই অদুবু দিনেস্তি লমবিসিদ চৎলিঙৈ মহৈ-মসিংদ সোংথহৌবদু নুংঙাইজখিদে। অদুবু সম্ন হাইরকই,

- ভরাগি কাদ লৈব্রুনি হাইসু সেল্দি --- ।

থা তরেৎ সুরক্লবনি ঙসিদি প্রিয়া ময়াম খংলক্লবদি লান থোক্কনি মসিগিদমক্ চাংয়েং অমা চংসিন্নব মখোই অনি কুপ্ন তান্নরে।

প্রিয়া ইরুজথোকলগ অয়ুককি ধুপ্ থাওমৈ থাললি। মদুগ প্রেম্ন পামজব চিনি য়াওদন ফুৎপ মংগ্রা অঙাংবদু পলেৎ অমগ চাঙাং গ্লাস্ অমগ পুসিল্লকই। হরাও-হরাও লৌদুন চাই, থকই। থব্রাই য়াওন হোৎন্রকপ মতৌদুদ চিংনবদি পোকই। প্রিয়াবু চিংন য়েংঙি। প্রিয়া হরাও-হরাও তৌজৈ। তুমিন্ ব্রা ঙাংলকত্রবদুদ প্রিয়ান,

- তামো, ঐ ইসা লুম্লে।

ঙাইহাক্ তুমিন লৈখি। অমুক্ নোকম্নি-নোকমিবদন প্রেম্ন,

- ফরেনে।

ব্রাহৈদু প্রিয়া হরাওজৈ মদোম লোন্ন। ধনেস্বোরন মচানুপাগি কাদ চংলক্পনি ব্রাহৈদু তারুবদ কোক্ চিক্লদুন অমুক হনখ্রে। প্রেম্ন অমুক্সু হাইরক্ই,

- ঐ নহকপু নুংসি অদুবু হরাওহনবদি ঙমদে

প্রিয়া ব্রা-লান ঙাংলক্তে তুমিন্ন তাই। প্রেম্ অমুক্সু হাইরক্ই,

- ঐবু ময়ামন নুংগি মুর্তিগুম উরি, অদুমদি অসেংব অমা নৎতে। হন্তকতি ঙসাইমখৈ লোন্ন হরাওজরমবদু লোইসিন্খ্রে। প্রিয়া মাইথিরব লান্মি অমগুম তুকথন মপুরোইবগি মাংদ লৈজখি। প্রেমন মখা অমুক তারকই,

- য়ারে ঐ, মিওই খরগি ইজৎকিদমক হিংলগে।

নহাক লাইনা চুদব নচানুপা অমদি পোকউকো।

ধনেস্বোব অমুকসু লাকই। মকুবু প্রিয়া বেভাব উৎলি, লোইন্ন ফিদ থাই।

- ইবুংঙো মুম্বাইদ চৎতুন লাইযেংলুনব তৌসি।

  থমোই লাইয়েংবদ খুদোংচাব খর লৈবে হাইরি।

প্রেম য়ানিংব উৎলি। হরাওবদুন ধনেস্বোব অমুক থোক্খ্রে। অমুক প্রিয়াদ ওনসিলকই,

- প্রিয়া, হন্তক্কি খোংচৎ অসিদি লাইসু খুরুম্লক্কে।

  থা খর চংলক্পসু য়ারি।

মপামচান যুম থাদো খ্রবদ দিনেস্ অমদি প্রিযাদ ইমুংগি দাইত খুদিংমক্ পুগদবনি হাইদুনা সিননৈ। প্রিয়াসু অদুম্ তুমিন্ তাই।

থা অহুম্ লংফৈদগি পাও অমত পিবকত্রগ ঙসিত অনাব ফবে হাইদুন তেলিফোন তৌবকই। লাইফম্ অয়ামব খুরুমলে অদুন থুন হল্লকলনি, পাওসিদ প্রিয়া খম্থেংন ব্রাবে। লোইন্ন থা সজিল্লক্পগ ওইবনে, দিনেস্ত মপামন পাও পিহনখে। খুদকত হকচাং নুংঙাইতব হেনজিল্লক্তুন দিনেসকা মখোই অনি অনা লাইযেংসংদ চৎখ্র। ঙসাইদগি তৌর্নবব লাংনবিব মযার্মাস য়্মথাংনবদ লৈবি প্রেমিসু লোইন খংঙি।

ইথা থাজবুদন থোংগাললোমদ প্রেম মপাবুংগ পুন্ন চংমিন্নবকপদু প্রেমিন উরে। অঙক্পান সুক্না হেক্ নাদব মি অমগুম্ উব্রে। মসিদ প্রেমিন হবাওজাখবসিদি। চেন্সিন্দুন মৈনচিংব ওকই, পুরুকপ পোৎসিংদুসু ইমুংদ পুসিললি, লোইন্ন প্রিযাখোই লাইয়েংসংদ লৈখিবগি পাওদু তমমি। তাল্লকসিদ সুমাংয়ৌন ভেন অমা থৌজিলকই। মপা মচা ঙক্ন য়েংদুন লৈ। দিনেস পিগোই চেন্ন গাবিদগি কুমথবকই। অমুকসু গাবি অমা থৌজিল্লকই। প্রিযাগি মমান অঙাং অমা পম্দুন লাকলগ প্রেমদ খুৎসিনৈ। অদুগ কপ্লকলে।

- ইচানুপিদো ঐখোইবু থাদোক্তুন চৎখ্রে।

প্রেম্ তরংদ লৈখ্রে। অঙাংদু প্রেমিন লৌরগ করিনো পিথক্নব সিলখি। ধনেস্বোর ধরমগি মথৌ-মঙম পাংথোক্নব লাংঙি। লৈকাই ময়ামসু লাক্তুন মতেং পাংলৈ। অঙাংদুসু নুপানি। লৈকাই কনাগুমব লোন্ন কপ্চব য়াওখি। মমা মচা কাইনব অসিদ প্রেম্ মওন্-মওন্ খল্লকই।

- হে ইস্বোর নংগি লিলাসিবু করিনো, সিবুরব ঐন অমুক্ হিংলকলে।

সামুগুমন পাংগল্লবিদুন -- । মসিদ ঐ নোক্কদ্রা, কপকদ্রা। অঙাংগী মরমদা খল্লকই। প্রেমিসু প্রেমগি নাক্ত চংসিলকলে।

- তাদ, ঐ অঙাংসি য়োক্চরগে, ঐবু লমলানবি ওইন লৌবিরগনু ।

- প্রেমিত ---। ।

নুপি

মি ওইবগি লাইবক্ কনানসু খংদে। মসি হৌনসানি। পোইনু থাগি পান্খৎলক্প অথুবনি। লৌকুমনরুব মিয়াম্ য়ুম্ কানরকলে। হৌজিক্তি নুংসাসু নিংথিন থোক্লে। সকখি মনিং পুখ্রিদ লৌকুমলুবৈ ইবুজথোকলি। সকখি স্বাই লাওব্রি খোন্জেল থোক্ন হাইরকই।

- ইস! করিনো গিদি, ইচা থোইগি সেন্দলনিনে।

থুনা য়ুমদ চেনখৎলকই, মনাওনুপি রাধাবু কৌদুন তম্মি। পাখংখিবন মচিন-মনাও মনিং ময়া খা-ৱাং কোইচেন্ চেল্লি। ফংলকত্রবদ তৌফম্ খংদ্রদুন রাধা কপ্-লাওন কোইন চেনখ্রে। মতৌসিদ লৈকাই তানরকলে, ময়াম চংদুন থিরি। মপাবুং দিপক্তি য়ুমদ লৈতে। অঙক্প নোংদমনি অৱাবন খম্ থেংখ্রে। পাখং মচা অমন লাওরকই।

- থোইসনাদি পুখ্রিদ লৈরে।

ময়াম চেন্সিন্নখি, রাধাদি মিকুপ অদুদ গ্যান মাংদুন লৈমাইদ হাইথখ্রে।

মযাম ইসিং থাদুন লাইকননৈ। অভাংদু লৌখৎলগ থুনমক অনক্প লাইযেংসংদ পুখ্রে। দিপকতি কৈথেলদ দুকান ফম্দুন লৈবনি। পাওদু তাবদ যাম্ন থুনমক্ গাবিমচা অমদ লাইযেংসংদ চৎখ্রে।
দিপকন লাইযেংসং যৌবক্পদদি অঙাংদু কন্ব ঙমদ্রে, হাইব পাও তাখি। মিকুপতুদ থমোই সোক্খি। মিযামবু ইকাইবকেত্রে।

- ইপাগি ইবুংঙো নংদি ইপাবু থাদোক্তুনা চৎলবকো।

ইপাগিদি নংসে পুন্সি অতিযাদ থোকপ থাজানিনে, নুমিৎনিনে। মতৌদু উবদা মযাম থমোই কাইনখি। তানজাদুদ নবস অহন্ অমা থোবক্তুনা দিপকপু থেম্জিনবিখি।

ইবুংঙো নহাক [illegible], কাইনব হাইবসি পুন্সিগী সবক অমনি। মসি হিনম্ অমতনস্ থৈদোক্লুব ঙমলোই। মৈ চংল চংলগ সনাগি মগুন্ কাংলকপগুম থমোইদ অসেংবদু উব ঙম্লক্‌কদৌবিবনি। ঐ হাইবসি আতমানি থব্রাইনা সব নাইদবনি, অদুন নচা মনিদো অনৌবা ফিজোল তমা হোংনংনি।

অসুমন ব্রাহৈসিংসি তাবদ মতুংদ দিপকন, থব্রাই মাওদ্রবা মচাবু পুদুনা মযুমদ হল্লকলে। ধবমগি মথৌ-মঙম ঙমন পাংথোকখ্রে।

কপন্ লাওনবমবগি মমৈ তাবকপ অতিংসে হীচিক চিকখ্রে। উপাল ব্রাপাল অতিযা অতৈ মচৎ চৎতসিং ঙমন দিপকখোই অবাব ইচেল্লকত যাওগি। তুম্ব যাদ্রব মচা কাইনবব মমা মপা অনিদু মৈচাক থাংলি। মবকসিদ, বাধান।

তামো, লাইফম কযা খবমলুবব মতংদ, ফংজখিব ইচা মনিনি, পুন্সিগী চহিন যাম্সিল্লকলবদ ইচামনিবু কাইন্রবে, অমুক্ ঐগিদি ইমিৎত ইচা উববোই।

- বাধা, পুক্নিং সোন্থগনু, মসি পুন্সিনি।
নংদি নুপানি, ইচা পামলক্খিনি মতমদুদ,
ঐবু নহাকন্ কবমন যেংবিগনি।
বাধা, নং যামন চিংনবে, মদো থাদোক্উ।

মনাওনুপি নুংসিরৈন কৌরকপ তাবদ হৌখ্রব থোদোকসিং নিংসিংলুবদু খুদক্ত কাইখ্রে। নুংসিরৈ চংসিল্লকতুনা, চাক্ চাথোক্নব হাইরৈ। দিপকসু ইরুজথোকলগ কারকখ্রবনি, মখোই পুন্ন চাম্নিহৌনব, বাধা হৌগৎতুন।

- হোই হোই, ফরে চারুরসি।

নোংঙাল্লমদাইদগি হৌনা রাধাখোই ইমুংসি ইরাং লাংঙি। তৌবগিদি রাধা ব্রিন্দাবন্ পরিক্রমা তৌরুনব লাংলিবনি। ঙন্ন চাক খর চাখিনব লোইন্ন অতৈ করি-করিনো সিল্লাংলিবনি। অসুমন লাংনবিঙৈদ নোংঙাল্লক্লে। নুমিৎ কুচু সেংন থোবকলে। লৈকাই ময়ামসু লাকনরে। অঙম্ব সেল্গি মতেং পাংলৈ। নুংসিরৈসু মচেগিদমক্ চেকসিন হোৎনজরি, জাত্রাগি মতম য়ৌরকলবদ মনাওনুপিদ নুসিনা মংগোল্ পিরক্লে।

- ইবেমা, ঐনা ব্রিনদাবন্দগি অমুক্ য়ুমদ হল্লকপদদি ইচানুপা অমা পোক্লমগদবনিকো, নহাকসু ইস্বোর খুরম্লম্মু।

নুংসিরৈ মচেগি থৌজালবু ফিগাও সান ওক্চখি। রাধাবু দিপক্ন অমুক খোংচৎ অসি তেকত-কাইদনা পাংখোক্লুনব মংগোল্ পিখি।

- বাধা নং মংগোল ওইয়ুকো।

অসুমন জাত্রা মতম ওইরদুন রাধা খোং থাংদোরক্লে, মযামসু থোংগাল ফাওব থিনদোক্লুই।

মিওইবৈ পুক্চেল অঙক্পনি, অপাইব লৈচিলগুম্বনি। মচানুপা অমা ফংজরব মতুং অসিদ নুংসিরৈ মপুরোইবদু মহাকত্তগি ওইনিংলক্লে। রাধাসু ব্রিন্দবন্দগি হল্লকতুন য়ুমদ লৈব থা অহুম-মরি সুরে। নুংসিরৈগি হোংলক্ইব পুকচেলদু রাধাসু খংলে। মসিমক্তন দিপককি মফমদ নুং অনিগি মরক্ত হা হাইবদু ওইররে। মসাগি কৎথোক্পতন থল্লব রাধানি। অমুক্ কাইনখ্রব মচাগি মহুৎ মচা পোকলিবি নুংসিরৈবু হেন্ন খনগদ্র? ইমুংসিদ হৌরকলিব মৈরি-মৈখু

লক্তা বাধা মিকুপ অমতসু সানতি ওইন পোথাব ফংদে। হৌখ্রব থৌদোক্তু অমুক্ নিংসিংলকই।

- তামো, অসুমন লৈবসিনদি --, ইনাওনুপি অমা যেংবিবো,
  মদুন পুম্নমককি অফব ওইবগনি খললি।
- বাধা অদুবু, ইচাগি মহুৎপুদি লৈবক্প যাই,
  অদুদ লোক্ অমদ কৈ অনি কুন্ব হাইবদু থোক্নিদ।
- মদু থবক্ থৌবম্ সিনদোক্প হৈবগি মখা পোললি।
  অমবোমদ ঐ পুম্নমক্ কৎথোকপ ঙম্গনি।
- বাধা --।
- নং ঐগি ই মালেমসিদ অমত লৈহৌদ্রবদি --,
- বাধা, ঐ নুপি অমা থিবদি ঙমলোইনে।
- তামো, ঐবু নুংসিবিববদি অদুমন ত্তৌবিবগনু।
  সোইদন ইনাওনুপি অমা যেংবিবো।

দিপক্ন কৌবকপদ বাধা খংঙি, অদৃগ ব্রাখলদু খুদক্ত কাইখ্রে। লোইন্বিন ব্রাখল নুংঙাইতন উংদুন লৈবম্বদুদ দিপকন।

ঙসি ওইবর্কলিব অসিসু পুন্সিনি হাইখিগদন"
পুন্সি লম্নিদি অব্রা নুংঙাইত্রবন থনবনি।

থমোইদ ফাওনবিব ইথিল, ব্রাফমাসং অদু ফোংদোকন্দ্রবসু লোইন খংনখি। পুন্সিনি পেনথোক্নবি। তুংদ মাংদ চাকসংদ চংমিনখি।

নুংসিবৈ হেন্ন খোইসাওনদ্রে, হোৎনবুব পুমব অবেমব তারে। মখল-মখা কযাগি পোবম্ সিনখ্রবনি অদ্বু মচে বাধাদি যৃমসি থাদোক্তুন চৎখিদ্রে। মতৌদ্ বাধা লোইন খংঙি। অদুবু সাওবুব লৈতে। মচানুপা অমা ফংজববদ। মতাংসিদ ঙক্লিবদি নুপি অনিগি পুক্চেল খেনবসিনি। ঙসিদি দিপক্ কৈথেলদগি ঙন্ন হল্লকই। মপুবোইনন থৌনা লৈতবননি খন্বদ নুংসিবৈ মনাতোনদু কাম্ব হেনগৎলকই। মতৌদুদ,

নংসে ইবেমা ইনাক্খুনগদব মানদে।
- কনানবু, গ্যান তাদব মিগ লৈমিননবসিদি,

অওক-ওকথোংগি লাল্দুদ ইমুংসি পুম্লাং লাংঙি। পুম্নমক্সি থংনব কাদ রাধা লোইন তাই। অদুবু রাধা থওই-ব্রাওইবুদে। মমৈথংদদি নুংসিরৈদু মচিন্ কল্লি হাইদুন দিপক্ন ফুবিবে। চৈনা খাংব ওইন মচিনদদি অমুক্তোইব লোইবে। খামলুদ্রবদি যাবোই হাইদুন বাধা চংলক্ই।

- ফরে তোক্পিরো,

 অসিগুম্বসি অমুক্ থোক্তনব ইস্বোরদ থৌনিজসি।

- মসিদবু কনাগি ইস্বোব অমুক -- ।

নুংসিবৈগি মতৌনে, দিপকতু সাওরদুন মপান্ থোকখ্রে। বাধাসু কাদগি থোকখ্রে। নুংসিবৈ ইপেন পেনখিদে, অমসু-অমসু ব্রাবৌখি। অমদ-অমদ মবাল সিজিনখি, মসাবুদি অদুমক্ চুমন লৌজখি।

থেংলব অহিংনি, মদোম তবক কাদুদ রাধা ব্রাখল তবেৎ-তবা থোক্ন খল্লি। ঙসি মহাক্ন ফংলিব অব্রা-মৈচাকসে কনাদবু তাইসিলল্লগনি। মান মমাংগি মপোকত তৌখিব কব্মগি ফলনি। সোইদন মবকথোককি মচাবু মিলাইবমগনি। মপুবোইববু থওইদন তৌবম্গনি হাইদন খনজ্রখি, কনান থি, কনান ফজৈ, কনান লাইরৈ, অমন তনাক খলনি, মিওইপোক্তব নুংঙাইনিংদব কনা নৈবগে অদুবু কনানদি তম্ব ঙম্দে। খন্ব যাব খল্লুবগ, মসাগি ফিনোপ্ তম লৌজখি। সোন্থাংন্ন সোল্লকই।

 ফবে ঐ যুমসি থাদোক্তুনা চৎখ্রগে,

 ইমুংসিন সানতি ওইজহৌনব।

ফম্মাংদ থাবিব তেবলদুদগি চে কলম্ লৌদুন কবি-কবিনো ইদুন থমমি। লোইন্ন ইমুংসিগি মিওইসিংবু অবোইব ওইন বিদাই পিবক্লে। মতমসি নোংঙাল্লমদাই ওইবক্কদৌবে। বাধা ইংন চিক্লব মালং ইপোম্লক্ত ইমুংদগি মপান্ থোক্খিদুন কোন্থোং ব্রাংমা লান্থোক্খ্রে।

ঙসিদি বাধা থেংলফাওবদ যাহৌবক্তে নহান্ মখৈদি ঙনন হৌদুন ইবুজথোক্লগ ধুপ্ থাওমৈ থান্বনি, মতৌসিদ দিপক্ চিংনবদুন বাধাগি

কাদ চংলকই। ঙক্খিবন মসা পুম্ব নিংকখি। কোইন থি, কৌদুন য়েংঙি, মফংদ্রবদ করি-করিনো চেদ ইদুন থন্মব্রা য়েংঙি। মিকুপতুদ তেবলদ তারিব চেদু উরে, লৌখৎতুনা য়েংঙি, রাধান ইরমমি,

তামো, ননাও নুপিবু বিদাই পিবিরো, ঐবু থমোই সেংন নুংসিবিরবদি ঙসিদগি ঐবু কাওব ঙম্ব ওইবিয়ুকো। ঐ কনাবুসু ব্রারৌব লৈতে, জিব কয়ান মালেমদ মখল মখা কয়াগি মপোক্ত পোক্লরি, মমাংগি মপোক অদুগি মহৈ ওইন ইস্রোরন দন্দি পিরিব, মসি ঐ থাজে, অদুন ঙসি ঐন অব্রাব কয়া মাইয়োক্নজবনি। মসিদ কনাগি মফমদসু নিন্দা তৌরুফম থোকপগে। ফরে, তামো অমদি ইনাও নুসিংরৈগ লোইন্ন ইচা কোমলগি পুন্সিদ য়াইফব ওইসনু।

নহাক্কি

রাধা

চিথিগি মরোলসিং পাবুরব মতুংদ দিপক থমোই সোকখি। মিৎলুদ পিরাং ইহৌন রাধা কাইনবৈ মৈচাক খাংজহৌখি।

হনদক্ রাধা য়ুম্ থাদোক্তুন চৎখিব অসিদ লৈকাই ফাওব য়াওন অব্রাবসি সরুক য়াখি। থোইন দিপক্কি মফমদদি খাংব ব্রারব চৈনা অমন থমোইনুংদ তাদুন লৈরে। অসুম্ন নোংম নোংম হৌখি থা অমা হৌখি চহি অমা অনি লানখ্রে। মিওইবৈ পুন্সিদ অব্রাব থৌদোক্ কনানসু মাইয়োক্ননিংদে। অদুবু কনানসু থৈদোক্লুবদি ঙম্দে। ইস্রোরগি নোংদম্ কনানসু খংদে। ঙসিদি দিপককি ইমুং তৌরু তৌরুব পুম্বদ ঙমন অরেমব ওইরে। মসিতন খমথেংন লাইরব ইমুং অমা হাইবদু ওইরক্লে। মচানুপা কোমলসু চিফেৎ-চিফেৎ নাখিবন ইমুংসিদ সিকি অমফাও তাব ঙমদ্রে। মাংগোলদ ফিদা য়াওদন ফমলিব মপুরোইবগি নাক্ত নুংসিরৈ চিনি য়াওদব চাঙাং গ্লাস্ অমা পুরক্তুন পি, চাদু অমুকতং চিংলগ দিপকন,

- ঙসিদি চিনিগি মহাও খংলবসু চাজমসে হৈনরে।
- অহাওববু পামদব কনানো?

- অসুম্নদি তৌরমদেদন ইমুংসে।

মথমোইদ মচে রাধাবু নিংসিংলকই, খোনজেল তপ্থবগ,

- চাওবব দোস্ অমদি লৈখি। ইচেদো ফবনিদ,

  ব্রাবক্লব কান্দ ইস্রোব নিংসিংলকই হাইবদুনি।

- নথমোইনবু চুম্লকলব, খাংসি ব্রাজসনু।

  মতমদুদ নচেন ব্রাজবমগদবদো --।

নুংসিবৈ মপুবোইবগি মখোং সোক্ন খুবুম্জরগ.

- ঐবু অমুক্ত ঙাক্পিযু।

- ফবে, হৌখ্রবদি হৌখ্রসনু,

  নচেদো ঙসিদি মিয়ামগি সেবাদ কৎথোকলবি অমা ওইখ্রবনি। [৮]

জোই

নোংমা জোইন পুংকক্ চাওবকপ অদুৱাইদ মপাগি নাক্ত চংলুই। মতমদু মপাখোইদি চাক্সংদ চাক চাবাগি ইবাং লাংলম্মি। থোংজিনদগি চেপ্থদুন যেংবদ মনাওনূপা তোম্বগ পুখম্ অমতদ চাক চামিন্নবদু উবুই। মিৎকুপ্তুদ খল্লুই ঐদি নোংমতসু অসুমন পাবুংগ চাক চামিন্নব ফংজখিদে, কবিগিনো ঐবু উবফাওবদ কৌসিল্লকত্রিব। মতমদুদ মমাতোন্ন মাবু উববদ মনাক্ত চংসিল্কত্রন।

- হে অঙাং চৎলো,

  নংদি নপাবুংগ পুন্ন চামিন্নব য়াদে।

ব্রাহে অদুদ জোই মথব্রাই নুংঙাইতন অপোকপি মমাগি নাক্ত চেনখ্রে। হন্তক মচানুপান নুংসুক-নুংসান্নবগি মরমদু ঙসিত খংলে। অদুবু থোইন লোন্নবিনি হাইদুন খৎন-চৈনবুব তৌরুদে। মদুগি মহুৎত মচা জোইবু গ্যান লৈনব হাইদুন পাওতাক কযা পিবি।

পুম্নমক্ অবেমবনি, ইস্লোববু থাজৌ, অদুগনে,
মিযামন সিংথানব, মহৈদ-লৌসিংদ মকোক থোংব
মি অমা ওইনব হোৎনগদবনি।
মতমদুদ নংগি মি ঙাক্ত ওইবক্কনি।

মমাগি বাহৈসিং অসিন মপান লুন তৌবিদবগি ব্রাফমদু খবগি মখৈ কাওখ্রে। মমাগি যাথং ইনদুন ওজা দযানন্দগি নাক্ত চৎতুনা পুকনিং চংন মহৈ তমখ্রে। মহৈসংগি অব্রাৎপ কযা মেন্খৎপিববদ ঙসিদি জোই মিকোক্ থোংলে। নোংমা যুমদ ওজা দযানন্দন পাওতাক কযা পিখি।

- মহৈ হাইবসি অথোইবনি, মঙাল্গি মসকনি।
  মহৈন মপুংফবব মিদু ইনাক্ খল্লবনি লম খুদিংম্কত।
  পুক্নিং চংঙু, কিগনু থৌনা লৈযু।

ওজাগি থৌজাল্দৈ জোইদি ঙসি মপুংফব মি অমা হাইদু ওইখ্রে। মমা মপান লুন তৌবুবদগি তোনান্খিদুন ঙসিদি তোমব মহৈ মসিং ভইত হিবম অমতদসু মপুং ফাদ্রে। অমরোমর্দাদ মপুবোইবন চানব ওর্পিং মচানিন মপাগি অযম্বব মবনসিং অদ্ তোমবগি খুৎত তাবরে। মসিগ অচাওবমদ নহাওইবগি পকানংব ফাথহৌদদুন ঙসিদি তোমব যু, যুবাবদ লাইচুখ্রে। মমা মপাগি মবন-মথুম মচাওইবসিংন চপ মান্ন ফংগদবনি হাইব খংলবসু জোইদি লন-থুম্গি অখুব মিযেংদ চংলুদ্রে। লন্ হাইবসি মহাককি মফমদদি মতম খব সংলমবনি, মপুদি ঐখোই ওইবমদ্রে, ইস্লোবন ওইবমলে। মসিগদমক কবিগি পুকনিং ব্রাবুগনি, খনদুন মনাওনুপান ওইখিবদ অদুম্ পেনথোক্লি। সোম্দন কমদৌবি লৈকাই মযামনন্দি জোইতবু সিংথানৈ, নুংসিনৈ। অবুব ব্রা অমা লাকপদ মাগ তান্নৈ। মসিনসু মমাতোনগি মফমদদি হেন্ন খোইবাং-খোইসাওনহললি। লাইবক্ অসি কনাসু তমলুব ঙমদে। জোই যু: পি: এস্: সিগি এ আই এস্ পবিখাদ মাইপাক্লদুন ঙসিদি এস দি ও ওইন মতম খবগি প্রোবেসন্ পেবৎ ওইন পুবি। মতম খব লৈবগদি

দি সি ওইবক্লগদবনি। ওইবকলিব ময়াম্সি উবুরগ মপাবুংগি থমোইনুংদ ৱাখল অমা লাকই। মচা অনিগি খেনরকলিব মতৌ, ইস্নোবগি থৌজাল, খন্থবুরগ মথমোইদ পেন্জখিদে, অতোমবিগি সরৈদ ইবুকথোককি ইচাবু মিরাইরুইদ, ঙসি মহাক্তি মরোমদোম্ লেপচব ঙমখ্রে। অদুগ লুন তৌজব ইচা তোমবদি করি থোকলে। তান্জাসিদ মমাতোন্ চংলকতুন জোইন য়াইফরকপ উবুরগ কল্লক্ খম্বল্গি মৈরিলক্ত মচা তোমবসু কবিনো অমা তৌবিদুন মি ওইহৌনব সিনন্ব তান্নসি হাইদুন মপুবোইবদ ইসৌ তৌবে। মতৌদুদ মপুবোইবগি পাওখুম ওইন,

- নংন ফনব সিললোনে, ঐবু কৈদৌখো হাইরিবনো,

ঐদি নংন হাইব ইনবনি।

ৱাহৈসিদ মমাতোন সাওনিংঙি অদুবু করিসু মখা তাবমদন ফৎ খু-খু কাম্দুন থোকখ্রে। মতৌদুদ মপুরোইবন খল্হৌৱি, হে নুপি ওইবি নখোইসে অঙকপনিদকো! অমুক্ ঐগি নুপি অনিসে কয়াদ খেনখ্রব অমন ঐগি হবন্দ মপু ওইদুন দোলাই তোংদন পাল্লি। অমন মপুবোইবগি মিনুংসি অমতসু ফংজদন, অমুকসু সেলগি মতেং ফংদন ঙেইগোলদ পোংফম হৌদুনা মচা সেমলকই। ঙসিদ পুমনমক ঙবে, মথৈ চাবে।

জোই মমা মচা ওফিস্ কানমদাইগি হবাও হবাও চাক্ চামিননৈ। মমান মচানুপাদ বাফম্ অমখক সিন্নজৈ, নপাবুং নমাতোন তমদি ননাওবু লুন তৌগদবনি। মখোইসে নংগাদ লমলানব নৎতে। হাইব ইনব মচনিন মমাগি ৱাদু লৌৱি, মবক্সিদ তোমব চংলকই, তৌবগিদি মহাক মমাদ সেল পিয়ু হাইবুবনি। অদুবু পিবকতবদগি নিসাগি মযাইন কনখিবন যামন হৈনিংদন মযাম্বগি নাকত অমুক হাইদবনি। হরাও-হবাও তৌবিদুন লুপা চনি পিখ্রে। মহাক্ মপান থোকখ্রে। মমান সেল অসি নিসা চানবনি হাইদুন জোইদ খংহললি। ৱাফমসি জোইসু খংলম্মি অদুবু পিদ্রবদি ৱাবৌখিনি হাইদুন পিখিবনি। তোম্বন ওইরকলিব

ফৎত্রব মতৌসিদ অপোকপি মমাদি নুংঙাইজখিদে। জোইদি মমাতোন খোইন মাবু নুংসিদ্রবসু মখোইবুদি মান নুংসরুদব ঙম্দে।

এস দি ও ওইন জোইন থেলনৈ দিস্ত্রিক অসিদ লৈবকপদগি ঙসিদি লমদমসি চাওখৎ-খোংথাং থুজিল্লকই। সরকারন থাদরক্প সেলদু মরকত চোইথোকতন মসামক্ য়াওন হোৎনদুন থিকা সিস্তেম্ লৈহদন খুন-খুনগি খুনজাসিংগ খুৎসম্নদুন থবক্ পাইখৎলকপ অসিন লমদম অসিদ লমবি থোং, ইথৈ লৌখোং, মফম চাবদ লাইয়েংসং, কৈথেল, মহৈসং কয়া মতিক্ চান সেমগৎলে। মসিন ময়ামনসু য়ামন হরাওরে। থকন্ব অফব ইসিং অমদি গ্রিন্ বিভোলুসনগি অনৌ-অনৌব পোৎলম্ কয়া ফংহললে। মসা-মউ ফন লৈনব সান্নফম মতিক চান সেমলে।

নোংমা থাজদন যুমদগি ফোন লাকপদ জোইন পাইখৎলুই। খুদকত রিসিভরদু থাদখি-করি, তোমব যু বেনদরদ খুৎথোকনবদ সোকতুন লাইয়েসংদ পুখ্রব। থুনমক জোই চৎখ্রে। মফমদু য়ৌবদ মনাওগি থব্রাই য়াওদ্রব হকচাংদু অঙৌব ফিন কুপ্তুন লৈরমমি। মনাওবু চিংন য়েংদুন থমোই সোকন খাংজখি। মনাওগি হাকচাংদু নিংঙমদ নিংঙমদ ময়ুমদ পুথখ্রে।

তোমব লৈখিদব অসিন ঙসিদি ইমুং অসিদ কোক চিক্নহল্লে। মিয়ামদগিদি জোইগি মফমদন হেল্লিবনি। তৌবগিদি তোমবন সিখিব অসি যু-য়োন্বি অদুগ মরি লৈনৈ লৈনদে হাইবগি ব্রাহৌদগি খুৎ য়াওনরক্তুন কোক্ত চৈন পানবদনি। হৌজিক্ মিয়ামন আসা তৌনরিবন জোইদি অচৌব মিনি অদুন মনাওগিদমক্ কবিনো খর তৌরকপ য়াই অসিনি। অতাংসিদ জোই ব্রাখল তরেৎ তরা তৌরি।

- মিন মিগি মথকত লমন্ সিংগদ্র ?

  আইনগি মতেং লৌগদ্র?

  লুপা খরন মিগি মহুৎসিনব য়াব্র ?

  অরেমব ঙাকতনি পেন্থোকলগন ইমাতোন্ন করি হাইখিনি।

অমম্বদ (১৬)

ব্রাখল অসিন তৌফম্ খংহনদ্রে। জোই তরথ অমদ লৈখ্রে।

জোইন ত্তমিন লৌখিব অসিদ লৈকাই অমদি মরুওইনা মমাতোনদি খম্থেংন ব্রাবৌবে। তৌবগিদি জোই ত্তমিন্ লৌখিবদি নংতে। কবি তৌসিগে ফিরেপ্ অমা লৌনব খললিবনি। মান অতৈম পুমনদ খজে, সিব-চংব হাইবসি ইস্নোবন ঐগি লাইবক্ত চিংখ্রব লৈই অমনি। অসিবু সেমদোকলুব যাগদ্র। অমুক লমন্ সিংলিবনি হাইদুন সেল্বু ওইবো অইন্নবু ওইবো পাংথোকলসি। মতুংদ ইনাও তোমবদু অমুক হিংলকখিগদ্র। কানদব ব্রানি, অদুবু ফিরেপতি লৌদ্রি মমাতোনগিদমক খন্দুন। সোমদন কমদৌবি মমাতোনন ব্রাকৎ কয়া মপুরোইবদ থাংগৎলি, তেক পোকমিননব মনাও ওইববদি অসুমন লৈফম্ থোকতে। মখল্ মখা ব্রাফম্ কযা তৌখ্রবনি। মাদি ময়ামগ মান্নদবনি, মান করি খল্লিব কনাসু খংলোই। ফবেনে মান হোৎনবিবকত্রে হাইদুন ব্রাবৌফম্ থোকপ্র, ইকাইব ব্রানি, ঐখোই মাগি মফমদ য়ামন লানখি, মদু খংদুন ইস্নোরন দনদি পিনকল্লিবনি। অসুমন লোইনবিবু থেমজিললি। নাব খলল্লববনো তমন তৌগৎতনা মমাতোন চৎখ্রে। জোইসু মাগি কাদ নাখল তৌবি। অপোকপি মমা চংলকই। মনাও নুপাগি মতাংদ মান তৌগোবকলিন অতৌদু যানিংদে হাইববি। মখাতান অমুকস্ হাইবকই।

- ইমাদি মিযামন হিংনবিব মহিং অসিদ হিংব পামমি।

নাবব মতমদ পুনসিগি মসক্ খংলকই। মমাতোন্ পুন্সিগি মবমদ নুংগি ওইব বাখল কয়া খল্লুবে। ডসিদি জোইন পামল্লিব অসি কবিনো হাইব ইংগিৎ খবদি খংব ঙমলে। মপুবোইবন জোইগি মরমদ হাইবনে, মসামকন জোইগি মরমদ মুন্ন য়েংদুনা নৈনবদ সিব হাইবসি, মিওইবগি খ্বাইদগি তমথিব যেকনবনি, হাইদুনসু সিংনদুন নানথোকলুব কনাসু ঙমখিদে, ইস্নোবন য়েকখ্রব পংখৈনি। অসুমন মচা জোইবু থমোইদ তাথিরমবদু অসুম্ অসুম্ হন্থরকই। অমুকসু মওন-মওন

খল্লুই।

ঐসি ইচা জোইগি মফমদা যামন লানখি,

মপা ওইবগি মচাসিংবু নুংসিজব ইচেলদু নাথৈহনখি।

অদুননি ঙসি ঐন ইচা কাইনবৈ মৈচাক ফংলবিব।

অসুমন ব্রাখল অমদ তাওদুন লৈবিঙৈ, জোই চংলক্তুন মনাও লৈখিদবগি মতাংদ কবিনো অপামবদু তাকপিবো হাইবরে। ব্রাহৈসিদ মমাতোন খোলজেল থোকন কপ্লগ।

- ইবুংঙো ইমা পেললে, ঙসিদিনে ইমাসু গ্যান লাকলবনি।

  ইমাংদ অমুক লেপ্লবোইদব ইচাদুগিদমক কনাদসু দন্দি

  পিরগুমসি, ঙমন অবেমবনি।

ব্রাখল্ হোংলব মমাগি মতৌদুদ জোই মমাগি মখোংসোকন খুরমদুন ইমা নচাবু নুংসিবিযু। মচাবু নুংসিন কোন্খৎপিদুন।

- নংদি মতম পুমবদ মাই পাকপদ ওইযুকো।

অমুক মকোকত নান্থদুন মংগোল্ পি। ঙসাইদগি মতৌদু লোন্ন য়েংলিব মপুবোইবদো লোন্ন মিৎলুগি পিবাং তৈথোকচৈ। অমুকসু মচাদ হাইরকই, ইমাসে নহাককি নফমদ মাইথিববনি। মমাংদ ইমান নফমদ যামন লানখি। মমাতোনগি সোনথবকলব মতৌদুদ কবিগি অদুমন নচাদ তাকপিবনো, মমা মচা অনি নুংসি ইবিকলকত পুকমেন পাওমেনবদু উবুবদ কযাদ মপাবুংন হবাওজবিব। তানজাসিদ নুপি অহনসু মপুরোইবগি মনাক্ত চংলক্ই। অদুগ মহাকপু ইনথোকপিবদো তৌবিরগনু হাইজবকলে। মোমোন নোকলদুন মপুবোইবন,

- করিগি অদুমন তোনথবুগনি।

  পুমনমক ঐন গ্যান ব্রাৎলুবননি।

চৈথেং অমা

হেক্ উবদ পুক্নিং চিংসিল্লব যুমনি। থোংগাল মনুং চংসিল্লকপদ হুইজাও অনিদু চোংথোরকতুন অতিথি ওইবিব অকাস্কি লমবি থিংঙি। হুই খোংব তাবদ নেপালি মচা বহাদুর চেনথোবকই, অদুগ খাম্লে। গ্যান লৈবব লাব অনিদু মিনৌদুদ তিংঙক তিংঙক্ যেংদুন লৈ। নুপাদু লাক্পগি মরম খংলবদ মহাক্পু মনুংগি কাদ পুসিনদুন ফমহললি, অদুগ মবুংঙো দোকতরদ পাও পিরুই। দোক্তব থোবকতুন অকাস্কা ফম্মিনবে। বেভার লৈন হংজে।

\- তামোগি মিং দা বিনাস ?

মাননি হাইদুন খুমলকই, অমদি মবমসু হংঙি। অকাস্ কি হংগোইন মখা তাজে। দোকতবগি কাইনখ্রবি লোইনবমবি মিবনাব্ লান্ন ট্রখিবদু মহাকতি লান্দবনি হাইজখি। রাফমদুদ দোকতব যাম হৈনিংদন, অকাসপু কনানো হংলকই। অমদি হিরমসিদ করমননো হাইদুন চিংনব মতৌ উৎলি। অকাস্ মসাবু মসক তাকচবগ মিবনাগ হৈখ্রব ব্রবিদ্ দোকতবগি মফমদ লিবকই।

অকাস্ কোনংমমাংদ লৈব মাগি মাম্মগি যুমদ মহৈ তম্নব লৈবনি। মসক ফজৈ, সবান্ চুম্মি, মসা ফৈ, মহৈদ পুকনিং চংঙি। মসিদ ওইবিগদ্র যুমথংনবদ লৈবি মিবনান মাবু থমোই সেংন নুংসি, পামজৈ। ইংগিৎ কযা অমসু উৎখ্রবনি অদুব অকাস্নদি থওইবিবক্ত্রে। য়ুম থংনব ওইবনিন তোইন উনৈ থেংনৈ মসিন মিবনাগি থমোইদ নুংসিগি ময়াই ব্রাংলকই লৈতফম খংহনদ্রে। নুংসিবন ঙাওরবিসে নোংমগি কৌন ঙাংনহৌনব তানজা ঙাইদুন লৈখ্রে। নোংমা মিরনা অকাসকি কাদ চংলকতুন অংক হোৎপিনব হাইরৈ। মতৌদু অকাস্ হৌনিংদে, অদুবু লৈখাদু লৌদুন য়েংঙি। ফম্মু খোৎলু হাইদব অকাস্কি মতৌদুদ মিরনা রারৌজখি। অদুবু মথি ফোংখিদ্রে। অংকদু হোৎলগ পি, হরাও-

হরাও ফরে হাইরমলগ মিরনা থোক্খি। অমুক লৈসিল্লক্তুন করিনোম ব্রাৎলিবগুম অকাস্কি নাকত লেপ্লরে। অর্থা লৈন অহোৎপ অংকদু য়েংলুনব অকাস্ন হাইরকই। হোইদি হাইরগ মিরনা চৎতে। মখা তারক্কদব ব্রাদু খংলবদ অকাস্ন, নুমিদাংনি মাসু লাইরিক য়েংগদব লৈ হাইদুন অমুক্কসু চৎখিনব খংহললি। মিরনাদু মথমোইদ নুংঙাইত নুংঙাইতন অদুম মপান থোক্খ্রে। মান হন্খ্রবদ অকাস্ ব্রাখল্ তৌরি ঐদি খুংগং মচানি, লাইরব ইমুংদগিনি। অমুকসু মহৈ তমলিব সাত্রনি, মতাং চাদে কান্নদব ব্রানি।

য়ুম থংনবনিন মচিন্ মৌপ্পাগুম্ মখোই অনিসে লোইনৈ, চুমমি মিরনাতনি মরৌ থাংগ্লিব। মতৌ অসিদ মিরনা পোকপি মমান চিংনরিব। ঙসিগী থাবলসে নিংথিখ্রে। পুকনিং হুনবগি মসক্ ওইরে। মিরনা খোইগি ঙা থোংঙি হাইদুন অকাস্কিদমক তেংগোৎ অমা পুদুন মিরনা থোরকই। মতৌদু খংলদুন মমা থোরকতুন খাম্খি। অদুগ মচাবু গ্যান লৈয়ু, মপান মঙোনদ আসা চাওন থমলিবনি হাইদুন খংহললি। মমাগি ব্রাদু থওইবুদে, মতৌদুদ মমান তিন্ননু, সংগ তৌনিংদে ব্রা লোইরে। সাওনিংন মিরনা চৎখিগে তৌই। চেনসিন্দুন মচানুপিগি মখুৎতৈ তেংগোৎতু তাপ্ মনদুন হৈদোকখ্রে। মমাবু চিংন য়েংদুন মিরনান, নহাকসু নুপিনিকো হাইরমলগ কপ্ন-কপ্ন মাগি কাদ চেনসিনখ্রে। মমা মচান তৌরিব মতৌদু ঙসাইদগি মাগি কাদগি উরিব অকাস্ ব্রাখল ফুংবংনরকই। ইচম চমজব মাগি পুন্সিবু অমোৎপ তৈসিনবিরে হাইদুন ঙসিদি মথমোইদ সাওনিংব, কপনিংব অনিমিক্ পুন্ন পোক্চখি। অহিংসে ব্রাখলগি সরৈদ তুমথব য়াদন হৌখি।

মিরনা মমা লৈতব তান্জা য়েংদুন অকাস্কি কাদ চংলুই। মতৌদু য়ানিংদে অকাস, অদুন নহাক অঙাং নৎত্রবনি, ঐবু মিন ফৎতন লৌখিনি। ঐ মহৈ তমলিব সাত্রনি --। ব্রাহৈসিং অসি হাইরমলগ অকাস্ মমাই লৈথোক্খি। মহাক তসেংন মিরনাবু তাথিখিবদি নৎতে। মিৎলুদ পিরাং ইহৌনন মিরনান,

- নহাক্কি থমোই কন্মললি, ঐ অসুমন নোংমতসু খল্লুদে।

ঐ নহাকপুদি নুংসি। মখোং মখুৎ পুন্সিন্খ্রব জিব অমগুমন।

- ঐবু থমোই পান্দব নুংগি মুরতি অমগুমনসু খনগনু।

ব্রাহৈসিং অসিগ অকাস্ মখুৎ তিংথোকতুন মিরনাগি সিনথরিব পিরাংবু তৈথোকপিখি। মিকুপ অদুদ থমোই অনিদো করি খন্নরিগনি খংদে। অঙকপ মতৌনি মিকুপ্তুদ মিরনাগি মমাখোই ময়াম্ চংলক্তুন সাওন মমান,

- হে নখোইবু সারানে।

ময়াম মরকতগি অমন ফুনে হাইদুন লাওরকপদগি, সাগৈগি মবুং মৌপ্বাসিং ময়াম চংদুন অকাস্পু ফুবিখি। মনাতোন্দগি সিন্থবকপ অঙাংব ই-তন মতৌমা ওইখ্রে। সোল্লবি মিরনানদি অকাস্পু কন্জব ঙমখিদে। খোনজেল থোক্ন কপচখি। মরকসিদ অকাস্ন,

- হাহবিয়ু ঐগি ইরালবু করিনো?

ময়াম লাংনরিবদু তারকতুন য়ুমজাওদগি থোরকতুন ময়ানুপাগি নাকত মনেগ মাম্মগ লাকই। তৌরমলিব মতৌদুদ সাওন চৈরকই, করিগিনো মখোই ময়াম্ চংদুন ফ্রবিরিবসি, নখুৎ লিংলেনে নখোই, মিরনান ইমুংদ লৈবমর্বাগবু হেকত ফুবদি চুমদে। কবিগুমব অঙাংসিন ফৎত নুংদ থোকলবদি নখোইগি দায়নি হাইদুন থিন চৈখি। মযামদু তুমিন্-তুমিন হন্নখ্রে। ময়ানুপাবু অসোক অপন্ য়েংসিনবিবগ মনেন ব্রারিদু নিংথিন হংদোকলে। অকাস খোনজেন থোকন কপথোকরখি। মবক্তুদ মামমনসু অকাসপু থেমজিনবি। অমুক্ মখা তাবকই,

- মহৈ তমব লাকলিবনি হাইবসে কাওগনু,

হাইরমলগ মনে মাম্ম অমুক থোকখ্রে। মতাংসিদ ব্রারি লিবদুসু লোইসিললি। দোকতর ব্রারিসিংদু তারগ অকাস্কি অপামবদু হংলকলে। অকাস্কি হৌজিকপু করি খনবিরিবগে হাইব পাওখুমদুদ বিনাসন মিরনা মখোই অনিগি হৌখ্রব ব্রারিসিং অদু সমপৎন পল্লকই, মহাকপু চিংনদুন লুহোংবগি অহিংদু ঐ ক্বাতরদ লেকখি। মাবু হন্ন

য়েংখিদে অদুন মঙানি চাককৌবদ মপাম্দ লৈহৌখি। নুমিৎতুদ নুপা ময়ুমগ নুপি ময়ুমগ অচৌব লানজাও অমা থোকখি। নোংমা নিনি চোন্থরগ ৱা লোইসিনব নুমিৎতুদ মিয়াম অমদি প্রধানগি মমাংদুদ উৎখিব মহাককি চিং লেম্লব ফিরেপতো নিংসিংলি, মিরনান হাইখি,

- ফরে পুম্নমক্ নেমথবিরো।

ঐগি অসেংবদু ফন হাইজদুনসু থাজবিররোইদবনিন ঐ ইসান খাইনবদু য়ারে। মঙোনদ অমুক য়েৎলরোই। মাতনবু নুংঙাইজখ্রবদি ঐগি ইজৎ তাবে হাইদুনসু ঐন মাঙোনদদি করিগুমব পোৎলুম অমতসু থোংগৎচররোই।

মিরনা মমাবু চিংন য়েংদুন খোনজেল থোক্ন কপ্লকলে ইমা, নহাককি য়াথং ইল্লুবগিদমক ঙসি চৈনাসে ফংলেদো। বিনাস্ অকাস্পু য়েংলদুন, মিকুপতো ঐ থমোই নৌরকখিদব নৎতে। অকাস্ন চিংনরমব কয়াদ্দ্ কোক্লবনিন মিরনাবু লৌসিলবিরো হাইরকলে। ৱাফমসিদ বিনাস ৱাখল তৌরগ হাইরকই। তৌজিক্ ৱাফমদুগি তাংকক্ অমা হৌখ্রদুন, ঐ লুহোংনব মতম লেপখ্রবানি। মখা সমথবদুন নেপাললি মচা বাহদুর কৌদুন অকাস্ত মাগি লুহোংবৈ বানতোনদু উৎসি। অকাস মাইগিবন খোংচৎ অদুগি পাও কয়মন মিরনাদ তমলুগনি খনবদ মতোমত ইকাইজব পোকই। অসুমন দা. বিনাসপু নিদাই পিরমদুন অকাস্ মাগি নৌন হোংদোরকপ ভারাগি লৈফমদুদ ৱাখল্ নুংঙাইতন হল্লখি।

তরাইন তমথোকপ ঙমদন তমলকপ পাওদুদ মিরনা ইকাই নুংসি য়াননখি। হন্তক্ অকাস্ন দা. বিনাস্কি মনাকত চৎলুবসি মিরনাদি য়ানিংখিদবনি। অদুবু অকাস্কি অনিংববু কাইহন্নিংদদুন --। অদুগ ঙসিন খাংব ৱারব চৈনা অমন মহৈ ওইরবে। মিরনা মিৎলুদ পিরাং সিন্থরকই। পিরাংসি বিনাস্না মাই ঙাকলক্তবগিদি নৎতে, অকাস্ন ফংলিব ইকাইব অদুগিদমক্নি। অকাস্ন পাও তম্লমবদ হাইরমব থমোইনুংগি ৱাহৈ, ঐ নংবুদি নুংসি। ঙসিদি নংগিদমক্ পুন্সিসে কৎথোকপসু ঙমলগনি। ৱাহৈসিংদো মিরনা নিংসিংলি। মিরনা খোনজেল

থোক্ন কপ্থোরকলে। তান্জাসিদ মমা চংলকতুন মচানুপিগি মিৎকি পিবু তৈথোকখি। অদুগ ইবেমা, ইমা ঙসিত ভাপ্ তারকলেনে। পংলুইদকো ঐসে মমাংথক্ত অকাস্কি মফমদ লংজখিব কয়াদুগি মথমোইনুংদ নিন্দা তৌজখি। অমুক নুংসিন মচাগি মকোকত নান্থবিরদুন,

- ঙসিদগিদিনে ইচান ফৈ হাইবদো ইমা অমুক থিংখ্ররোই, ননিং তৌজরো।

বিনাস্ লাইয়েংসংদ নরস্সিংন সান্নরমব ব্রারিসিংদু খন্ন-খন্ন য়ুমদ হল্লকই। নুপিদু নুপা অমগ চেৎন নুংসিনজরক্খিবনি। ঐখোইদ খোং পাইদেদ খাক্ন হাইজরবদগি অমুক্ত নৎতন অনিরক এবোরসন্ তৌখিবি বিনাদুনেমি। নুংসিনব হাইবসি অহোংব নাই, মতুংদদি নুপাদুন বিনাবু মিরাইবিরম্লেদন। চহি অনি-অহুম লৈরগ মমান থেমদুন দা. বিনাস্ত লুহোংলকখিবনি। বিনাস্ লৈতাফম্ খংদব ব্রাখল অসিদ তাওবিঙে যুম য়ৌরক্প খংহৌদ্রে। ইমুং চংখ্রে, ফিগ হোংদন সোফাদ ফম্থখ্রে। অমুক্ ঙসাইগি নরস্সিংগি ব্রাহৈসিং অদুন নকোংদ ঙংদুন লৈবে। তান্ভাগিদ অনৌবিদু মপুরোইবগি সেবাগিদমক চংজরকই। অদুবু বিনাস্ হন্ন ফাওব যেংলুদে। ফি হোংন্নব পিসিললি, লোইন্ন করিনো চা-থকনব হোৎনজরককে হংগৎচৈ। অদুবু কোক্ লুমলে হাইদুন য়ারে খুমল্কই। হকচাং নুংঙাইত্রে হাইবদুদ পাখৎচদুন করি কমদৌব হাইবদু হংজৈ। দা. বিনাস্ য়াম্ নুংশক-নুংজান্ন, ফরে, ঙসিদি ঐবু অমুকত পোথহল্লু হাইদুন তুমিন্ন লৈখ্রে। মপুরোইবনবু নুংঙইগনি হাইরবদি খন্দুন অঙমব সেবা তৌজৈ। অদুগ চাক্সংলোমদ চংখ্রে। বিনাস্ ব্রাখল তৌরি, করিনো করি তৌগনি? চিংনবসি কোক্নব হংলসিরা? অদুবু মাসু মিনি অচুমবদুদি --। অসিগুমব চমম্নব ব্রাখলদ করিগুমব অমতসু পাংথোকতন মতম খর হৌখ্রে।

দা. বিনাস্কি ইমুং মহি লাংলে। মসি মপুরোইবন বিনাবু চিংনবদগিনি হাইবসি খরগি মখৈ খংলে। মিওইব কন্যাগি অ[illegible]ল লৈতব যাওবগে।

তেমমবঙ ।২৫

বিনান মপুরোইব বিনাস্ ফংজবদি লাইবক্ ফবনি। মরম কয়াসিন খন্থরুরগ ইমুংসিনবু সানতি ফংলবদি খল্লকলে, অসেংবদু খংনিংন অতম্নন মপুরোইবদ চংজরে। লোইনবিগি ওইরকলিব মতৌদু বিনাস্ খংবদি ঙমদ্রি। অদুবু হান্ন বিনাদ অসেংবদু হাইগনি হাইন ৱাসকহল্লে। থাজব ফংলবদ বিনাস্ন হাইয়ু বিনা নহাক্ লৈসারিঙৈদ কনাগুমবগ নকনব মরি লৈনখিব্র? বিনা মপুরোইবগি ৱাখল খংলবদ অরোনব অমুক থমলরোই খন্খ্রে, অদুবু অকিব অমদি লৈরি। মতাংন য়াদ্রবদি হাইদুনি, চুমমি, তামোন চিংনরিবদু। বিনাস্ তুমিন মখা অমুক্ তারকখিদ্রে। মফমসি ইচিক-চিকখ্রে। বিনাসন, মিরনা মখোই অনিন লুহোংখিবগি অহিংদু নিংসিংলগ থমোইদ নিন্দা তৌরকই। অদুগ সোন্থাংনন হাইরকই, করি মতৌনো, কনাদবু তাইনবুগনি। লানজদ্রবি মহাকপু মিয়ামগি পাওথোংদগি লুহোংবগি অহিংদুমকতদ ইনথোকপিখি। ঐ লাইয়েংসংগি ক্বাতরদ চৎখিবনি। নুমিৎতুদ মহাক্ন ওইরমগদব অৱাবদো ---। তাইনফম খংদন নিংদোন্ পোমন বিনাস্ চৈনা খাংজখি। মনিংথুংজদ্রব মপুরোইবগি মতৌদুদ নুংঙাইত্রদুন, হাইবয়ু ঐবু নুংসিবিব ঙমবিররোইদ্রা? দা বিনাস্ মসাগি পংজখিব মতৌদুদ তাইবংসে অম্মবন কুপসিল্লকলে। অমুক অনৌবিদুন মখা তারকই, তামোগি অপামবদ ননাওনুপিন করিগুম্বদ যেৎচরোই। পাওখুমদি পিরকতে। পুনসি হাইবসি ইস্বোরন তমবনি হাইন বিনাস খংজরকলে। মাইথিরব লানমি অমগুম বিনাস্ তুসোন্ন পুমনমক পেনখোরকলে, নহাক ঐবু চিংনরগনু, নংসে ঐগিদমকতি ইস্বোরন তমবিরমলবনি। লোইনবিবু নুংসিন মথানুংদ কোন্সিনজে। মিৎলুদ পিরাং ইহৌন লোইববিদুন,

- "তামো ---" কৌজখি।

পন্থুং

থম্বাল চাক্ ইচা চাসিনব যাদে। যেন্সাংসু ফন হাওবিবনি। মমান কৈথৈল ব্রান কাবুবগ চাক ইচা চাদবসিদ মচানুপা মনিগি থমোইদ নুংঙাইতব পোকই।

- ইমা, চাক চাসিনদ্রবদি কৈদৌববগে?
- কৈথেলদগি অচা-অথক খব চাসিল্লকলে।

মনি মমাগি বাফমসি থাজব ব্রাৎলি। অদুগ মাগি কাবোমদ চৎখ্রে। থবক ইংখাং লোইসিললবদ থমবালসু মাগি তুমফম্ কাদ লাকলে। মনি মেট্রিক পবিখা থাগদব চহিনিন, লাইবিক তৌবি। থমবাল ব্রাখল্ন তুমথব যাদে। খলল্লি, কর্নি হোৎনদুনা হিংব ঙমগনি। কৈথেল ফমবসিনদি চানব, অঙাং মহৈ ত্রমহনব শর্মদি লৈকাইগী পোয়েং চয়েং অমত কোননব ঙমদ্রে। হোৎনবুব পন্দ্র মিগি মবন ত্রেন্সিননব ঙঙ্গরে বাখনাসিন আহংসি তুমথব যাদনা নোংঙানখ্রে।

অযুক ঙনন্না শাহৌদুন থ্বাইবমবন্ কৈথেল্ কাখ্রে। পোৎ চৈ অমক যোনব লোইবদুন যুমদ হন্নব থৌবাল বস্ পাবকিংদ লাক্ই থম্বাল্। মাবু উবদ মফম্দুদ পোৎযোনবি মিযাই চল্লবি অমন থমবালসি হিংবদ ব্রাববিনি হাইব খংলে। থমবালবু মনাক্ত কৌসিন্দন কোম্ন হিংনব লমবি অমা তাকই। বাফমসিদ থম্বাল খোইবাংনব পোকখি। যুম্দ হল্লকতুন নুমিদাংগি চক চাব তোক্লব মতুংদ থম্বাল ফমুংদ হিপ্ন হিপ্ন খললি। অহিংসিদ মসাগি ফিবেপ্ লৌজখি। নোংঙান্বগ মসা কে-মৌদুন থম্বাল ঙবাং হাইনখিব নুপিদুগি মনাক্ত লাক্ই। মহাক্পু উবুব কনাগুমবগি থমোইদ খল্লি, ইস্ কনানো ফজখ্রেদ চুং-ফিবালন চাবিব। মপুবোইবদু কযাদ মবাইবক্ ফবিব চহি কুনথ্রা মঙা-তবুককি মিওইনিনে। চেপ্থ চেপ্থ যেংনৈ। মাং যেংঙি লাংতকনৈ.

তুংউরে কল্লকনৈ, মাবু উবুব নুপাসিং। হাইনখিব মতমদু কাইদন য়ৌরক্লবদ পোৎফম ফম্বিদুন হরাও-হরও তৌবিরদুন,

- ফরে, ফরে, ফম্মু, ফমমু।
- ইনে মসিবু --?
- করিসু নৎতে কৈথেল্নি মসিসু।

মসা নান্ব কার তোংব নুপা অমগ ইরেন্ন পোরম্ সিন্দুন পোৎয়োনবি নুপিদুন থমবাল্বু চৎহনখ্রে। মসি অঙকপ অমদি নৎতে মসিসু পুন্সিনি। মপান্ লমদগি লাক্প সেনজাও পাইব মিওই খরতগ অখন্নন সেল চাওন লৌদুন সংগ তৌবগ ঙসিদি থমবাল্ সেল্ কোমন তান্সিনজরে। থমবালগি ইমুং ঙসিদি হন সাফজবে। মচা মহৈ তমবদসু কোমন তৌজব ঙমলে। মতাংসিদ মনি অমদি লৈকাইগি মিয়াম্ন মাবু চিংনখিদনব থমবাল্ য়ামন চেকসিন্জৈ। অদু ফন ওইদুনসু ময়াম্ন মহাকপু চিংনখিদবদি নৎতে।

মনি তুব্রেলপ্ পবিখাদ অহুম্সুব তারক্লে। মমান মংজরকখিব মংলান দোকতর তমবগি খুদোংচাবদু ফংজখি। অদুমক্পু মচা মনিনাদি সেল্গি অরাৎপ লাক্কনি হাইদুন কন্ন য়াজদবনি অদুবু মমান কন্ন হাইবদগি মমাগি থাথং ইন্দব য়াদদুন মনি দোকতর তমব চৎখ্রে। মতমসিদদি অপোকপি মমাগি নিংব থুংজলে। অমুক ব্রাখল তৌহ ইচান দোকতর তম্ব লোইদুন য়ুমদ লৈত্রিফাওবদি ঐ সেল্ তান্দব য়াদে। পুমনমক সেলাগ থবকনি। অসুমন থমবাল্ হিংবগি লমবিদ আসা কয়া তৌজখি।

লমবিসিদ চাহ তবুকদি গ্যান্ লৈরাব থম্বাল ঙসিদি সিন্ফমসি থাদোকলগে খল্লবনি অদুবু হেকতমক য়াদ্রে। অদুমনাদি ওইরগ মাবু থিরকপ অতিথি মযামগি মসিং হনথখ্রে। করিন হাইববু কুচু মঙাল সাম্লকলে। হকচাংগি কযাৎ মযাই চমলকলে মসিদ মিয়াম্ন মিরাইরকপ হাবসি তাইবংগি হৌনসানি,

লংফৈদ মহৈ তমলুব মনি য়ুমদ হল্লকলে। মমান মৈ ওকতুন ইমুংদ চংলিন্নরকই। মনি ইরুজথোকলব মতুংদ মমা মচা মাংগোল্দ ফমমিন্নদুন চা গ্লাস অমমম্তং থকমিনৈ, লোইনন পুন্সিগি ওইব ৱারি কয়া সান্নরি। ৱাফম কয়া লোইরব মতুংদ মচা নুপাদ মমৌ অমা য়েংনব ৱা হৌদোকই।

- ইমা, মতম খর য়েংখিসি, সেল্সু থোকত্রি।

মচানুপাগি পাওখুমদু থমবাল পেন্খিদে। মমাগি নুংঙাইখিদব মতৌদু মনিসু খংঙি। নুমিদাংৱাই ওইরকলদুন কৈথেলদে মনা মসিং লৈরুনব ইমুংদ ফি হোংব চংখ্রে। মনিন খলহৌরি, ইমান য়ুমপুবিবসি ঐন অমুক্ মহুৎ সিল্লগে। তানজাসিদ মমা থোরকতুন মচানুপদ য়ুম সংলমনব সিন্নরমলগ থমবাল লৈথেল কাখ্রে।

লমদম্সি দোকতর খর তাংঙি। অদুবু মনিবুদি মমা ৱাইওং চাদে হাইদুন মিয়ামন মঙোনদ লাইয়েংবিরদে। মতৌসিদ মনি লৈতাফম খংখিদে। সেল তানদুন মমাগি মহুৎসিন ইমুং পুৎগে খনবনি: অমুকসু লমদমসিগি ৱাৎপদু মেনখৎতুন মিয়ামগি সেবা তৌজনিংবনি। নোংমা অস্নাই ফাওবদং কোইথোকলুই। হন্জিনলকপদ খাজবুদব থৌদোক অমখক থোকখি। মনি থৱাই নুংঙাইতন মাগি কাদ চেংলকতুন পোথাখি। লমবিগি থৌদোকতু নিংসিংলকই। নুপা অনিদুন ঙাংনহৌব ৱাফম্সিংদু নাপ্পদ খোনথাং য়ৈরকই, দোক্তর ফন ওইদুনসু ওক্তবিগি মচানি, কৈদৌঙৈদ মঙোন্দদি লাইযেংলোই। নুপা অমদুন খুমলকই, চুমমি, মনি খনফম্ খংদ্রে ৱাবে। মনিন মপানদ লৈরিঙৈ মমান অৱাৎপ লৈহন্দন সেল্ থারকখিবদ চিংনখিব ময়ামদু হেনন ময়েক্ সেংলকপগুম্ থোক্লরে। মতমদুদদি মনি মমাগি নিংজবতদি থুংহল্লগে হাইন লাইনিং ওইখিবনি। অদুবু ঙসিন মহাকপু লৈকাইন ইনথোকপিবব অসিদদি থমোইদ মদোম নিন্দা তৌরকলে। তান্জাসিদ মমা চংলকতুন চাক্ চাথোকনব কৌরে। অদুবু মনি চাক ইচা চানিংদে হাইদুন মমাগি

মনিং খুংহনখিদ্রে। মচানুপাগি মতৌদু থমবাল্ চিংনখিদবদি নৎতে। থমবাল্ চাকসংদ চংখ্রে।

মচানুপাবু সমাজন ইনথোকপিবব অসিদদি থমবাল্ থমোই কাইখ্রে। মচা মনিন্ মিকোক থোংলবদি খন্দুন ওকতবিগি সিনফম, ফাওব হংগোইব লৈতন হোৎনজবুব ঙসিদি থমোইদ নিন্দা তৌরকলে, ফন ওইদুনসু উপাইদি লৈত্রে। মিয়ামন ৱাখল্ হোংলকপ ঙাইখিব তারি। হিংদব য়াদবনিন্ মনি ঙসিদি ইম্ফালগি লনাই লাইয়েংসং অমদ থবক পুদুন ইমুংগি ভার পুব হৌরে।

থমবাল ঙসিদি মচা মমৌ মসুনচিংব মমিৎত উব ফংজবে। অদুবু মিওইবৈ লাইবক্ অঙকপনি থমবালগি ইমুংদ অৱাবগি পোৎলুম্ অমা নন্থরকলে। থমবাল চিফেৎ-চিফেৎ ঙমলকতদুন মচা মনিন মমাগি লাইওংদুদ চিংনদুন ই চাংয়েং তৌবুবদদি এইস আই ভি পোজিতিপ্ ওইরমলে। মতৌসিদ মনিগি থমোইদ চিংনরমব অদু অসেংব খংলে। অদু ফন ওইদুনসু মমাবু মনিন তাথিব মিয়েংন য়েংব লৈখিদে, হেন্নদুম থমোই নৌবকলে। মচা মমৌ চংদুন মমাগি থমোই পেন্নবও হোৎনজৈ। সোমদ ইম্ফালগি মফমদ, মসান তৌজবুব থবককি মঠৈ ফংলবদ অৱাবগি চৈনা ফংখি। অদুবু অমুকসু খনতোকই, মচা মনিন মতিকচাব মি অমা ওইরবনিন মমা মপা ওইরবসিংন মচাগিদমক লৈখা তাথিববু করি কাইবগে। লৈকাইন থমবাল্ এইসদ নারে খংলবদ হান্নদগি হেন্ন তাথিন তৌবকলে। মতমসিদ ইমুং অসি অসুৰ্কি মতিক্ ৱাজখি। মৈরৰ্কসিদ মিয়ামগি খোলাও অমন থমবাল্গি ইমুং মফম অসি থাদোকতুন চৎখ্রো হাইবকলে। মতমসিদদি থমবাল্গি মফমদদি চৈনা অনিগি মৈসা লাংখি।

থমবাল্ অহিং কয়া তুমব য়াখিদ্রে, লুমলব ৱাখলগি পোৎলুম্ অমন। ওকতবিগি মচাদি দোকতর ওইরবসু লাইয়েংব য়াদে। ঐইসদ পকপ মিদি মিয়ামগ পুন্ন লৈমিনব যাদে --। হাইব ময়ামগি ৱাখলসিদ।

মমৈথংদ মঙালগী মসক ওইরব ৱাখল্ অমা লাকই। ময়াম পুমনমককি অমদি মসাগিসু অফব ওইগদব লমবি অমা। থমবাল্ য়ুমসি থাদোকতুন রিহেব্রিতেসন্ অমদ লৈরুনব ৱারেপ্ লৌখ্রে ৱাফম্ অসি খংলবদ মচা-মমৌ চংদুন ফিরেপ্ অদু হোংদোকপিনব কন্ন হাইজখি অদুবু মমান য়াব লৈত্রবদ উপাই লৈত্রদুন মমাগি মনিং থুংজরসনু খল্লকলে।

অয়কুকি চাক ইস্পিং চাথোকলব মতুংদ থমবাল্ রিহেব্রিতেসন্দ চৎনব সেম্ সাব লোইখ্রে। কাইনরমদাইগি মিকুপ্ য়ৌরকপ মতমসিদ থমবাল্গি ইমুং কপ্নবৈ খোনজেলতন নিন্খ্রে। চৎলমদাইগি পুংফম ওইরকলবদ থমবাল্ মচাসিংবু বিদাই পিরকলে। মচাসিংসু চৈনাসি খাংব ৱান বিদাই পিরকখি।

- ইচাসা, ইমা চৎলগেকো।

মচা মমৌ মসুসিং কপ্ন মমাগি মখোং সোকন খুরুমদুন অরোইব বিদাই পিজখি। থমবাল্ নুংসিরব ময়ুমবু অমুক বিদাই পিরকই। মচাসিংবু চিংন য়েংলম্লগ খোং থাংদোকখ্রে।

অপোকপি মমা

সাগৈগি মচে মনেমসিংগ জামিনি নুপা ময়ুমদ মচানুপি মচিন্ হংব লাকই। গ্যেৎত কার খাম্লদুন য়াম্ কেমৌন চংলকই। বোর মপান মহৈ লোইসংগি দাইরকতব ওইরমবসিদ জামিনিগি থমোইদ হরাওজৈ। সুমাং য়ৌসিল্লকপদ নুপামচা অমা গারিমচা ইন্থোক্তুন থোকখি। জামিনি নুপামচাদু উরুবদ তু-চুংখি। ময়াম্ লাকলিবদু বোরগি মনেমন তরামন ওকত্নন ইমুংদ চংমিন্নখি। নুপি অমন নুপিমচাদুদ ওনসিনদুন,

- ইবেমা, ইমাখেক্তই ময়াম লাকল্লিবসে,
  হাইয়ু নংন করি খল্লিব?

মনদোমচাগি ব্রাহংদু সংঙ্কে পাওখুম পিখিব ঙমদে। মচাগি মতৌদুদ কি-হংগোইদনব হাইরকই হন্তকতি নুপামচাদু,

- ইমা, নচা ইসান য়াজ্রবে।

তানজাসিদ বোর মনেম অচা অথক পদুন চংলকই। ময়াম্ হব্রাও হরাও চামিন্-থক্মিনবৈ, তোমনির্দি ঙসাই তু-চুংখিব অদুন কাবনো হাইব ব্রাখলদ তাওদুন লৈবি। মতৌদুদ নুপা ময়ুমগ মির্নাদ চিংনাং পোকই। বোর মনেমন,

- কৈন্যা মমাদি য়াম নুংসুক নুংজান্নন উই।

জামিনিগি মিচংদ ময়াম পুনন অমত য়াওজব মচানুপিনিন নুংঙাইতদুন তৌরিনি হাইদুন চপ্ মান্নন পাওখুম পিখি। তানজাসিদ বোব মনেমসু মবুংবু মরিক চুমন থাগৎলকই। হনতকতি জার্মিনি মবোল থোরকলে।

- মনেম্ অমতং লৈজরম্লবদি --।

ময়ামসু চুমমি্ হাইন ফোংদোকনৈ। অমুক জামিনি মখা তারকই। ঙসাই থোংগাললোমদ থোকখিব নুপামচাদুর বোরসে হাইদুন হংঙি। মনেমন মাননি, পাওখুম পিরকই।

- নুপা মচাসিগি অপোকপ অপোকপিদি লৌবরিব্র?

- মদু খুমব ঙমজদ্রে,

  অঙাংসি ইবুংন মচা সকন য়োকচরকলবনি।

  অঙাংসিগি দাইত খুদিংমক ইবুংগিনি।

মখোই অমুক হন্নখ্রে। অদুবু বোর মনেদি থমোইনুংদ জমিনিগি নুংঙাইখিদব মতৌ অদুত খন্দুন লৈহৌরে।

নুপামচাদু উবুব নুমিৎতগি জামিনি অহিং অনি সুকতুম্ হেক তুমদন হৌখ্রে। অমুকসু খল্লি মদোম থমোইনুংদ, করিগি মিকুপ্ অদুদ তু-চুংখিব, মাগ ঐগ করি মরি লৈনৈ, ঐ খংদে। মসিবু ইস্বোরগি করমব থৌওং --? থমোইগি চয়েৎনব কয়া লৈদুনসু, মচানুপি অমদি মপুরৌইবদ ফোংদোক্লুদে। নুপা ময়ুমগি মি লাক্কনি হাইবদুদ মপুরোইবদ জামিনিন,

- মোইপাবু, নুপামচাদুগি তাংদাংব অমা খংদনদি --।
- ওন্থোক্পনিদকো, ফরেনে পিদ্রে হাইন খললো,

  নচানুপিসে চেল্লুরে হাইবসিমদি কোকপ য়াখিগদ্রো?

তান্জাসিদ নুপা ময়ুমগি মি লাকলে। বোর মপাগ মি অনি চংমিন্নরকই। তবাম্ তরাম ওকতুন মখোই পুন্ন ফমমিনৈ। জামিনি অতোপ্প কারোমদ চংখি। বোর মপান হৌদোরকই,

- দোক্তববু, মতম অমা লেপ্নব তৌবিরো ।
- চুমল্বনি, অদুদ নচন্নুপিন নুপামচা অদুগি তাংদাংব অমা খাংদনদি হাইদুন লৈরব।

লুন লৌনরিব ৱাফমদু ইরাই লাইন খুম্দোরকই,

  চিংনব কোক্নব দা রাধেগ অমুকতং উন্নবিরগদি লোইন চম্নরগনি।

থংনব কাদগি দা রাধে পল্লকপদুদ জামিনি মিকুপ খর গ্যান লাংলুই। অমুক ভাপ্ তারকই, মিনকা উখ্রব্র হাইন জামিনি চিংজৈ। তুমিন্ন মপান্ থোরকলে। মপা অনিদি নোক্-নোকতুন ৱারি সান্নহৌৱি। খোং থাংন-থাংন জামিনি মচিন্দ ঙাংথোরকই,

- করি দা়রাধে!

য়ুমগি মখাদ লৈব লৈকোলদু য়ৌরকপদ ভাপ তারকই মোন্লব তিংগোইদুদ ফম্থদুন হৌখ্রব ৱারি অমা নিংসিংলকই। দোক্তবন কৌরক্পদগি জামিনি মমা চংখি। মতমসি জামিনি অঙাং উন্নবগি মতম ঙাইদুন লৈরিবনি। মমা উবদ দা়রাধেন

- ইমা, ইচানুপিসিগি নুপাদি ?

- ইবেমা, ৱাফম খরদি লোৎসিন্দুন লৈরিবনি।

লোৎসিল্লুবন অফব ওইররোই খল্লদুন জামিনি মমাদু ৱাসিং অদু দোক্তরদ তম্লক্ই, ইচানুপিসে লৈসান মসা লুমলকখি। নুপাদুগ য়ামন পামজনখি। অদুবু লাইবক থিবনি, মহাকন সিফাই ওইবুবন, সুতিগি মতম লোইদন ইরাং লৈবে হাইদুন কৌরকখি। নুপামচাদু চংনিংদন অদুমক চংখি। চংলমদাইগি মতমদ সিনরমখি, সকখংদ্রিব অঙাংসি মাংহনগনু হাইদুন।

ঙসিদি লাইবক্ থিরে, নুপামচাদু কাবগিনগি লালদ থৱাই থাখ্রে। মরমসিং অসিননি ঙসি ওইরকলিব ময়ামসে। ৱাফম কয়াদু তারব মতুংদ দোকতরন,

- অঙাংসি পোকলব মতুংদদি ---।

- অদুননি লোন্ন থুপ্ন হে্ৎনরিব,

অদুন ইবেমা দোকতরন অঙাংদুসু ফনব তৌবিখ্রো।

নুপিওইবিসিংন থেংনরিব অৱাব কয়াসি খংলদুন দোকতর ৱাফমদু য়ানিংন অঙাং উনফম্ মনুং কারোমদ চংখ্রে। জামিনি মাসু মপাল লোমদ থোরকলে। তানজাসিদ মপুবোইবন কৌরকপদগি ৱারিদু লোইসিলখিদ্রে। অমুক্ হৌগৎতুন ইমুংলোমদ চংলকলে। খোং থাংন-থাংন থমোই নুংদ খল্লুরি, অদুনদি অঙাংসি সোইদে, ঐগি অঙাং ওইব। ঙসিদি ইমুংসি সকউদব লামৈ অমন কোইন থুংন চাকলকলে। মমাগি মতৌদুন মচানুপিগি থমোইদ চিংনবৈ ইঁরৈ অমন ইরাকনহল্লি। অমসু-অমসু ৱাদি ইঙাং ঙাংনদে। ঙসিদি কনাবু খংহল্লুব তৌদন

জামিনি দা.বাধাগি নাক্ত চৎলি। চহি কুনগি মতুংদ অমুক উনব অসিদদি মখোই অনি অমন অমবু সক-লাকসিনব ঙমদে। অদুবু হৌখ্রব ব্রাবি মতেক অমন অমুক নৌন সকখংনবে। মিওইবৈ পুন্‌সি অহোংবন পিক থললি, সকফম্ লৈসিল্লকলব অদুদদি অমন অমবু যেংদুন নোকমিনৈ। লোইনন জামিনি লাকপগি মবম খংলবদ দা. বাধেন,

- অঙাংদ্ অমুক লৌসনবদি যাবোই।
- নৎত্তে, ঐ লৌজবোই। মবি মখোং খংজনিংদুন তৌবনি।
- ঐবু চিংনব্র ?

নৎত্তে অদমন লান্‌ন লৌবিখিনু,

মরে অদুদ, ইবুকেসন্ এসকি দাইবেকতব খংডদন,

জামান স্বাই লাওই, দাইবেকতব হাইনাকপদুদ, মথা তান কবি হাইবি হাইব খংখিদ্রে। থাসি অহিং অমন মসা পূমব যোমসিল্লকই। পাওন্নু [illegible] খদ্রে [illegible] তকন যেংদনা লোকতবদু লৈতে। মমক [illegible],

[illegible]

[illegible] লৌবুগোন [illegible] মক্ হনজবগ [illegible]
[illegible] মতৌদুদ লোকতবদু [illegible] কবি মমুব হাইবুনি অবাবে সমুদ্রা ভাসিন্নলে। [illegible] সোনজে,

সিবু কবি মতৌনোনো কবিনো তৌগদবসে।

ইবুকথোককি ইচা অনিবু লুহোংব তাবব্রানে - ।

কবিনো কোক্‌সে ঙাওখ্রেদ।

মচা অনিগি বাখলন ঙসিদি জামিনি বাখল লাইনা নাহললে। মচানুপিনি চেনলুববাগি মতুংসিদ ওইবকল্বি জামিনিগি ফিবমসদ মিযামন চিংনব অমদি পোকনরো। অদুবু ফনানসু চিংনবিব অদুগি লংলা লংডিন্দ খংব ঙমখিদে। লুহোংবগি মতমসা লেপ্পনব লৈতে। চবক চহি

অদুম মরৈরে। অদুন ইমুং অনি, অমদি বোর কৈন্য অনিন হেনন অব্রাব ওইহললে। ফন থেংখ্রে অহিংসি, নিংঙোল কাদ কৈন্য ওইগদবিসি ব্রাখল মওন মওন খললি, করিগিনো ইমান ব্রা ঙাংখিদ্রিব, মসিগি মথকত নারকলিব অসিন অমুক --? খনফম্ খংদে তরংদ লৈখ্রে অমুক থমোইনুংদ খল্লকই, ফরেনে ইমুং অনি য়ানদদুন পিনদ্রে হাইরসি ঐ করি তৌগনি--। ইমাগি অপামবগি মাইয়োক্ত অমুক হন্ন ঐ চেনসিন্গদ্র? তামোনদি করি খল্লিগনি। অমুক বোর ওইগদবদুন করি খললিগব হাইবদু মদোম ব্রাখলদ চিংসিল্লকই। চুমমি অমন অমবু পামনদদুন পিনদব কয়া য়াওরি, অদুবু ঐখোইগিদ থোকলরিব অসিগদি খর খেনরে। ঐবু বোর অমা ওইনদি পাম্ফম্ থোকইন বাবাগি মঙান্দৈ, পুমনমক্ ঐগি ঙাকতনি। অসি ফাওবদ করিগি লৈখাই অমা তাদন থমলিব --। অসুমন লোইব নাইদব ব্রাখলগি ইপাক অমদ তাওথরি।

মসক্তি উদব অব্রাবগি চিংদুম অমন নন্থরবি জামিনিগি মতৌসিদ মাগি নুপান করিগুমব অমতসু পেল্হনব ঙমদবসিদ নুপা অমা ওইন পেনজখিদে। নুংসিন মনাকত চংসিনদুন হংজৈ,

- ঙসিদি নহাককি অপামবদুত হাইরো,
  পাওখুম অদুনি নচাসিংন ঙাইজবিব।
  ঙমন নংগি ব্রাহৈ অমদ লৈরবনি।

ইচিক-হুল্লব অহিংসিদ মাগি নুপিবু পুক্নিংগি মনিং তম্হললি। ইরোইন্ন পাওখুমসু ঙাইরি। অদুবু ঙম্ন তাইওন্নখ্রে। ব্রাহং-পাওখুম অনি পুন্ব মিয়েং অমন মপুরোইববু চিংন য়েংলম্লগ জামিনি মমাই লৈথোক্খ্রে। উপাই লৈত্রদুন অদুমক উংদুন মাগি ফম্মুংদ কাখৎতুন হিপ্থখ্রে।

অমুককি হকচাং সেংদোক্নব সুমাং মচিদ অমান ইসিংদু থনম্লগ মমাগি তুমফম্ কাদ হৌদোকপ চংলকই। মপাদি ঙসাইন হৌগৎতুন ব্রাকিং চংখ্রবানি। অঙকপ মতৌনি অমাবু মসা নোমদুন হৌদোকলুবদদি,

মচিনদগি তিলহিদাক মনম্ নমলক্খি।

- ইমা !

পাখৎপন খোনগাইদ লাওবকই। থৰাই যাওদ্রব হকচাংদুন যাতাবম্বদুদ খোনজেল থোকন খপলক্লে। মতাংসিদ মপাসু যুমদ হল্জিলকই, ওইবম্লিব মতৌদুদ ঙক্পন লোইখি, মিৎলুদ পিবাং সিনথবক্ই, থমোই সোকন।

- মমা, কবি মতৌনো নহাক্ন তৌবমলিব অসিবো ---,

কবি পাওখোংনোংনে হা, ঙসি নংন চল্লমলিব?

সিন কাইনবগি মৈচাকন ইমুংসিগি মিওইসিং ৰাখিবন সমুদ্রদ তাসিন্খি। খাংঙম্দৱগি মিকপখোলতন পুম্নিল নিলখি। পাও অসি লৈকাই তান্বক্খি। মিযাম্ লাকতুন মথৌ মঙম্ পাংথোকনব সিল-লাংঙি। মমাগি ফিবোল লোইসিল্লুবদ মোন্ মখাদ অঙৌব চে অমা থেংনৈ মচানুপিন ফাক্তোক্তুন যেংঙি।

'ইমাগি ইবেম্ ঙসিদি ব্রমহামকন ফংঙমদ্রব মিওইপোকসে নমাগিদমক্তি মাইথিবে। পাংগল থৌনা পুমনমক্ মাংখ্রে। ঙসিদি খ্বাইদৈ তোল্লবিনি ঐসে, হৌখিব লাইবক্ থিবব থৌদোক্ অমন-ইমাগি ইবেমা, নহাককি বোব ওইগদৌবিব নুপামচাসে ইমাগি নপা পুনদব নবুং ওইবমলে।

- ইমা !

মচানুপিসে ৰান্থখ্রে, মযাম্ চেন্সিনদুন লাইক্ননৈ অমুক্ গ্যান লাকই, থমোইনুংগি ৰাহৈ খব মচিন থোবক্ই।

- মাবু ঐগি ইবুং --।

মাগিনি হাইদুন চেললুববি ঐন মচলনুপি ।

ইমা --- , কবিনো মসিবু কবিনো, কবিনো --।

খোন্গাইদ কন্ন লাওবক্খি। অঙাওবি অমগুম্ন মচিন্দ মুবুম্-মুবুম্ সোনদুন কনাসু যেংলম্দন অদুম্মক্ থোংগাল্লোম্দ ইতিংতিংন চেৎখ্রে। ❏

মিরা

মিরা ওফিস্ য়ৌরকপদ ঙাইহরি, মহাক নৌন ত্রাস্ফর তৌরকপনি। চৌক্রিদ ফম্থবত মঙাইহরি, তান্জাসিদ অসিস্ ফৎ চংসিল্লকই। অসিস্ ওফিস্ অসিগি হেত ক্লাকনি। মতম সাংন থেংনবুদ্রব মতুংসিদ মখোই অনি নৌহৌন অমুক মিৎচান্নবুই। মখোইনিগি মতৌসিন অউবগিদি অঙক্প কুম্হে ওইরে। ঙাইহাককি মতুংদ মিরা মপান্ থোকখ্রে। অসিস্সু ৱা ঙাংদ তুমিল য়েংদুন লৈহৌরে। ওফিস্কি মখাথংবদ লৈব মি ঙাইনফম ফালসাংদুদ চংসিন্দুন ফমমি। থমোইদ হৌখ্রব থৌদোক্ অমখক্ নিংসিংলকই। নুমিদাংগি পুং নিপাল তাখ্রে। মিরা অসিস্কি থোংজিন্দ লেপ্লৈ।

- অসিস্ --, অসিস্ তারব্রো?
- করি অমুক লৈরে?
- হৌগৎলো, থোকচোম্ ফাওবদং থিললু, ইঁসে হৌখ্রে।
  লতাখোই বিনাখোইসু ঙম্ন চৎনখ্রে।
- ঐ লাইহরিক তৌরিবসিদি ।
- হললক্লগ লাইহরিকতো তৌরো ।

থিল্লুদব য়াররোই খংলদুন মখোই অনি লাকমিন্নরে। অসিস্ চহি তরানিপাল্লোম্ সুরে। মিরান চহি অনিদি হনগ্নি। মখোই অনিসে ময়ুম্ থংনবুবতনি সাগৈদি পুন্দে। অসিস্ চুং-ফিরাল চান ফজৈ। মিরাসু মাং-তুং ৱাৎতন চংখোল্লবিনি। লম্বিদ চৎন-চৎন অসিস্কি থমোইনুংদ ইথিল অমা ফাওরকখি মিরাবু কৌদুন খামখি মিরা হৈনিংদন।

- কৈদৌরগে মিন থেংখ্রেগ ।

মিকুপতুদ ৱা অমত ঙাংদন থোৎলবিদুবু মথানুংদ চেৎন কোনসিনজৈ অদুবু মিরাগি পাংগলন নান্থোকপদি ঙম্জখিদে। সাওন,

- খংগনি নং বাবা তাক্কনি, ঐন কৈদৌনি খংঙু।
- মিরা, ঐ নহাকপু নুংসিমন্খিদুন গ্যান তাহৌদ্রে।

ইরোইনন লানখ্রে হাইদুন মিরাদ খুরুমলকই। মতৌসিদ মিরা সাওনিংলমব পুমব খুদকত মাংখ্রে। থমোইনুংদ মিনুংসি অমা পোক্লকখি। থিহল্লুরব মাইথোংদু নোক্মিবন সিনখ্রে। ইংলব থাবলগি ইপোমসিদ মিরান,

- নুপানবু অদুক্ পাংদব,

ইকাই নুংসি য়ান্ন অসিস্ খাংজখি। মিকুপ অসিদ মখোই অনিগি থমোইদু অপাম্-নুংসিগি ময়াইন লাকসিনখি। ইঁসে য়েংব চৎত্রে। লমবি মতাই ইংখোল মচি অমদ লৈসিনদুন ফমমিন্নদুন থমোইনুংগি ব্রাফম্ কয়া ফোংদোকনখি। অপাম্ নুংসি মসি য়াম্ন মনিংতম্মি। অমন অমগি মফম্দ অখাক্প অমা থমদন নুংসিগি ইথক ইপোমদ থমোই তিংন তাওথমিনখি। মি চংলক্পদগি মিরাগি নিংসিংলুব ব্রারিদু কাইখ্রে। অমুক ওফিস্ কাদ চংলকই।

অহিং থেংলফাওব তুমথব য়াদ্রে মিরা, অমুক্ কন্ন তুমথব থেমমি। মপুবোইব কিবনদি মিকপ অনিবু সুরমলনি। অমুক নিংসিংলকই, অসিস্কা কাইনখিবগি ব্রাবিদু মিবাগি থমোইদ। য়ামন সাওন মাবু পোক্প মপান নিংঙোল কাদ চংলকতুন,

- অরোইবনি ঙসি ইপান হাইরিব অসিন,

  নং ইপাগি মাই ঙাক্কদবনি।

  ঐবু নুংসি খংদব মপা অমদি তাহন্গনু।

মসিং মসোন নাইব মপাগি মতৌসিদ মিরা খমথেংন ব্রাবে। অমরোমদ অসিস্ন মপাল লমদ মহৈ তম্ব চৎখিব অসিনসু খন্ন তান্নফম্ অমতসু লৈত্রে। মিৎলুদ পিরাং সিন্থজবন মসিন্ ওইখ্রে। মপাসু সাওনিং সাওনিং মপান থোকখ্রে। মিরাগি থমোইনুংদ মওন্-মওন খলহৌব্রি, নুপি ওইবি মপোক্ তোললিদকো পুকনিংগি অপাম্ব অমতসু ইনিংতৌজব ঙমদব, মথংগি মপোক্তদি নুপি ওইনত পোকহনবিরগনু। খোলজেন থোকন কপ্লকলে। মিকপ্খোলদুন তাইবং

ওইরকলবদ মনাকত তুমলিব মপুরোইবদু মিকপ্ থোরকলে।
- মিরা, মিরা, তারবো?
- মোইব -, ঐদি মং মংলুরে।
- ফরে, ফবে নিংথিন অমুক পোথনব তৌরো।

অৱাব অমদি চিংনবন কিরন্গি মসাপুমব লাকসিল্লকই। পামজন লুহোংজরুব মাগি নুপিন হন্তক্ মসাগি লিচৎ-সাজৎত অহোংব কয়া লাকপ অসিদ। ঙসিদি মখোই অনি মোৎ তিন্নদব কয়া য়াওবে। করিগুমবদ মপুরোইবগি মাইয়োকত ৱা ঙাংলকলে। সেবা তৌব ফাওবদ থওইরকতব কযানি। নুপা নুপিগি মবিদ মপুরোইববু পেল্হনদব য়াওরবনি। মিরা ওফিস্ কুমলক্লে। কিবনগি নুংসুক-নুংজানব মতৌদুদ মিরা হৈনিংদব পোকই। মিরান থেংন হললক্পদুদ,
- থেংঙিদ, থবক্ অচিনব য়ামন লৈবববা?
- উম্, থবক্ খব চিল্লে।
মখা সাংথরমদন ফি হোংফম্ কারোম্দ চংখ্রে। ঙাইহাককি মতুংদ অমুক থোরকলে।
- মিরা, চাঙাং গ্লাস্ অমত থকসিব।
- ৱারেদ ।
মখা তারমদন কিরন্ মপান থোকখ্রে। মতৌদু তুমিন্ য়েংদুন মিবা লৈহৌৱি। কবি-করিনো মরোল সেংফাৎতন সোলহৌৱি।

মিন করি হাইনরিগনি হাইন চিনব পোকই। মাইগি ফিবম্ কাইদনব সেম্জিললি। ফনেক ফিদোন্ মান্নদব য়াওব্র য়েংন মিরা রেস্তোরেনদগি থোরক্ই। ঙসাই চংখিবদ সংখিব চিনবাল মচু হোংলকপ অসিদদি রেসতোরেন মপুদু হেন্ন ঙকখ্রে। মিরা গারিমচাদু থৌদুন অদুম্ চৎখ্রে। মপুদু জাৎ-জাৎ খলহৌৱি, মৌনিদ হৌজিককি নুপিদু, লাকমিনব অদুদি পাখংনিনে। নুপিদু মসকতি ফজেহে। মৌসু জাৎ-জাৎ তৌব য়াওরিজাৎনি। অদুবু মসি অফবদি ওইরকলোইহে।

কিরন্ মাগি নুপিগি ব্রাখলদ ঙসিদি থবক চিললে। মিগি চিন্দগি খরগি মখৈদি খংলবনি। মদুমকনদি অচুমবনি হাইন লৌব ঙম্দে। অদুবু অসিস্ কৌব মিরাখোই মপাম্গ য়ুমথংনব পাখং অমগদি থবক মফম পুললি হাইরি। অমুকসু মখোই অনিসি অঙাং ওইরিঙৈদগি লোইনরকপনিসু হাই। পুমনমক্সি ওইদুনসু মমিৎমকন অমুকতং উবদুনি। মি কয়া থাদোকতুন সেনাহনখ্রবনি, মসিমক্তন সেল্ কয়া চংলবনি। মরক্সিদ ফোন লাকই, ফিংন রিসিপ্ তৌৰি,

- কবি ! হৌজিক রেস্তোরেনদ লৈরে।

ফবে চেক্সিন্ন খংলেদন --।

সাওখিবন মসা পুমব নিকই। গারিমচাদু ইনথোকতুন থুন-য়াংন থৌখ্রে। লাইবক্ থিবনি মান চৎলিব লমবিদু ট্রাফ্রিক জাম্ থোকলমলে। অদুন মতম খব পনথব তারি। মান মফমদু য়ৌরকানদদি মখোই হন্খিরম্লে। তাইনফম্ খংদ্রদুন খামলিব গারিমচাদুদ চেন্সিনদুন কাওসিললি, সাফুদুদ গাবিদ্ন লৈমাইদ তুখ্রে। মাগি মি চেন্সিনদুন ইন্খৎলি। অমন সাওবিবদু থেমজিললি, মতুং তানজা লাকখিনি। মরক্ থৎন অমন অমুক,

- মসিসু পুন্সিগি সরুক অমনি। কবিগি খোইরাংনরি, থেংন তাবনি।

ব্রাহৈদুদ কিরনন খুমলকই,

- অদুবু থমোইসিদদি খাংঙমদব সাফু অমন য়ৈররি।

ঐ লৈন-লৈন মহাকন করিগি লমবিদুদ --।

মপুরোইবন হন্মন্লকত্রবদুদ নুমিদাংগি পুং তরাগ তাসিনখিবনে চাক্ চাথোকলে। ফমুংদ কাখৎতুন হিপ্ন-হিপ্ন হল্লক্প ঙাই। ঙাইহাক্ লৈবগ গারি মখোল তাবকই। কিবন্ নিসা নুংঙাইবকই। হান্ন তুম্নদব ফমুংদুদ কিরন্ লোংন হাইথখ্রে' মফি মবোল হোংদ্রোকত্রিব মপুবোইববু য়েংসিললুনব মনাক্তা চংদুন সেবা লাংজলুই, ওনথোরক্প মতৌনি কিবন্ য়াম্ন ব্রাবৌন,

ঐগিদমবা্ মালেমসিদ ... লৌরে।

ঐদি মতিক চাদ্রব, মিযামন ইন্থোক্লবনি।

যাবে নিংথিববি নংগি মপান্ নাইদ্রব সেবা,

ঐগিদমকতি নহাকপু ব্রাহননিংদ্রেনে।

থমোইগি পেন্দব ব্রাহৈসিংদু তাবুবগ মিবা ঙসিদি কিবন্বু নুংসিব ফাওবকলে। লোনথোকতন কপ্চখি, পিবাংন মহুৎসিন্ মপুবোইববু চিংন য়েং,

- কবিগি অদুমন ব্রাবৌবি, ঐ লান্খ্রে, ঐহাকপু ঙাক্পিযু।

মবাল্ খংজরকলবদ কিবন্গি মখোং পাইদুন হাইজবক্খি। অদুবু কিবন্নদি পাওখুম্ পিবকখিদে। হন্তক্তি কাসি ইচিক চিক্খ্রে। মপুবোইবগি খুৎ পাইদুন চিংখৎলগ,

- কবিগি নদোম হিপলুদগে,

ঐহাক লৈবিবসিদি, লাকও হৌগৎপবো,

কিবন্ নুংগি মুবতিগুমন মবোল থোকখিদ্রে। মপবোইবগি মতৌসিদ ঙসিদি মিবা যামন নিংঙমলকত্রে মপুবোইবন অমুক ইনথোকলবদ, হৌখিবদ মান লংজখিন মনালসিং অদুগি মহৈন আং চুপপ চৈন খাংজখি।

অসিস্ টুবদ [illegible] মিনা হৈ[illegible]ংদন [illegible]ল। মনাক[illegible] লাপথোকনবত হোৎনইজ। অদুবু হোৎনজমন্দি মহৈ চাদ্রে। লোইনবুন কৌবনিন য়াম্ন হৈনিংদন ঙসিস মখোই অনি হান্নগুম বেস্তোনেনদ চৎপ তাবি। অসিস্নাদ হাননগুম কোইদন মাগি লোইনবি অমগুম ইকোই কোইদন তৌবি। মতৌদুদ মিবা নান খাংজখি। হান্নগি মতৌগুম ঙসিসু কিরনদ তেলিফোন তৌরকই।

- কবি ! ফৈ খংগনি। নুপিগি সক্লোন্।

মথৌ অমদি মসক্ন কি-তুজুংব পোকলব সোবিদু মকম চান য়েপসিনদুন কিবন্ গাবি মচাদু [illegible]ংসিংকি মমাং [illegible]ন মফমদুদ চৎখ্রে। কিবন যৌবকলবদ মাগি মিওইসিং[illegible] মি[illegible]খোই মনুংদ লৈ[illegible]। সুম সুম তৌ[illegible] হাইবর্নাচিংনদু তম্মি। কি[illegible]গি অ[illegible] মতুংইন [illegible] অনিদু মপা[illegible]

থোরকপ ঙাইরে। ঙাইহাক লৈরগ অসিস্ হান্ন থোরকলে। কিরনদ মসক তাকই। সাওখিবন মসা পুমব নিকই, অদুবু কিরন নুপাদুদ খুৎ থাখিদে। অসিস্ মিরাগি নুপা উবদ পাখৎখি। লোইনন মতাই ওইন থৈজিনদুন লৈ। মিৎ কুপ্তন মিরা থোকপ য়েংলি। ইঁহৈ হৈনিংদন মিরা থোরকলে মিরা উবদ কিরন মিৎত ই কাখ্রে। মসাদ লোইনরকপ থাংদু খুৎপাই চেৎন পাইরদুন কৈগুমন ঙংলদুন মিরা তমন চোংসিনখি মতৌদুদ অসিস্ চেন্সিললকই। অঙকপ মতৌনি মিরাবু হাৎলগে হাইন থিনখিব থাংদুন অসিস্ত পাললে থাংগি চৈনাদুদ অসিস্,

- আ ! মিরা --।

খোনজেলদুদ হন্ন যেংখি, মিবাগি মহুৎ নুপাদুদ থাংন সোক্অম্বদুদ কিরন্ খমথেংন ঙকখ্রে। খুদকত থাংদু সৎলি, সিনথরকপ অঙাংব ইখেংদুদ কিরন্ পাখৎপ পোকই। মিরাদি হাইন য়েংলকপদ মহাক তরংদ তাওদুন লৈরমলি। ব্রা-লান অমত ঙাংদ্রে। মিয়ামন লাওনরকপ মি হাৎলে হাইঁবে খোনজেল অমা কিরনগি নাপ্দ তারকই। অসোক্পদু অমুক হন্ন য়েংঙি মাদি লৈমাইদ তাদুন চৈনা খাংলি, করি-করিনো নাহেবগুমনসু তারি। খংহৌদে পুলিস্ থুংলরে। অসোকপদু গাবিদ থুনমক হোসপিতালদ পুখ্রে। কিরন্ মসান য়ান পুলিস্ত থাংদু খুৎসিন্নখি। অদুগ ব্রা ঙাংলকই,

- হৌজিকসু ঙক্লি,

ঐগি নুপি মিরাগি মহুৎত সক্খংদব নুপা অসিন--।

কিরন্সু পুলিস্ন পুখ্রে মিরা তরংদ অদুমক লেপতুন লৈহৌরি চৎখ্রিব নুপা অনিদুগি লাইবক্ কনানসু তমব ব্রানরি। অদুগ মিরান কম্দৌব?

মিয়েং

থোইবি অসুমন অমুক্তসু ৱাখিদ্রি, অমম্বসিন মসা পুমব য়োৎসিৎলকখি। মখোইগি থবক ইংখাং সুদুন লৈব মবুক মপাওসু ফখ্রব দিনন গারিন সোকতুন হোস্পিতালদ অসোকপ ফিবম্ লুন লৈখব অসিদনি। থোইবি মমা য়াওদন মপান, মমা-মপা অনিমক সক্ন য়োকলকতুনসু ঙসিগি অসুমন নুংঙাইতব য়াওখ্রিদ্রি। অনব লৈখাই তাদবসিদ মবুকত মওন-মওন খললি, করিগুমব দিনন ফিবম্ চাদন লৈখিব তারবদি, মযুমদ লৈহৌবিব সোলব মপা অমদি মচল্নুপিন কমদৌব।

- ইবেমা,

মপা চংলকতুন কৌবদু তাদে, মতৌদুদ হন্ন মপান অমুকসু কৌৱি। হনতক্তি তারমনে।

- বাবা, ঐদি ৱাখল অমা তৌরুরে।
- অৱাব ৱাখল থাদোকউ, নপা লৈরিসিদি,

ঐননে ফনব লাইযেংগনি। থোইবি থমোইনুংদ হবাওজে। মপাসু অমুক মপানলোমদ থোকখ্রে। মিওইবগি থমোইদ লৈব অনিংব অসি মসক লেপ্প কনাসু ঙম্নদে। থোইবিন দিনবু কবমন নুংসিজরিব মসিসু অরাইবদি নৎতে মপাগি মফমদদি।

দিন হোসপিতালদগি হল্লকলে। সুমাং মতোনদ থোইবিন মৈনচিংব ওকথোকই। মচন্নুপি মেমান খুৎসমনদুন চংমিনরকই, দিনন উপ্লকলিব অমুব অনোক অদুন খংলে, মিৎত নুংঙাইতব খর য়াওরে হাইব। লোন্ন কনাসু খংহৌদন থোইবি মিৎলুদ পিরাং সিনথখি। ইমুংদ মখোই পুন্ন ফমমিন্নদুন ৱারি ৱাতাই তৌৱি। মরক থৎন মেমা কপ্ন-কপ্ন খোনজেল থোরকই,

- ইচে, তামোদি মিৎ অনিমক্ উদ্রে।

মেমা মখা তাবকতুন তেংথাদুন লৈবে। মতৌদুন থোইবিগি থমোই মচেৎ তান কাইখ্রে। মপাদ ইংজিৎ ওইব মিযেং অমন,

- বাবা দিনসিবু অসুমক্ ---?
- যেংঙোই মেমা, ইপান পুমনমক্ ফনব সিন্গনি।
  নবুংন ফিবম্ অমা তাদ্রি ফাওব নখোইগি যুমগি থৌদাংসু পুগনি,
  মতাংসিদ নংন নং-পাবুংদ তমলুগদবনি।

মেমাবু যুমদ হনখিনব, গাবি থাফম্ ফাওব থিলুনব গাবিমচাদ চৎখ্রে। ঙহানমখৈদি দিনন ইমুংগি থবক্ অযামব পুবমবনি। অদুবু ঙসিদি থোইবিন মহুৎ সিনখ্রে। হৈ মহি সেমলুদুন পি। মহিদু লৌসিনজবগ দিনন,

- ইচে, ঙসিদি নখোইগি নতেং পাংব ঙমলবোইকো,
  হে ইস্বোব, নুমিৎতো নোংদম থিখ্রেদকো,
  তাতা গাবিদুন থেংলমদ্রবদি ঐনি মিৎসে উবমগনিকো।

কবিদ সোইখিগদে হাইদুন চেকসিনদনা সেবা তৌজে। তৌবিবা মতৌদু অউবনদি হব অদুম চিংনগনি। কবি কপিনো ঙাংলনমলগা মপাললোম্মদ খোহাংব হেক্নখ্রে। মতোম্না খাইহৌবন্দ দিং,

  এগা লাইবক্ কযাদ থিবিদ, ঐগিদি লাংলো,
  বাবা অমাদ ইচনগিদমকতি বাদব ঙমদে।

থিংব ঙমদনা মিংলুদ পিবাং সিনখবকই। খোহাবন অমুক চংলকপদ দিনন অব্রা মৈচাক্ থাংলমবদু থেংনরে।

- কবিগি কপ্লিবনো, নহাককিদমক্ ঐ লৈবিবাসাদি।

মখুৎমকন দিনগি সিনথবিব মিংলুগি পিবাংবু তৈথোকপি। থোইবিগি অখাকপ লৈতন পুকনিং অমদি পাংগলগি সেবা তৌবসিদ,

- ইচে, ঐনা তৌগদৌবসি কবিনো?

থোইবিগি মপা হললকলে, অদুন মপান পাম্জব চাঙাং গ্লাস অমা পুথোবকতুন পি। মপাগি মাইথোংদ খংলে মদুদি চৎলুবিব থবকতু মংগোল ওইবকত্রে হাইব অদুবু থোইবি হংলুদে। চা থকন থকন

মপান হাইরকই,

- যাদ্রে, অচম্ব থবক অমদি নৎতেদো।
- চুমমি বাবা, কনানবু মিৎ হেক্ত পিথোরক্কদগে?

থোইবি মপাল থোকখ্রে, মপা চা থকতুনা অদুম লৈহৌবি। অসোমদ থোইবিদি দিনগি নাক্ত চংলুই, মতমদুদ মহাকতি কাদ লৈরমদে'? ঙকনা কোইথি-থি। অদুগ মাদি অৰাংগি য়েনখাদ মখোং দাবিদ যানথদুন ফম্লম্মি। মতৌদুদ থোইবিন,

- কৈদৌরবগে, ঐদি পাখৎলুববনি।

হৈনিংদব মাইথোংদু উৎলকই। মদুন ৰাহংদুগি পাওখুম ওইখ্রে। তুমিন্ন লৈখিবদুদ থোইবিন নুংঙাইতন,

- দিন, করিগিনো নহাকন নুংনাংদুনত লৈরিব?
- ঙসিদি ইদোম্ ৰাখলন ইবাক্নবকলে।

হৌজিক ঐন, কবিদ নুংঙাইব ৰাখল খল্লুগনি।

চৈসু মচাদু পাইদুন হৌগৎখ্রে। থোইবি করিসু । অহোইন মিৎলুদ পিরাং সিনথব হৌবকই। মাবু নুংসিন য়েংদুন লৈহৌৰি। থোইবি থমোইনুংদ ৰাখল অমা তৌবকই,

- ঙসিদি মহাকপু ঐগি ওইনিংব অমগ নুংসিরকলে।

মাগিদমক্ পুন্সি অসে কৎথোক্প পামলক্লে।

মসিবু ওইরমলে পুকনিংগি নিংতমব হাইবদো--।

তান্জাসিদ মপা চংলকই। মতৌদুন ৰাখল হেনন খন্জিনহললি। মচানুপিবু কৌদুন হাইরকই,

- ইবেমা, ইপাবুদি নহাকন চিংনহনগনু,

পুন্সি হাইবসি ইচম-চমব অমদি নৎতে।

ৰা য়াম্লমদন মপা ইমুংলোমদ চংখ্রে। থোইবিসু মাগি কাদ চংলকতুন ফমুংদ মখোং য়ানথদুন ৰাখল তৌৰি।

- বাবাগি ৰাসিবু --? অদুবু ঐ মাবুদি নুংসি।

বাবাগি ৰাসু ৰাবি, নুংসিবন ঐগি ৰানি।

ঙসিদি থোইবি নুংসিবগি ইঁবৈদ লৈতাফম্ খংহনদ্রে।

ফান কন্‌ন হোৎনবে অদুবু দিনগিদমক মিৎ অমতং ফংবদি ঙমদ্রে। চহি অহুম্ হৌখ্রে। অসুমন অসুমক ফংদব তাববদি খল্‌লুবদ থোইবিসে ঙসিদি মসাগি ফিবেপ অমা লৌবকলে। মতমগি খোংচৎত ফিবেপ্ অদু মবোল থোবকলে, মপাদ হৌদোকচৈ।

- বাবা, নচা ব্রাফম অমত --।

মপাগি ইংগিৎ ফংলবদ থোইবিদো, মখা অমুক তাবকই।

- নচা দিনগিদমক্ মিৎ অমদি পিবগে লেপলে।

থব্রাইনি খন্‌ন থমলিব মচানুপিন লৌবকলিব ফিবেপ অসিদ মপাদো পাওখুম পিবমদন ব্রাখলগি ইঁবৈদ তাওদুন মফমদু থাদোকতুন চৎখ্রে। মপাগি মতৌদু চিংন যেংন থোইবি লৈহৌবে।

নুমিদাংগি চাক ইসিং মতুংদ থোইবিগি তুমফম কাদ মপা চংলকই। অদুগ অসুমন হাইবে,

- ইপান হিংলিঙৈদ ইচান কবিগি অবা পোৎলুম পুগদগে।

থোইবি কবিসু খুম্‌দন লৈখি। মপান মখা তাবকই,

ইপাগি মিৎ অমা ইচা দিনগিদমক পিবগে।

ব্রাহৈসিদ থোইবি পুকনিং নুংসিবকই, মিৎলুদ পিবাং সিনথবকলে কবিসু খুমজব ঙমদন লৈখ্রে।

- ইবেমা কবিগি থমোই সোন্‌থবিবনো,

- বাবা ---।

খোনজেল থোক্‌ন কপ্‌লকলে। মচানুপিবু নুংসিন মথানুংদ চেৎন কোন্‌সিন্‌বি। অদুগ হাইবকই,

- ইপাগি ইবেমা, নংননে ইপাবু নিংব কাইহনগনুকো ।

- বাবা --।

মপা-মচান ঙসাইদগি সান্‌নবিব ব্রাবিসিংদু দিনসু তাহৌবে। অদুবু মপা মচাসু খংখিদে। থোইবিবু নিংথিন পোথানব সিনবিবমলগ মপাসু মাগি তুমফম কাদ চৎখ্রে। থোইবিদি অঙকপ মতৌনি হবাওব-অব্রাব

অনিমক নৎতব তরং অমদ অদুমক্ তাওদুন লৈহৌরে।

পুন্সিগি অৱা-নুংঙাইদ মতম খরা হৌখ্রে। দিনসু মিৎ নাম্মা উরবনিন পুন্সি খোংচৎত খবগি মখৈদি সাফরে। মতুংসিদদি দিনসু পুন্সিগি তাংদাংব ফিভম্ অমা সেমলগে খল্লক্লে। য়ুমকৈ পানসিলুনব হাইদুন মসাগি ময়ুমদ মতম খর লেবুনব থোইগি মপাদ ৱা হৌদোকলে। ৱাফমসিদ থোইবিগি মপান থমোইনুংদ হরাওজখিবসিদি কবিবু হাইবুনি। মসি মপা ওইবসিংন মচাসিংগি পুন্সিদ নুংঙাই য়াইফহৌনবনি। দিন থোইবিন করি খল্নি মপান কবি পাম্লি হাইবসি লোইন খংঙি। সোমদন থোইবিদি ৱাফমসিদ কয়াগি মতিক ৱাজবিব, কবি অমুক হাইবুনি অহিং নুংথিল অনিমক্ লৈতফম্ খংদন ইথক-ইপোম্দ ইরক্নরকলে। হয়েং নোংঙানবগ দিন ময়ুমদ অমুক হল্লগনি। ৱা অসি লৈবন থোইবিদি ঙসি অহিংসি নোংঙালহননিংদবন মসা পুমব খোইরাং খোইসাওনহললে। অহিং মমৈ ওইবকলবদ ৱাখলন নুপিওইবিগি ইকাই-ইকি ৱাংমা লান্খ্রে। দিনগি তুমফম্ কাদ চংলকতুন থমোইগি ৱাফম কয়া ফোংদোকলবে।

- দিন, নহাক্ চম্ন হনবিখিগনু, ঐন করি পামলিব,
  অমুকত খনথবিরগ ফিবেপ অমদি লৌবিখো।
- নহাককি অর্থন য়োমলব ৱাহৈসিংসে খংলে,
  মসি ওইদুনসু মিতোপ্ অমদি নৎত্রবনি ঐসে।
- অদুবু নহাক সাগৈসিগি ইদি-নৎতে।
  নহাকন ঐগি অপাম্-নুংসিগি হৌরকফমনি।
  নুংসিব, লাংতকনব হিরমসিন নফমদ লৈরিব,
  ঐগি লিচিং কয়াসিন মরম ওইরগ ঐবু থাদোকতুন চৎপিখিগনু।
- ঐগি হকচাংদ পাবুং ইবুংঙোগি হকচাং কযাৎ যাওখ্রবনি।
  ঙসিদি নৌপ্পা ওইববনি ঐসে।

নিংবন কাইরকলবদ অফ-ফৎত ঙমন ভরম্ চৎখ্রে। অদুন থোইবিগি মচিন্মকন সাপ্ তৌবকলে।

- নুংসিববু মিরাইব,
  ঐমকতন থমোইসেংন নহাকপু লাৎচরুব ওইরবদি,
  নহাক পুন্সিসিদ মাইপাক্প ওইরগনু।
- করি মতৌনোনে ইচে ইবেমা, নহাকপু নুপি নৎতবর?
  নহাকনবু পাম্লবদি পুমনমক্ য়ারবনি--।
- খংদে ঐ --।

ওখোংন কপ্লকলে। তৌথোকলুব সাপতুগি নিংঙমদব ফাওরকলে। অদুবু নুংসিজরুব পাম্জরুবন মাইথিরবদ উপাইদি লৈত চৈনা খাংজখি। থোইবিগি মনিংমক থুংহনজব ঙমদ্রবসু দিনগি থমোইদ মৈচাক ফাওখিদবদি নৎতে।

কৈথেল্

'মোই-মপা নহাক্ নুংসি খংদেদকো, লৈতবন হেন্জিলকতুন লাক্খিবনি ননাক্ত। খোংচৎ অদুদ থোকখিবনি লাইবক থিরব থৌদোকতু মসিদ ঐবু নহাকন পুন্সিগি ওইন ইনথোকলি। হৌখ্রব থৌদোকতু নিংসিংলকই। মপুরোইব থিমাপুবদ ফুরিৎ তুদুন লৈবনি। সেল থামন্লকতবদগি চান্দনি মফমদুদ চৎলি। লমবিদ গারি চৎলিঙৈ কাংলুপকি ইরাং থোবকতুন কারফিয়ু থমল্কখি। নমিৎ অসিম কোহিমাদ পন্ব তাখি। চানদনিদি গারি ভারাত পুদুন লাক্পনি। গারিদুদ মদোম্ তরক্ তাহৌরে। মতমন অসুম চৎখিবন অহিংগি মতম ওইরকলে। মদুগি খুদোংচাব লোদুন ড্রাইভরদু চান্দনিগি নাক্ত চংসিল্লক্ই।

- নচলনি খন্বিয়ু ঐবু, ইচা লৈরবনি,
  ইপুরোইবগি মরন্নি ঐদি।

চান্দনিগি ব্রাহৈদু নুপাদুন থওইদে মাগি অপামব অদুন মিনুংসি খংলকত্রে। য়ামন পুকনিং চংন,

- নৎতে চংখোল্লবি, ইখৌলাংবসি নংন কোকহল্লু।
- ইমা --।

ঙসিসু তক্সি সোললি চান্দনি। হৌখ্রব ৱারিদুন সিন্থহললিব মিৎলুগি পিরাংলকতুদ। তোললিদকো নুংপিওইবি। তমব ঙমদব পুন্সি মপোক্নি চহি ওল্লকপদ থৌদোকতুগি খুদোলওই অঙাং নুপা অমা পোকলে। মসিন মরম ওইদুন মপুরোইবগ চান্দনিগ কাইনখি।

চান্দনি ঙসাইদগি পোৎয়োললিবনি হাইব ৱাখলদ চংসিল্লকই। হেন্ন পুকনিং চিংসিনখি। মওন-মওন খললি, পুন্সি খোংচৎসি কৈথেল্ কারকলিবনিকো। কনাগুমবন কাওথোকলি অসি-অচংগি লমবিসিদ। তানজাসিদ পাখং শ্চা অমা কবিনো হংলৈ। ৱাখলদু কাইখ্রে। মনম নুংসিব মরোই মপাং খর লৈরবনি। পোৎসু পিখ্রে। সেল্সু হন্খ্রে অদুগ হাইরকই।

- মনম্ নুংসিব হাইবসিসু চংদব য়াদ্রিযে।

নোকল্দুন পাখংদু হনখ্রে। অসোম থংব কৈথেল মচিবোমদ লাংনবগি খোনজেল অমা তারকই। ঙাইহাক লৈরগদি নিংফুং-নিংফুং ঙাংনরকই, জালিনোৎ ফানবগিনি হাইদুন। ময়াক্তুদ নুপা অমা ৱা ঙাংল-ঙাংলদুন লাক্ই।

- লৈবাকসি নৎতব থৌদোক-ৱাথৌকন পিক্ থললে।

চানদনি নুপাদুবু য়েল্গ করি-করিনো মুরুম-মুরম সোললি। অহাওব হাওতব মহাওদ ঙাওনরি, অদুবু গ্রভদদি চপ্ মান্নরিব। নুংঙাইব মসক লৈপ্প ঙমদন ঙাওরি মাবু গিবদ। ঙসিদি চানদনি পুন্সি খোংচৎসি সাংলকলবনি। অমুক খল্লকই নুংগি ওইব ভাপত চৎখিদুন,

- মি হাইবসিবু করিনো?
- মসি জিব মখল অমনি, অতৈ জিবদগি লাক্কদৌব থৌদোক কয়াবুসু গ্যান্ন চিংসিনদুন উব খরদি ঙম্মি।
- তিন-কাং অমদি মি করমন ওইরকলিব?
  অদুগ মিগ মিগগি মরক্ত করিগি খেনরিবনো?

কনান মি, কনান, তিন্ অমদি অমন মপু অমন মনাই
ওইন পোক্‌লকলিব মসি পুম্ব মান-মান মমাংগি মপোক্ত তৌজব্ব কর্‌মগি ফল্‌নি। অদুন ঙসি তাইবং কৈসুম্‌সংসিদ দন্‌দি ওইন তাইবং মপুন থারকলিব।
মিওইবন করিগি অৱা-নুংঙাই অনিমক্ ফংলরিবনো?
মসি ময়া কৌব লৈচিলগি ফিজংন কুপ্‌সিনখিবননি।
নোংমংব অয়ুক-নুংথিলদ নুমিৎকি মঙাল উব ফংদবগুমবনি।
ময়া হাইবসিন করিনো অমুক ?
ময়া হাইবদি, দিহেগি ইখৌলাংব লিচিং অদুবুনি,
মসিন জিব খুদিংগি অৱা-নুংঙাইগি হৌরকফমনি।
মসিদগি ঐখোই করমন নান্‌থোকপ ঙম্‌গনি?
করিগুমব হিরম খব ঙাকন চৎপ ঙমলবদি, হাইবদি কাম্ম,
ক্রোধ, লোভ মখোই অসিনি।
মসিগি নুংঙাইব অসিবু অত্মা অরাম্ কৌরি।
ঐগি মি সিন কাইনবদ করিগি ৱাবিবনো?
মসিস্ দিহেগি ইখৌলাংব মাগি মনুংচললি।
অদুবু মযেক সেংন হাইগে,
ঐগি অৱৎপ মেনখৎপিনব লৈররোই হাইদুন,
পুন্‌সি লমবিদ অকিব পোকতুন মৈসা লাংলিবনি।
মি অমসুং জিবন করিগি সিরিনো?
ইসিংন থললমব পাত্র অসুম সিজিন্‌নখিবদ লোইখিবগুম্ হকচাং কৌব ফুরিৎন মসা লোইবকলবদ অনৌব অমা সিনখিব,
নৎত্রগ থৱাইন ইস্বোর চবন্দ তিনখিব হাইবদি কোরৌগ থাজাগ সিন্‌নরমদাই অদুবু সিব কৌৱি।
থৱাই হাইবসিন কমদৌবনো হাইবদু তাকপিয়ু।
ঐ হাইবসি থৱাইনি, ঐগি খোং খুৎনি মাইনি --,
কনানসু ঐ পুথোকপ ঙমলোই। পুথোকপ ঙমদে হাইদুন লৈতে

হাইবদি য়ারোই।
ইসাদ য়াওজরিব ঐ ফাওব খংজদ্রিব ঐখোইন ইস্বোর লৈতে হাইরগদি সমুদ্রদ থোইদিং হৈথদুন অমুক খুনবগুমবনি।
- ফরে অমগসু হংগে, তাইবং কৈথেল কারকপদ,
সেনদোং তানগে খল্লুব সেলেপ্ মাংদুন হললেদো,
মসি করি হাইরিবনো?
- হাইরগে মসিমসু তারোকো নহাক্ মিওইন পোকপদ ময়ুম মকৈ পানদুন মচা-মসু থম্লমদ্রব মহাক অদো তাইবং লৈথেল্ কাবকপদ সেলেপ্ মাংব কৌৱি।
- তাইবং কৈথেল্ অমদি কাবকপ হাইরিবসিবু কবিনো?
- অসি অচংগি চক্র অসিদ অহিংব জিবসিংন,
খোংদানরিব সরুক তংখাই অসিবু তাইবং কৈথেল্ কৌৱি।
কৈথেল্ কারকপ মসিন জিব ওইন মালেমদ পোক্লকলিব মপোক্ অসিবু খংনৈ।
ময়াম্ লাংনরকপ খোনজেল অমদ তাইবং ব্রাংম তবংদগি, চানদনি তাইবং গ্যানদ অমুক্ হানথরকই। মতোম্‌ত সোনজৈ,
- ইস্ ঐদি ব্রাখল্ অমদ তাওবুরেদন।
অমুক হৌগৎতুন লাংনবিবদু করিনো য়েংঙি। নুপি অনি সম্ ফোইনব ওইরমলে। নুপি সম্ ফোইনব অসিসু অঙকপ অমনি, ইসিং হৈজিনদ্রিফাওব তোকনরোইদৌরিবনি। কবিগিনো হংনরুবদ, নুপি অনিদুন খুমনরকই,
- মান ঐগি পোৎফমসি মুললিবনি।
- নৎতে মফমসি ঐগিনি মচিন্ থিব।
পাওখুম তারিব মিয়াম পুমঙক্ ঙকলে। কনান চুমমিব হাইবদুসু খংনদ্রে। অচুমবদুদি মসা মসাতন খংনরিগনি। হিংব ঙমনব হোৎনবদ মসান মসাবু মসক খংজদ্রে। অমুকসু নুপি অনিদুন,
- ময়াম্ অমুকতং খনথবিয়ু,

মফমসি মমৌন মনেমগি খুদুং ইনজবনি,
মসি মিওইবগি হৌনসানি।
- অমুকসু খনথবিখো, ইমাগি মফমনি,
অপোকপি মচান ওইহৌব মসিবু চৎনবি নৎত্রবব?

অমুক চেনসিন্নদুন খৎনবকই, হনতকতি মিয়াম হোৎচিনদুন খামদোকই, অঙকপ মতৌনি। মমৈথংদদি যান্দ্রবদ ৱাযেন বিচাবগি মখুৎত সিন্নখ্রে। ময়ামসু ঙক্ন অদুম লৈহৌরে। চানদনিগি মফমদদি ৱাখলগি ইথক-ইপোম নাইহৌখি।

তাইবং মিওইব কনানসু অসিব কৌব মতমসিবু নিংসিংলুদে হিংবৈ হোৎনবিঙৈদ, তাইবং মযাগি ইপোমদ তাওরিঙৈদ। অদুবু পুন্সি নুমিৎন তারকলবদদি মিকুপসিদ নিংসিংলকলে, করি তৌব মিওইন পোকলরিবনো হাইব, মতম লৈসিল্লকত্রবদ নিংঙমদ তক্সি সোন্জখি। কনানসু মতেং পাংবিরদ্রবদ খংলকলে পুন্সিসে নাইতোম্ চৎপ খোংচৎ অমনি হাইব। কৈথেলসিদ কান্নব য়েংন সিন্পাংলুব মদুগি মহৈন পৈসিল্লুব পোৎযোমসিংদো ঐগি ওইবমদে, সিবদ কবিসু পুব যাবমদ্রে।
- লন্ থুম্ পুমব ঐখোইন সংলমব ওইরমলে।
পুমনমক্ মপু মহাককি ওইবমলে।
ও -- ইকাইখ্রেদ, মিগসু অরেমবদ সাওনখি।
পুন্সি নুমিৎন নোংচুপ্ চিংয়া হাইথবক্লব,
মতমসিদ নিংঙম্লকখিদ্রেদ থবক কযাম লৈহৌবগনি।
মতমগি খোংচৎত হুমাং-উফুল চুবব হকচাং কৌব ফিসে,
সুদোকনিং - সুদোকনিংন ঙমদ্রেদকো --।

অঙানব হাইবদু লোইখ্রে, চান্দনিগি লমবিদ, মাগিত ওইব খোংচৎ অমদ মোমোল নোক্ন মিয়ামবু বিদাই পিরমদুন চৎখ্রে। মমাগ সিন কাইনরবদ মচা নুপা-নুপি অনিমক্ তৌফম্ খংদন কপ্-লাওবকলে, তেংথা নাও-ওইনন মমাবু পুন্সিগি বিদাই পিরকলে। চানদনিসু মিয়েংগি ৱাংমদ মাগি মরি মতাসিংবু বিদাই পিরমখি।

- নখোই কপলগনু, ঐগদি করি থোকনরিবগে।

অৱাব থাদোকলো, পোথানরো কপ্‌লগনু।

তাইবংদদি থৱাই য়াওদ্রব, সিরব হকচাংদুবু মরি মতাসিংন ধরমগি মিংদ মথৌ মঙম্‌ পাংথোকলি। মালংদ তিনখ্রব থৱাইদুন করি পামলি খললি হাইবদু কনানসু খংনদে। 🗎

সক্‌মান্‌নবি

অৱাব ৱাখলন পোথাব ফংদ্রব বিমল্‌গি মপোকনি। ঙাইহাক্‌ পোথাব ওইন ললিৎকা কৈথেল তাখিব সমুদ্র মপানগি লমবিদুদ হৱা চাব নুমিদাংৱাইরম মখোই অনি থোকমিন্‌নরকই। ৱারি সান-সান লাকপদ ঙাইহাক তুমিন লৈনখি। ললিৎ সমুদ্রগি ঙক্‌ন ফজরব ইথক-ইপোমদুবু য়েংলুরি। অঙকপ মতৌনি মিযেংদু নাথৈহনখি।

- হে লম্‌কেৎপ, খুৎসি থাদোকউ, করিগি চিংলিবনো?

নুপিগি অয়াকপ খোনজেল্‌দুদ ললিৎ পাখৎন য়েংঙি, বিমলদি কৈথেল কুমলকপি মৌ নহা অমা চিংদুন লৈরমমে, ফাদোকপ হোৎনরিঙৈদ নুপিদুন বিমলগি খজাইদ খুবাক্‌ন থাজিলখি।

- অয়ো --।

বিমল গ্যান লাকপগুম্‌ তৌখি, নুপিদুন সাওন ঙাংলকই,

- নুপিবু হন্‌থন য়েংব, ঐখোইসু মিনিনে।

নং ঐন করি তৌব ঙমমি হাইবদু য়েংউ।

নুপিদুদ ললিৎন ৱারৌবিদনব ৱারি খর লিখি। তাল্‌লকতুদ বিমল মখুৎ জুর তৌদুন মহাকপু ঙাকপিনব নুপিদুদ চংজখি।

- নহাকন ঐবু ঙাকপিয়ু, ঐ য়ামন লানখ্রে,

নহাকপু লৈখিদ্রব ঐগি হেলেনা ওইরবোই নিংলুরে।

করিসু হাইরমদন নুপিদু তুমিন চৎখ্রে। মখোই অনিসু য়াম্ নুংঙাইতন য়ুমদ হল্লকলে।

ক্রিস্নালি তুমথব য়াদ্রে। ঙসাই সন্ধ্যা মমাংদ থোকখিব থৌদোকতুন মওন্-মওন্ খল্লকই, সকখংদব নুপাদুন খুৎ পাইদুন চিংখিবদো,

- নং ঐবু থাদোকতুন কদাইদ চৎলুরিবনো?

নহাকপু ঙাইবদ মতম কয়া হৌখ্রবনি। লাকও চৎলসি য়ুমদ। নুংসিবসি কয়াদ ময়াই কল্লিব। নুপাদুগি মরালদি করিনো, ক্রিস্নালিদি মৌনি। নুপাদুগি খজাইদ খুবাক্ন থাখি, অদুসু চুমদবব। অমকপ লৈত্রব থমোই অনিগি নুংসি মরিদুবু ক্রিস্নালিগি থমোইন কল্লকচখি। মসিগি য়ুম্বাল্ মবিদি চেৎত্রবনি। মাগি নুপা অতোপ্প নুপিদ মিযেং থংখ্রবনি। ব্রাখলসিং অসিগি ইবৈদ অহিংসিম তুম্দন অদুমক লোইসিন্খ্রে।

লমবিদ যাম্ন থাজদন ক্রিস্নালি ললিৎকা থেংনবে। ব্রারি খর সাননিংদুনা ললিৎকি মনাকত চংসিললি। ললিৎ মহাকপু উবদ নিংসিংঙি। তবাম-তবাম কৌনৈ। তানজাদু লৌদুন ক্রিস্নালিন,

তাদগ থেংনব য়াম্ন নুংঙাইবে।

থৌদোক্তুগি মতাংদ অমুকতং ব্রাবি সাননিংলক্প কুইববনি। মখোই অনি লমবিগি মতাইদ লৈব লৈকোল্দুদ ফমমিন্নদুন বিমলগি হৌখ্রব পুনসিগি ব্রাবিসিং অদু ললিৎন ক্রিস্নালিগি মফমদ লিরক্খি। বিমল্ নিংব কাইন সোল্লমমি।

- করিগি মুস্লিম্ নিংঙোল্ অমবু নুংসিবুবিব।

ফংলরে ঙসিন চৈনা, ওইবে মিয়ামগি ব্রারিনফম্।

বিমল হেল্লেনা উনব চৎলি। মিন উখিদনব য়ামন চেক্সিন্ন মখোই অনি উনজবনি, অদুবু লাইবক্ থিবুবন ঙসিদি মুস্লিম্ পাখং মখৈন খংল্লে। হিন্দু পাখংগ কোইনৈ হাইদুন পাখং মযামন বিমলদ খৎনব হৌব্রি মসিগি তানজা লৌদুন বিমলবু থিন ফুবিখি। মদুগি মহৈন বিমল্ ফমুংদ হৌগৎ-কাংখৎপ নুংঙাইতদুন লৈরিবনি। মাগি মরুপ্

প্রেম্ চংলকই। ফমুং মচিদ ফমদুন বিমলদ হাইরকই,

- মসি পুন্সিগি থৌদোক্নি, চেনব য়াদব।

  সোমদসু পাবুংখোইন ইজৎ তারে হাইদুন ব্রারৌরি।

- প্রেম, নুংসিব মসিবু মিনম্লুব য়াব্রনে।

হন্তকতি প্রেম্ তুমিন্ন অমুক লৈখ্রে। তৌবগিদি মহাক্ ব্রাখল তরেৎ তর খল্লিবনি। অমুক হাইরকই,

- ফরে, অপামবদো তৌরসি নতেং পাংলগে।

সোম্দন কমদৌরি হেলেনা মিযামগি মিঁচৈ চারে। মমোইদন নুংসিবগি ব্রাখলদ লমুকনরি। মবক থৎন থোকখিব থৌদোকতু নিংসিংলকই।

- অয়ো ইমা --।

- মহাকপু কনবিয়ু, মাদি লানদবনি।

- করি লমকেৎপি হিনদু পাখং অমগ --।

থৌদোকতু মিৎত সংসং উদুন লৈরে। ব্রাহৈসিং অদো নাপ্পদ ঙংদুন লৈরে। হেলেনা মিৎলুদ পিসাং সিন্থরকই, অদুগ সোল্লকই।

- মহাকপু কমদৌরমদগে --।

অমুক থৌদোকতুগি মতুংদ অপোকপ মপান চৈ-থাংখিব মযামদু নিংসিংলকই,

- হে অল্লা, করি মতৌনো সিদি, ঐমক্কি ইচানবু,

  ঙসিদি আলিখান মুস্সিম সমাজদ ইজৎ তারবকো -।

  ইপাগি ইবেমা, ইস্ ইকাইখ্রেদকো।

  দুনিয়া অসিদ কদাইদ চেনদুন লোৎলুগনি।

হেলেনা নিংসিংলুব থৌদোকতুদগি অমুক হন্থরক্ই।

- বাবাগিদমক্ ঐবু মতিক্ চাবিব্রনে।

অঙাং অমা চংলকই, ইঙক্-ঙক্ন অঙাংদু লাক্পগি মরম্ হংঙি, মা পাও অমা পিরবনি। অঙাংদু হন্খ্রে। হেলেনা করি-করিনো পোৎচৈ খর লোইসিললি। অদুগ অদুম্ক থুন থোরকলে। হেলেনাদ মপান কদাই চৎলিবনো হংলক্ই।

- বাবা, নচা অস্বাই ফাওবদং চৎথোকলুগে।

মচানুপিন থোংগাললোমদ থোকখিবদু য়েংহৌরি। অঙাংদুন হাইরমব মফমদুদ বিমল্গ মখোই অনি থেংনখি। কুইন-উনরুদ্রবগি মতুংসিদ ঙসি অমুক্ উনব অসিদ মখোই অনি ইকাই-ইকি ব্রাংমা লানখ্রে, মিৎলুদ পিরাং ইহৌন চেন্সিনদুন চেজেৎ কোনসিননৈ। মরকথৎনা,

- হেলেনা, চৎলসি।

- দাদা, ঐবু পুন্সিগি থাদোকপিগনুকো।

মখা তান চৎকদৌরিব মফমদু কদাইদনো হংঙি, পাওখুম ওইন,

- তামিল্নাদুদ ললিৎ কৌব ঐগি মবুপ্ অমা লৈ।

মখোইগি হোস্তেল কোলোনি কযা লৈ, মদুদ চৎকদবনি। অহিংদুম ভবাগি কা অমদ পল্লগ অয়ুক অঙনবদ মখোই অনি তামিল্নাদুগিদমক্ খোংসানখি। ঙসাইদগি লিবকলিব ব্রাবিদু অমুক লেপ্লগ ললিৎন ক্রিস্নালিদ ওন্সিনদুন হাইবকই,

অসুমন মখোই ঐখোইগিদ লৈবকখি।

মতমদু মখোই কোর্ৎত মোবিয়েজ তৌখ্রে।

পাওসি খংলবদ বিমল্গি মমা-মপা লাক্তুন সেলনচিংব কয়া পিবম্খি।

অমবোমদ হেলেনাগি অহন্-লমন্দি লাক্খিদে।

অসুমন ব্রাবিদু সমজিনদুন মখা অমুক লিবকই, থবক চৎকনি হাইদুন বিমল মাগি নুপিন চান-থকনব লাংলিবদু য়াওসিললি। মবক্ থৎন হেলেনান,

- ঙবাং অহিং মং নুংঙাইবমদে।

ইচাও মাইয়োকনরমমি, অদুন থবক চৎপদ চেকসিন্বিযু।

- মংগি ব্রাবু ব্রা ওইন তৌরদন।

ললিৎ অমদি বিমল্ মখোই অনি লনাই কম্পনিগি মকোকতু উন্নরুরগ ললিৎকি য়ুমদ হল্লকতুন ঙাইহাক্ দ্রোইব্রিং বুমদ পোথামিনৈ। কোফি গ্লাস্ অমমম্তং থকমিনদুন ব্রারি ব্রাতাই তৌব্রি। তানজাসিদ ফোন্

লাকই ললিৎ ফোন্ পাইখৎলি,

- করি সমুদ্রগি অকনব ইথক অমন --।

পাওদুদ বিমল্সু খৌরাংন তারি।

- পুং মাপল মখাই অদুৱাইদ। করি !

ঐখোই হোতেল ললিতাসু থুমজিনবদুদ য়াওখ্রব,

ও-মাংলেদন পুমন্মক --।

- করি ললিৎ, ঐগি হেলেনাদি আ --।

সোফাদগি ৱানথদুন বিমল্ লৈমাইদ তুথখ্রে। লাইকন্নরব মতুংদ ভাপ্ তারকই। অমুক হৌগৎতুন চৎকে তৌৱি। ললিৎন থেমদুন চৎতনব, ভাপ্ তানব হোৎনরি।

- নৎতে ঐবু ফাগনুনে, ঐগি হেলেনা কমদৌরমগনি?

- মৱুপ মফমদুদ মিচম্ কনাসু চংলুব য়ারোই।

সিফাইসিংন অসোক অপন্সিংবু মতেং পাংলিবনি।

অসুমন বিমলবু ভাপ্ তানব হোৎনবদ অচৌব থবক অমা ওইখি।

সুনামি থোকখ্রব মতুংদ অসিব হকচাং কয়া ফংবগি পাও তাখি। নুমিৎ খরনিগি মতুংদ অসিবসিং মরকত হেলেনাসু য়াওরে হাইরকপদগি ললিৎ অমদি বিমল মফমদুদ চৎখি। মফমদু য়ৌবদ থৱাই য়াওদ্রব হেলেনাগি ফিবম্ সোকলব হকচাংদু উজব ফংখি।

- হেলেনা করিনো তৌরিব মতৌসিবো,

ঐ নহাক য়াওদন হিংব ঙমলোইনে হেলেনা --।

কপ্তুন মনম্ চেল্লব হেলেনাগী হকচাং কোনদুন মৈচাক খাংজখি। মতাংস্রাইদ ঙসাইদগি লিরকখিব ৱারিদু লোইসিললি। ৱারিসি তারব মতুংদ ক্রিস্নালিন,

- ও, কয়াদ নোংদম্ থিরিবনো, সোনামি নহাক্ য়ামন নুংসি খংদে। থৌদোকসি থোখ্রব মতুংদ বিমলগি মমা মপা লাকতুনা ময়ুমদ অমুক-হন্নব কয়ারক হাইরখি। অদুবু বিমলনদি মমা-মপাগি অনিংবদি থুংহনখিদ্রে। অতোপ্প নুমিৎ অমদ হেলেনাগি অহন-লমন্সিংসু

লাকখি। মতুংসিদদি ঐ বিমলগ পুন্‌ন লৈমিনরকখি।

- দাদা ঙসিদি ঐ য়ামন নিংঙম্‌লকত্রে।

- ফরে, পুমনমক্ হৌখ্রেসনু ।

অমুকসু ললিৎন ক্রিস্‌নালিগ হেলেনাগ সক য়াম্‌ন মান্‌নবদু পললি। অমদি মহাক্‌কা থোকখিব নুংঙাইতব থৌদোকতুসু সকফমদুদ থোকখিবনি হাইন সেংদোকনখি। মখোই অনি বিমলগি নাকত লাক্‌লে মতমদু বিমলদি য়ামন থৱাই নুংঙাইতন লৈকোলদ ফমদুন লৈরমমি। মখোই অনি বিমলগি মনাকত চংসিলকই। ক্রিস্‌নালি বিমলবু নুংসিন কৌজে। অমদি মখাতন,

দাদা, ঐ দাদা য়াম্‌ন লান্‌খ্রে।

ক্রিন্‌নালিবু চিংন য়েংদুন বিমল,

- করিগি ইচলন লান্‌লুগদগে, লান্‌লিবদি নবুংনিনে।

হেলেনা কাইনখিবৈ মৈচাকন ঙাওখিদুন নহাক

উবুংং মিকুপ্‌তুদ থোকহননিংদ্রব থৌদোকতু থোকখিবনি।

দাদা,

ক্রিস্‌নালি কপ্‌লকলে, বিমল্‌সু মাগি কাইনখ্রবি হেলেনবু কৌদুন কপ্‌লকলে,

- হেলেনা নহাক মতৌসিবু য়েংবু ঙমলিব্রা ?

নহাক য়াওদ্রব ঐগি পুন্‌সিসে --।

ঐবু ননাকত লৌরোলাকওনে, নুংসিরবি হেলেনা --।

নিংঙমদন কপলিব বিমলবু য়েংদুন ক্রিস্‌না অমদি ললিৎ মিৎলুদ পিবাং সিনথজে। ঙাইহাককি মতুংদ,

- হে -- লে -- না -- ।

বিমল লৈমাইদ তুথখ্রে, ক্রিস্‌নালিন চেন্‌সিন্‌দুন কোনখৎচৈ,

- দাদা -, করি মতৌনো মাংলেদন,

ফন কৌজখি খুমলকখিদ্রে। মখোই অনি চংদুন লাইকন্‌নজৈ অদুবু পুম্‌নমক অরেমবদ তারে। পুন্‌সিগি অরোইব হাইবদু ওইখ্রমানে।

অমুক্ হন্ন নুংসিরব মিৎযেংদুন মরুপ মপিজা লৈহৌরি হাইদুন য়েংলকখিদ্রে।

- দাদা, অসুম্ন অসুমমক্ লোইসিল্লদর ?
- বিমল --, নহাক ঐখোইবু থাদোকতুন চৎলব্রনে। ▤

খোংফম

বিনদিয়া তৌফম খংদে, মসা পুমব ব্রাখলগি ইরৈসিন খমথেংন লাকসিল্লকই। সকফম ওল্লে য়েংব নুংঙাইত্রে। অদুবু সবান্ মুরতি চুমন ফজরকপি ওইরুবন ঙসিসু ফজবগি মমি তারি। চহি কুনথ্রা মঙা হেললে। লৈকাই মচে-মনেমসিংন মাগি মরমদ ব্রারিনবকলে। বিন্দিযা খুংগং লমসিদ অদুম ইনাক খুনব ইমুংগি মচানুপিনি। অদুবু ঙসিদি চহি লৈসিললকলে, য়ুমবান থিন্থরে। য়ুম্ পানব হাইবসি সক ফজব ইনাক-খুনব ঙাকতনসু যাদব লাকই মতাংসিবাইদনি ইস্বোর নিংসিংলকলিবসি। ঙসিদি বিনদিয়া হৌখ্রব থৌদোক অমগি মতাংদ মতোম্ ব্রাখল খন্থবকই।

- ঙসিন ঐহাক ব্রাখলগি ইবৈদ লমুকনবি।

  হে থমোই নহাক ননিংতম্মনখি, য়ৌবন্ অযুকতো।

  নিংঙমলকখিদ্রেদ, ঙসিদি মৈরি থোকন চাকলকলে থমোইসে।

  হে নুপাওইব নখোইসে মিনুংসি খংমনদে।

  নুপিওইবিগি অচেংবতবু সেন্নদুনত লৈ।

বাখলসিগ ইবোইনন হৌখ্রব থৌদোক্ অমবু নিংসিংলকলে। পুন্সি বসন্ত অয়ুক্নি। ইনথমথা চংলকলে। অখন্নব ইসৈ নোংমাইগি থৌরম অমা কদম্ কপপ্লেস্ত তৌৱি। রাজেনসু মপাগি মারুতি অহনবদু

থৌদুন মমান্নব অমগ ইঁসৈদু য়েংলৈ। অসিগুমব থৌবমসি বাজেন মমাংদ কয়ারক য়াওখ্রে। অদুন মফমসি বাজেনগি অনৌব অমা নৎতে। কমপ্লেকস্ সংলিব নুপাদু অসিগুমব থৌরম খুদিংদ য়ু য়োললি। বাজেনখোইসু খব পাইসিল্লুবে, চানবসু ফবে ঙা অঙৌবনি অদুবু মিয়ামন খংদব অমন ঙা অতাওবদু কমপ্লেকস নলাদগি ফাবনি, নলাসি মোৎপদি কবি হংঙুরনি। মখোই অনি ক্বা অমম্ উমলদুন তিকেৎ কক্লগ হোল্দ চংলকলে। হোলগি মনিংদ মিয়াম ফমনরিবসি গেলবি সিৎনি, মমাংদন চৌক্রি, সোফানচিংবসিং থারিবনি। গেলবিসিৎতদি নুপা-নুপি সাইৎ খাইদে। মখোই অনি গেলরিলোমদ খব নুংঙাইগদব মফম্ য়েংলকই। বাজেনখোই উবদ বিনদিযা অমদি মমান্নবিদু ৱারি তৌৱি। বাজেন্সি ইতৎ-তৎতন বিনদিযাখোইরোমদ কোইরকখ্রব পাখংনি। সবান মুরতি চুমন সাফব য়েংবদ নুংঙইব নুপিসিংন পামনব নুপা অমসুনি। বিনদিযাগি ইখৎ-খৎচব মতৌদুদ মমান্নবিদুন,

নংসিদি ইবেমা,

কৌসিল্সে, ঙসিদি খব সান্নসে।

খুৎ খৎতুন মমান্নবিদুন কৌসিললি। মতৌদু ফমনবিব মযামদু থওইবুদে মাগি-মাগি থোকপ লৈনখি। নুপিদ লাইরকতব বাজেননি, মখোই কৌরকপদুদ হরাওদুন পরবরপ্ চংসিল্লকই লাইবকন তিন্নরিবসু বিন্দিয়াগ ৱাজেনগ থংনন্ ফমমিনরে। বিনদিয়া অৱাইবি নৎতে, ৱাবি হৌজিল্লি। ইঁসৈসু কন্ন সকলি।

- দাদা ইঁসৈ ময়েকসি ফজদ্র ?
- উম্ য়াই, নুংসিবদি থমোইদ লৈরে।

অপামবন মিৎমাংদ লেপলবে। ওনথোকন ফজখ্রে।

অপাম নুংসি হাইবসি থমোইনবু তিন্নবুরব হৌনবুব তৌদ্রে। মিৎচিগি তেনদ থমোইনুংদ থুমন হেকত পান্নখি। ৱাহৈগি অপেনবদ খোইদন নোকমিনখি। অমন-অমগি মফমদ অখাকপ থম্নরকতে। অসিবু

কৌমানে য়ৌবনগি ইথক্। থমোইনুংগি ওইব ব্রাফম্ কযা নাপ্‌প চিকন পাওদমনজৈ। তান্‌জা অসি যৌবক্‌লবদি ইসৈগি নুংঙাইব সুব তানথা নাথৈখ্রে। বাজেন্‌ন যামন মযাই কান,

- বিনদিয়া,
- দাদা,
- নহাকসে ফজবন লমযৌন নিংথিহললে।

বিনদিয়াগি মাইথোংদ চোইন তাবিব অমুব সমজাংসিংদ মখুৎমকন খোমজিনবিখি। বিনদিযাদো স্বোব সাংন হোন্‌দোকলগ,

- দাদা,

থোৎলবি লৈনম-লৈহিন পুক্‌নিং হুববি অমব্ পাখং খুৎন সোকলুবাদি করি হাইব্রুনি ইলেকট্রিকন চিংবগুম্ থোক্‌খ্রে। বিনদিযাসু মাদু ফাওখিদন নৎতে। অসুমন নহা অনিসে লোইনরকপন মমৈদগি দিহেগি ইখৌল..ব অমা য়াওরকলে। বিনদিয়াগি মোল্‌লব খুৎসা অনিবু চেজেং পাইসিল্‌লদুন বাজেন্‌ন,

- বিনদিয়া চিংনব ব্রাখল্ থমনবনুসি।
- দাদা --।

হোই-মাই হাইব পাওখুম্ অমত পিনখিদে। অপাম-নংসিগি মযাইন মসা পুমব লাকসিনখ্রে। নুমিদাংগি পুং বাবো তাখ্রে। থেংলদুন বিনদিযা থিনবিনব রাজেনদ হাইখি। মখোই অনিবু বাজেনখোইনা থিনবিবকই। অচিকপ অহিংগ ওইবনে, নুংসিনজবসিংদাদ মনিং থুংনজখি। অসুম লাকমিন্‌নবন লৈবক মপা যৌবকলে। মমাননবিদ্ মযুমদ চংহৌদে মমাননবদুসু লৈথদুন তপ্‌ন ইং্নবকই। তানজাসি লৌদুন বাজেনন বিনদিযাবু মথানুংদ চিংসিনজৈ, হৈনিংদন বিনদিযা,

- দাদা, অদুমন তৌবিগনু ।
- নঙোনদ ঐসে অঙাওব হাইবদু ওইহললে।

অসুমন লাকপন থোংগাল যৌবে। নুপা অমদু লেংহৌব্রি ব্রাজেন্‌দি অদুমক চংসিনখ্রে, ...না অমা ফংলে মতাগুম্ বিনদিযাব কোনদুন

মমাং সংগোইগি মবুমদ পুসিনখ্রে। হন্তকতি বিদিয়া কন্থি থোকন সাওবকলে। উপাই ওইন খুজিন্ন খোৎতুন মসাবু ঙাকথোক্চৈ। মতৌদুদ বাজেন্ন,

- হিংচবি অদুক তমথিব।
- কবি নংন তৌবিবসিন তমথিদব।

বাজেন সাওসিন্নবন কান্নবোই খংদুন থেমলকলে। লানখ্রে হাইদুন [illegible] চংজেকখি, [illegible] দব ঙমখিদ্রে। [illegible] তানজাসি লৌদুন বাজেন থমোইনুংদ হেন্ন থৌনা ফগৎলকই। হনতর্কতি অসিগুমব থবকসিদ কয়াবক মাইপাকলকলব বাজেনগি মফমদ বিনদিয়া যৌবনগি মতম [illegible] খুদি থিজিনখ্রে। লৈহি লৈনম [illegible] বাবি অদুগি মফম [illegible] লৈহি খুজোক [illegible] থকানে [illegible] খৌবাংব কোন [illegible] কচপি বিনদিয়া [illegible] মকুপ [illegible] মিৎলুদ পিবাং সিন [illegible] কখি। মতৌদুন বাজেন হৈনিংখিদে। [illegible] লৈমাহদ চোইন তবিবিদো [illegible] যেংলম [illegible] চেনখ্রে [illegible], [illegible] মতৌদুদ উপাইদি লৈত,

- হে নুপা ওইব তমথিদকে,

  কবিনো হৌজিক্ ঐন তৌ [illegible]।

চোইথোকচবব ফিজিদো স্রোব [illegible] খানদুন সেমজিন [illegible] অপোকপি মমাবু থৌদুন কপচাখ।

  ইমা ঙসিদি নচা লোইরেনে।

অসোমদ [illegible] বদুদ বাজেন্ন লৌ [illegible] তৈ [illegible]।

- ভাই চৎলো সংগোই মবুমদ লৈহৌববনি,

  কমদৌবি হাইবদু অমুকতং যেংহৌবু।

নহা ওইবনিন ব্রাখল ইখন্-খনথবুদে। মহাক খোংলৈথুন মফমদুদ চংখ্রে। থৌজাল লৈবব অমগুম নুপিদুগি মনাকত লেপ্লুবি। মিকুপতো বিনদিয়া পুকনিং খব চাওখোর্কহ অদুবু নুপাদুন খৌবাংব অমগ লেইনন [illegible] থবকনিব মখৎতু [illegible] দিয়া খোনজেল যাকন,

- কবি হিংচাব, নখোইবু কবম্ব মতু পানব সানো?

হাইযু নুপি অসিবু কবি ওইন উবগে?

নুপাদু পাওখুম পিব ঙমদন তবংদ লেপ্তুন লৈখ্রে। মখা তাবক্ই,

ঙমলোই খুমব, মি ওইদ্রবনি নখোই।

অপামবন নসাদু লাকসিনখ্রে।

চৎখ্রো চৎলু নসকতু যেংনিংদে।

নুপাদু মসান লানখ্রে হাইবদু খংজবকলে, ঙাক্পিনব হাইজবকই,

চুমমি বিনদিযা, ঐ গ্যান লাক্লে,

হাইযু, ঐ নংগিদমক কবি নতেং পাংঙুগে।

বিনদিযাগি মিৎলুদ সিংগাবির পিশাংবু নোংচুপ চিংযা পাংলকলগ থাজাগি মঙালদ উজখি। সেংলবদুগি মতৌদুদ নুপাদো খঙ্গোইদ মিনুংসি পোকলকই।

- হাইযুনে বিনদিযা, নংগি কবি নতেং পাংঙুগে,

- দাদা, নুপিসু মিনি হাইবসিমতদি কাওথোকপিগনু,

- ফবে, নহাক মফমসিদ লৈংদন লৈবমখো,

ঐ বাজেনবু থিদুন পূবককে।

মমান্নবদু থোকখ্রে। বাজেনবু কোইন থি ফংদ্রবদ কৌদ্না যেংঙি। অদুবু মহাকতি চৎখিবমলে। বাজেন্না তৌবমলিব মতৌদুদ মমান্নবসি ৱাবৌখ্রে।

- ও নংদি সা ওল্লব,

ঐবু উসিন্গি ঙাগুম মফমসিদ থনম্লব।

অমুক বিনদিযাগি নাকত লাকলে। বাজেন লৈবমদবগি পাওদু তমখি। মহাক তৌল্লবি অদুগিদমক্ কবিগুমব খব তৌনিংখি।

- হাইযুনে ইবেমা,

ঐ নংগিদমক পুনসি অসে কৎথোকপ ঙমগনিনে।

তৌবগিদি ঐগি অবানব লৈখি।

অদুবু হৌজিকতি নহাকন গ্যান তাহললেদন,

- দাদা ঐবুসু মিনুংসি খংদবি তাহনবিগনু,
  ফরে, দাদা হনবিখরো মতমসে য়ামন থেংজিনখ্রে।
- বিনদিযা নহাককি ফিবমসিদ ঐ করমন ---,
  ফবে, অদুবু নহাককি অপামবগি মাইযোকত ঐ লেপলোই।
- দাদা -- ।

মহাক হনখ্রে, বিনদিয়া নিংঙমদন লৈহৌরি। অসুমন তরংদ লৈবিঙৈদ মমান বিনদিয়াবু চাক চাথোকনব কৌবকই, মতমদুদ বিনদিয়া গ্যান লাকই।

- হে নুপাওইব নখোইসে তমথিদকো,
  ঙসিদি ঐগি মপোক অসে মমল্ লৈতন মাংলেদো।

লৈই অমা

মপুরোইব লৈখিদব নোংম-নোংম হৌখি। অসুম হৌখি খুদিং বমোলাগি থমোই মচেৎ তাব হেললক্ই। মসিনি ময়ামগ মাগ খেনরিব। মাগিন অসুম-অসুম কাওনখি। ঙসিদি মদোম সোনজৈ,

ঐ কবি তৌগনি?

তৌফম্ খংদে ব্রাখল ফুংবংনৈ। ঙসিদি মাগিনি হাইবদ কনাসু পামবোম তিংবিনব লৈত্রে। লোন্নবি মচেগি মচান মাবু কয়াম্ লুন তৌবিগনি। মচা-মব্রা লৈন-লৈন মুস্লিম্ নুপা অমদ অতোমবি ওইন লৈরকখিবনি। মতমদু মা চহি কুনথ্রাগি ময়ানি। মপুরোইব অজাৎ খান্ন মঙোনদগি চহি কুনলোম হনগনি। মা লাকপগ সাখিব ঙসিন ইচিক-চিক্লব কাদুদ ফমন-ফমন ফিলতবদগি ইসিং গ্লাস অমা লৌদুন থক্চিললি।

খৌরাংব নংবু ইসিংসিন কোকহনবিরে,

চোকথরব থমোই অসিবুদি হেন্ন মৈচাক হাপ্লি।

নিংঙমদন থমোইবু নিন্দা তৌরকই, মতোমত তক্সি সোন্জখি।

- হে পুকনিং নহাক মৈরিগুম ননিং তৌখি।
  দিহেগি য়াথং ইনখি, ঙসিন বিমোলা ঐসে
  ইকাই ফিবুক খুম্লেনে।

হৌখ্রব পুনসিগি থৌদোকসিংদু মথং-মথং অমমম্ত ওইন নিংসিংলকই। বিমোলা লৈত-লাইরবগি চৈথেংন তৌফম খংদ্রদুন মচেগি নাকত হাথু-হাথু চংলকই, মচেন করি তৌরবনো হাইনা হংঙি,

- করি খুমদৌনো খংদ্রে ঐ।

ইমুংদ চংমিন্নরকতুন করি কমদৌব হাইবদু তান্নমিনৈ। তান্জাদুদ মতৈ ইবুংঙোসু চংলকই, ব্রাফমদুদ মাসু য়াওররি।

- সেনথোক য়েংদন মরুপ য়াওব,
  খর কান্নগদ্র হাইববু ইমুং কাইব য়াওনরবনি।

মতৈদু অমুক হৌগৎতুন মপাল্লোমদ থোকখ্রে। বিমোলা মচেদ মতৈগি ব্রাদু য়ানিংদন ওনসিল্লি।

- ইচা ইসু হৌরি খর তৌদব য়ারিবরো।

মচেন মতৈগি ব্রা লৌদন বিমোলাবু পুকনিং থৌগৎপদুদ খংলে মচেসি নুপাবু খর থওইদবিনি হাইবসি। বিমোলা কৈথেলদ মনা-মসিং য়োনবদুন য়ুম পুব ওকত্রো মাগি নুপাসু থবক সুগনি খংদন য়ু ঙাওদুন লৈথোকলে। মান মথৌদ পুকনিং চংলকতবগি মরম লৈগনি। মবকসিদ মচেন ব্রা অমা হৌদোরকই,

- নং ব্রামনখ্রে, থোকঅ-থোকঅব লাকঅনি,
  মুস্লিম নুপা অমা লোইনরো, সরকারগি থবকসু তৌব্রি।

পাওখুম পিরকখিদে, ব্রাখল খনবগুম তৌরি, অমুকসু মচেন মখা তারকই,

- নৎত্রেবদি নং মিওইব ঙম্লরোই।

হনতকতি বিমোলা চাং য়েংনিংলকপগুম তৌরকখি। মাগি নুপাদি মি

পিকই, নুপিন পামব সক্ নৎতে। থৌনা য়াওদবগুমন লৌৱি।

- ফরে ইচে চামঙা পিয়ু ঐ থেংখ্রে।

উপুদগি লৌথোকতুন পি। বিমোলাবু থোংগাল্ ফাওব থিনদোকখি, বিদাই ৱাহৈন নুপাদু থবক তৌৱি হাইদুন্ হনজিন-হনজিন্ হাইখি।

বিমোলান মযুমদ হল্লকপদু ফন যামন থেংলব অয়ুকনি। মপুবোইব থবক চৎখ্রগ যু ঙাওদুন হল্লকলম্লে। মতৌদু বিমোলা য়ামন সওনিংঙি চংসিল্লগ,

এ ! নংবু থবক চৎখিবদাইনে।

খুমলকতে, মচিন্দ কবিনো পংঙাংদ ঙাংঙি, মরকতসু বিমোলাবু চিংনব ৱাহৈ অদুক য়াওসিল্লকই। ঙংবদু লেপ্লগ বিমোলাদ,

ঐদি চদ্রবসু য়াই, অঙাংসিংগি ৱানি।

- মখোইসু খব থেংনব তারেদন,

বিমোলা সাওনিংলবসু তোরেন কুমখ্রে। খাব মওন-মওন খলহৌৱি,

ঐবু মিফৎত তাহনব, নংদি অফব নুপিরনে।

থমোইনুংদ মখল-মখল কয়া খল্লকই, ফংলকপ সেল খরদু পংচা চাথোকপ, লোইসিন্ খোমজিনবদি হৈত্রগ সেল থোকতে, মৱা-মপুরোইববু মিওইন উদব, করিগি মাগি নুপান য়ুদ ঙাওরিব, থবক সুনিংলকত্রিব হাইবদি খংদব ঙাংলি সকলি, হনতকতি খোনজেল থোরকলে,

- খংদ্রেদ ঐদি অঙাওবত অসুমমক তাগদৌরিবর,

মচেন সিন্দিদুন বিমোলা মুস্লিম নুপাদুগ লোইনরকপ ফন কুইরক্লে। মসিতন মপুরোইব খাববু নোংম-নোংমগি অসুম থওইরকতব হেনগৎলকলে। সেলসু কোমন ফংলবনিন মসা খবসু নানজরে। হান্নগুম কৈথেলসু অদুম চৎলি। অদুবু হান্নগ মান্নদ্ব অমন ঙন্ন চৎখিব থেংন কুমলকপ অসিনি। য়ুম পান্নবব কনাগুমব-কনাগুমবিন অবোনব মরি লৈনব হাইবসি মসাগি কান্নব অমমম্ লৌনব ঙাক্তনি।

নুমিদাংৱাই অজাৎ বিমোলা মচেগি যুমগি থোংগালদগি ইসৈ ঙংলদুন সোবোকলোম্দ থোবকই। মান থোকখ্রবদ মচে, বিমোলগি মনাকত চংলকই, ইচাই চাইথোকলিব ফিসিংদু বিমোলা লোইসিনজে, অদুগ মচেদ ওন্সিললি।

- ইচে মসিবু --?
- কবিগি অদুমন হৈনব তমমু, পুনসিনি মসে।
- কযাম কুইন লোৎতুন থমব যাগদৌবিবনো?
- মতাং মতংগি থেংনব তাবনি, নংগি মযা যাওদ্রব নপুবোইবদুগিবু, তানজান যাদ্রবদি হুনদোকলমব তাবনি,
- কবিগুমবদ ইসাবু ইসান চিংনব পোকলক্ই।
- লাইথোকপ তমমু, হিংব ঙমনব।

থাজবৃদব মতৌনি, নুমিদাং মিকপ থোবকপদ খাবন ফমুংদ হিপ্ন হিপন খৌদেমলগ বিমোলা তাবসনু মতাগুম ৱা ঙংলকই,

- ঐদি পামদে লমচৎলুদবি অমধু সেন্নব।
  যু খকতনি ঐন সেংন ঙাওজবিব।

কসিু খুমলকতে, মদু তসেংন তাদবনবু ওইল্বিন খংদে সোমদ বিমোলাদি কবি কবিনো যামন মওন-মওন খন্খি

নোংমদি বিমোলাগি লুজদব লমচৎসিন অসুম্ লেপ্তবদগি মখোই অনি খৎনখি মচা অনিদু পুদুন বিমোলা মপামদ হন্খ্রে। তবানিমুক লৈবগ বিমোলাদু বা লোইসিন্নগনি হাইদুন অমুক লাক্হ। লৈকাইগি মিযামসু লোইনবকখি। প্রধানসু কৌবুদুন যাওবদে মদুব্ মযাম চংদুন পুন্সিননব হোৎনবদ ঙমদ্রে। বিমোলাদি খাইনবদ চপ্ লেপখ্রে। মতৌদ্দ খাবন,

- বিমোলা, ঐ নংবু খাইনব ঙমলোইনে,
  ঙাইতাক শৎন-চৈনব হাইসিদি অদুম যাওবনি।
  অদুধু হাকন ঙমলবোই হাইবগদি ঐনা কবি হাইনি।

তিল্লব মিযাম খাবগ চমলব মতৌদ্দ লোন্ন থমোইনুংদ অৱাবদু

সরুক য়াখি। য়ান্মনদ্রবদ প্রধানন খাইন চে ইখি।

অতোমবি ওইন মুস্লিম অহনদুদ বিমোলা চেনখ্রে। পাওসিদ অতাবসিংগি থমোইদ অফ-ফৎত নৈনহনখি। সোমদসু নুপি অহন অমদি মচাসিং ঙমন থমোই কাইখি। বিমোলাসু খললু-খললুরগ নিংঙমদ কপচখি, মতৌদুদ অজাৎন,

- কপ্লগনু, মসিবু ঐখোইন তমলুব ঙমব্রা?

পাওখুম পিরকতে। থমোইনুংদ করিনোম খন্দুন লৈখি, অজাৎসু বিমোলাবু অদুম মনিং তৌহললি,

- অহনদুদি ইকাইরিনিদ, অতোমবিদুদি অঙাংনি --।

খাইনরে হাইবগি ব্রানি, মহাক মপান থোকপ ঙমলিরোই।

মিগি ব্রাহংদ কবিবু খুমলিগনি মহাক্ন।

- কৈদৌরবগে নহাকপো, করিগি অদুক ব্রারিবনো?

নুমিৎ অসি অব্রাবগি মপৈনি। সোমদসু খাব ব্রাখলন ঙাওহনখি, ইকাইবন সিদে হাইবখক্ ঙাইরবনি। য়ু ফুলদ থকচিনদুন চৎপ ফাওব ঙমদ্রে। খোংবানদ তাসিনদুন, লমবি চৎপ মিন লৌখৎতুন ময়ুমদ াথনজিন্বিরকখি। ময়ামন হন্নখ্রবদ মতোম্ত খনজৈ,

- বিমোলা নহাক থমোই কনমল্লি,

থমোইসিনদি নহাকপু তসেংন নুংসিরি,

অদুবু নংদি ইকাইব পিরমদুন চৎলবকো,

অঙাং অনিসিবু নং ঐগি ইচা নৎত্রো বিমোলা --।

- মোইমপা --- ।

খোনজেন থোকন খুমতোকলুই বিমোলা, মিকুপ অসিদ মহাক ব্রাখল অমা তৌবুরে হাইবসি খংলকই, থমোই সোকন ঙাংথোকই,

- ও পেনখিদ্রেদ, ঐ য়াম্ পংখি।

ঙসিত খংলকলে, পুমনমক লোইরবকানসিদ,

মিৎলুদ পিরাং লেপ্তন সিনথরি, তানজাসিদ লোন্নবি মচেগি মচানুপা চংলকতুন থেম্জিনবিবৈ মমাতোনবু।

- ইমাতোন, কবিগি অদুক ৱাবনো?

বিমোলা ৱাহৈদুদ পুকনিং নুংসিদুন খোনজেল থোকন কপ্চখি মচেগি মচাগি থমোইদসু মহাকপু নুংসিবগি মফম কল্লবকো, মিওইব হাইবসি মখল যামমি। মতৌদুদ মচা নুপাদুন,

- ইমাতোন, পুমনমক্ আলাগি থৌসিলনি,
  মাগি থৌদাদ ঐখোই মতুং ইনব তাবনি
  ইমাতোনগি ঐখোই মযাম লৈবিবসিদি।

নিংঙমদবগি মৈবিন থমোইবু মৈবি থোকন চাক্লি, মচানুপি লুহোংবগি পাও তাবদ, চিংখ্রব লৈইসিংগি ৱাংমদ। নোংম নোংমগি হৌখিদুন লুহোংব নুমিৎতু মমাংদ লেপলবে। বিমোলা লুহোংফমদ চৎলুব হাইবসিমদি ওইথোকতবনি। অসুম খনব যাব খল্লুবব মতুংদ মসক্ত উহৌববসু খন্দুন মচানুপা জাফবগ খাবগি খুংগং লমদ লাক্খি। লুহোংব থিল্লক্কদব লমবিদ ঙাইদুন লৈবে। মতম হৌখিদুন নুপি থিল্লকপ মতমদু যৌসিল্লকলে, অদুগ খোইবাংন লমবিদুদ বিমোলা চেপ্থ-চেপ্থ যেংজবি। গাবি মযাম্ পবেং-পবেং থৌবকলে। হানদকতি কৈন্যা পুব গাবিদু যৌবকলে থমোইদ মিহুন্ চোংবগি মখোল থোবকই, মচাবু চিংন যেংজবগ মিৎলুদ পিবাং সিন্থর্জখি,

- ইমাগি ইবেমা, নং নকোক্ ফাওব চিক্কনুকো,
  নমাদি লৈইসিগি ৱাংমদ অদুমক লেপহৌবগে।
  ইখুৎসিন ইচাগি কোক সোকন মংগোল পিজনিংবনি,
  অদুবু মপোকসিনদি ওইববোই। ।৭

নুংসি মুর্তি

নিংথিন সেমলব লৈকোলগি পুখ্রি মপানদ হৌব অচৌব হৈনৌ পামবি মখোংদ খিল্লিব নুংগি মুরতি অদুবু অয়ুককি মেংলব নুংসা মঙানদ নুংসিন য়েংজৈ। তানজাসিদ সেবারিন চা পুসিল্লকই। মধৌবু কৌদুন চাদু পি। অদুবু হন্ন ফাওব য়েংলকতে অনিরকসুব ওইন কন্ন কৌরি খংবগুম,

- হা, ফরে ফরে, চার?

মসুনুপাগ পুন্ন চা থকমিন্নরে, লৈকোলসি য়াম ফজখ্রে। পুমনমক্ মফমসিগি মগুন্নি। লৈপাল্ সুরে, উবি উপাল, ইসিং লৈ, সুন লৈসাৎ তমলিবনি। মসিগি মথকত মফমসিদ লেপলিব মুর্তি অসি চহি কুনথ্রা মঙামূককি ওইগনি খললি। মসিমকতনসু মফমসিদ অথুপ্প ব্নারি অমা লৈরিগদ্র হাইন চিংনব পোকই, মরকসিদ,

- ইধৌগি নরাসিং ।

মধৌগি য়াথং ঙাইজৈ, মধৌবু চিংন য়েংলুবদ অব্রাবগি পোৎলুম অমা পুবগুম উবুই,

- তাকপিয়ু ইধৌ।

পুন্সি নুমিৎন তারকলবসিদ মধৌগি পুক্নিংদ খোইরাংজব পোকই, খুদিংমকসি মসুনুপাদ তমজৈ। লোইন্ন মহাক্ন থুপখ্রব মতুংদ মাগি নুংসিরব মুরতি অসিবু মপু পানদবগুম লৈহৌরগদর চিনব উৎলি।

- ইধৌ নসু লৈজরিবসিদি --।

মথব্রাই নুংঙাইজরদুন থব্রাইমক ওইখ্রব মুর্তিদু মসুনুপাগি মখুৎত সিন্নখি।

- নবোক্মকনি খন্গদবনি।

ব্রাসকতুন মসুনুপান মধৌগি পুকনিং পেলহনখি। মসুগি ব্রাখল্ খংলবদ কয়াগি মতিক নুংঙাইজখিব। মসুনসু মুর্তি অসিগি অথুপ্প ব্রারিদু মধৌদ লিবিয়ু। হাইরকলে। ব্রারিসিং অদু মথং মনাও নাইন মসুগি

মফমদ লিরকলে। এম্‌বেসেতর কাবদু কন্‌ন থৌরকই। কৈথেল্‌ য়ৌরকপদ খংহৌদে নুপি অমখক পাখৎন চেনসিল্‌লকখি। খুদক অদুমকতদ নুপিদু সৈত্যবানগি গারিন সোকখি। মিয়াম্‌ন লাওনরকখি।

- গারিন মি তকলে, মিসোকলে--।

সাওরব মিয়ামবু থেমদুন অসোকপদু সৈত্যবান মসামকন লাইযেংসংদ পুদুন লাইকন্‌নখি। অসোকপদুন গ্যান্‌ তারক্‌লবদ করি করি কমদৌব হাইবদু হাংখি। নুপি অদু মনেগ মাম্‌মগন য়োক্‌পনি মদুমক্‌তন মসান য়াদন ভৈগ্য কৌব খিকাদার অমদ সেল লৌদুন পিথোকখি। মচা লৈরব নুপাদুদগি নানথোকনব নুপি অদু কোইচেন চেনদুন লোৎখি। অদুবু লাইবক থিবন ভৈগ্যগ অমুক থেংনবদগি চেল্‌লকপদ থৌদোক অসি থোকখিবনি। মঙোনদ মিনুংসি উৎপিদুন থেমজিনবি। কনাগিসু মিনুংসি ফংলকখিদ্রবি সুনিত হরাও-নুংঙাইবৈ পিরাং সিন্‌থরকখি। সৈত্যবান্‌ন পিরাংদু নুংসিন তৈথোকপিখি। সুনিত খোনজেল থোক্‌ন কপ্‌চখি, মতৌদুদ সৈত্যবান্‌ন,

- ইবেমা কপ্‌লগনু, ঐন নহাককি নতেং পাংগনি।
- ওজা, নহাকসে মিৎন উব ইস্বোরনে।

সুনিতাবু সৈত্যবান্‌ন মাগি য়ুমদ লৈরসি হাইখি। সৈত্যবান্‌ অহল লমন্‌ন থমবিরমব য়ুমজাওদুদ মতোমত লৈবনি। লোইনন মাগি মখুবা অমদি ইমুং-মনুংন ইংখোলসিদ য়ুম তোঙান্‌ন সাদুন লৈ। ব্রাহৈসিদ সুনিত হোইসু-মাইসু খুমলকতে। মতৌদুদ

- ইবেমা, পুকচেল সেংঙু চিংনব থাদোকউ।
- ওজা --।

সুনিতাসু য়ানিংলকলমনে মখোই অনি পুন্‌ন লাকমিন্‌নরে। মতম খর অহন-লমন্‌ন থমবিরমব লন্‌সিংদু চাদুন, নিংথিরব য়ুমজাওদুদ মখোই অনি সান্‌তি ওইন হিংমিন্‌নখি। মতৌসিদনি মিয়াম্‌ন মখোই অনিবু চিংনরিব।

নোংম ইথা থাজদন মনদোমচান সৈত্যবানগি কাদ চংলক্ই। মতমদু সুনিদি কৈথেলদগি মনা-মসিং লৈব চৎখি। সুনিতান যুমসিদ লৈবসি ইমুং-মনুংন পামদে। অমুকসু মহাকন ইমুংসিগি মৌ ওইব হাইবসি সাগৈসিগি মাইখুবনি হাইদুন লৈত্যবনদ মনদোমচান খংহললি। সৈত্য বান তুমিন্ন লৈবদুদ,

- ইবুংঙো, নঙোনদ সাগৈসিন আসা কযা তৌবি।

পংলিব অঙাং অমগুমনদি তৌহন্নিংদে।

ব্রাহৈসিং অসিগি নুংগি ওইব অব্থাদু খংঙি, অদুবু সৈত্যবান মনদোমচাগি মফমদ হংগৎন ব্রাহৈ অমা ফাওব খুমজব ঙম্খিদে। মনদোমচান অমুকসু মখা তাবকই,

- সমাজসে নথনতগি নৎতেনে ইবুংঙো,

হন্দকসু খুমলকতে। মান খুমদ্রিবগি মবমসু মনদোমচান খংঙি। সৈত্য বান মনদোমচাগি ব্রাদু য়ানিংদে, অদুবু লমসিদ ব্রাখল খললি। মতৌদুদ মনদোমচা সাওদুন খু-খু কামলগ মপাললোমদ থোকখ্রে। খব চৎলগ অমুক লেপ্তুন,

- পুক্নিংগি অপামবন নোবোকত চিংথহনগনু।

সকতি লৈবব বাহৈদুন সৈত্যবানগি কোক্থকত সনজিং ওইখি। মৈবিদি থোকতন থমোইনুংদ মৈসা লাংখি। মদোম সোনদোকখি,

- মসিবু হৌনসাবনে, সুনিতাসু মি নৎতব্রনে।

তানজাসিদ সুনিতা কৈথেলদগি কুমলকই। ব্রাহৈদু সুনি তাখিব মানলি। অদুন চিংনব খবদি পোকই সুনিগি থমোইদ। পোৎসিংদু থনম্লগ সৈত্যবানগি নাকত চংলক্ই।

- ওজা --।

অহানব কৌবদ খুলকতে। অহুমলকসুবদ মাই থাংগৎলকই,

- হা,

উংদুন লৈবমবদি মবম হংঙি, হেকত লাইন খুমলকতে।

- ঐখোইগি হিংমিনবিব মবিসে মিন চিংনবে।

- হা !

সুনিতা ব্রাবগি পংখৈ অমুক লৈখিদ্রে। মফমসি থাদোকতুন চৎখ্রে। নোংসু ইমং মংলম্দন অখাক অরাও অমগা লোইন্নবা চুথরকখিব সাফু কল্লব নোংজু অসিন সুনিতাগি থমোইদু যৌন সোকহলখি। অহিং তুমব যাদে। থোংনাও হাংদোক্তুন লৈচিল নোংফাইরকত ব্রান থোকচরিব থাজাদুগ সুনিতা মখোই অনি ব্রারি সান্নরি।

- হে থাজা হাইযুনে নংসু ইফমদ,
  করিনো ঐন হৌজিক্ তৌগদৌবসি।

থোংনাওদ চংলকপ থবালন সুনিতাগি খজাইদ সিনথরিব মিৎকি পিবু চেপ্থ-চেপ্থ যেংলি। অদুবু মাগি অব্রাবদ মতেংদি পাংবিদে। খোনজোল থোকন কপ্লদুন,

- ঙসি ঐগি পুন্সি খোংচৎসে,
  থাসিগি অহিংদ নোংলৈ নুংসিৎ অমুক মাইয়োক্নরে।
- সুনিতা নংবু অহিং খুদিং কপ্লবরনে।
- হা কনানো !

সুনিতা খংদুন পাখৎন লাওরকই। অদুবু ওজাগি খোনজেল ওইরমবদদ খর হন্থখি। তুমিন অমুক লৈখ্রে। ইমুংদাগি মপালদ খোরকতুন নিংজোল কাগি থোংনাও মপাদ লেপ্লরিব সৈত্যবানবুদি ঙকন য়েংলি। সুনিতাগি মতৌদুদ সৈত্যবন,

  মসি পুমব পুন্সিনি চেনব য়াররোইদব।
  অমরোমদ নহাকপু ঐন নুংসিনে।

সুনিতা মসা পুমব নিকই। হুমাংন মসা চোৎখ্রে, নতোন নাকচি ইসিং মবিক মবিক কাবি, থাবলগি মঙালসিদ মতৌ অমদি ওইরি,

- ওজা, হিংবসি পাম্সিল্লকত্রে।

মিৎলুদ পিরাংসু সিন্থবি, সৈত্যবান মখুৎমকন পিদু তৈথোকনিংবনি, অদুবু থোংনাওগি মসা মরেংসিংদুনা অনেমব তাহনখি। মিৎলুদ পিন মযেক সেংহন্দ্রব ওজাগি মাইথোংদুবু অমুকতং ফল্লপন য়েংলমলগা

থোংনাওদু মখোন থোকন লোনসিনখ্রে।

সুনিতা অয়ুক্ ঙন্‌ন হৌগৎতুন ইরুজথোকলগ সুরজপূজা লাংনব পুখ্রি মপানগি লৈকোল্দুদগি থমোইন খোইদব লৈরাং খর হৈকচরি। তানজাদুদ মনদোমচান মাগি তুংদ লৈপ্‌লমব উবদ সুনিতা চিংনব পোক্ই।

- ইনদোমচা,
- নংদি অনৌবিবু মাললেনে, মরমন ওকলিব।

অনৌবি হাইব ব্রাহৈসিন সুনিতাগি কোকত সাফু কন্‌ন য়ৈখি। হান্‌নসু হিরমসিদ ব্রাখল চিংসিল্লুবগ ওইবনে, সুনিতা গ্যান মাংলব্র কৈনো মহাক মমিৎ উইসিনখ্রে। থংনব মিকুপ্ত লৈমাইদ তুসিনখ্রে।

- আ --।

লাইবকন থিরিবসু পুখ্রি মপান খাগৎলিব নুংজাওগি মচেকতুদ য়ৈসিল্লুরে। অঙাংব ই তারকলে। ইদু উবুবদ মনদোমচাদু পাখৎখিবন লোইখ্রে। লৈকাই ময়ামদ লাওরকলে। তানজাদুদ সৈত্যবানসু ব্রাকিং চৎলুবদগি হল্লকই। মদোমচান লাওবদুদ কন্‌ন চেনসিনল্কই। পাখৎন সুনিতাবু লাইকননৈ। অদুবু কান্‌নবদি ইফং-ফংখিদ্রে, সুনিন ব্রান,

- ওজা --, ঐ য়াররোই, চৎ--ল-- গে।

মপুং ফাবাৎতব ব্রাহৈ খরসিগ সুনিতা অবোইব ওইন পুন্‌সিগি মিৎ উইসিনখি। থমোই সোকন সৈত্যবানন,

- সুনি-, নহাক চৎলবকো,

নহাক ব্রারবোই তাইবংগি মিনোক মৈসাসি খাংবদ সুনি -। অকনব খোনজেল্ অমদ লাওরকখি। মিকুপ অদুদ মনাক্ত ব্রারি তারিব মসুনুপান খংদুন মধৌবু য়েংজে। মিকুপতুদা মধৌদো লৈমাইদ তপ্‌ন-তপ্‌ন অদুমক্ তুমথখ্রে।

- ইধৌ, নং নসুবু থাদোকতুন চৎলব্রনে। ▣

নুংসিব

সবান্ ব্রাৎতন সক্ ফজব হাইবগদি খুংগং কযান নোংঙিলবু সক্ খংঙি। অদুবু মমা লুখ্রবিন যোকপন মযাম্বতংদি মেত্রিক লান্খ্রে। মখোই ইমুংসি লাইবৈ। যুমফম্সি খকতনি মখোইগি লৈবিব হাইববু। অদুগ লৈবক পুন্নদ লৈনি থাজা ইনাক কৈবাক খুনব থানিলগি নাইতোম্ পোকপিনি। অদুবু মাগিদি ইস্বোবন ফজব সক্ফম থুংবিবমদ্রে। মহাকন নোংঙিলবু থমোইনুংদ ইস্বোবগুমন লাৎচবি। অদুবু মবুং মৌপ্পাগুমন মখোই অদুম লোইনৈ। মবৌ খব লৈবিব হাইববু থাজাগি থমোইদুনি। থবক্ ইংখাংগি মতমদ মখোই অমন অমগি মতেং অদুম পাংনৈ। অদুন মিযাম্নসু ইচম্ চমন উই।

থাজা মখোই মমাং পুখ্রিদ ইন্ চিংঙি, মমানসু মতেং পাংঙি। মখল মখা কয়াগি ঙা যোকলিব অচৌব পুখ্রিনি। অদুবু ঙসিদি কবিনো ঙা অমত লকত্রে। তানজাসিদ নোংঙিল লাকই, মা উবদ থাজান মমাদ,

- ইমা, নোংঙিলদ ঙা তাল্সিল্হনসি।

ব্রাফমদু মমাসু যানিংঙি। অদুন নোংঙিলদ হাইবমলগ ইমুংদগি ফি লৌথোকপ চংখি। নোংঙিলসু অদুম যাখি। মবকসিদ থাজান ওনসিল্লকই,

- ঙরাংদি অব্রাং খুন্দৈ লৈসাবি অমা লাকঅম্মি।
  নংগি মরমদসু যামন হংঙমমি।
- মসক কমদৌরি, অদুম যাদ্রো ?

ব্রাহৈদু থাজাগি থমোইদ পাললি। মমা থোবকতুন অমুক মখা তাখিদ্রে। নোংঙিল ফি হোংঙি। খুদৈ-মচাদু নিংগ্রি তাখৎতুনা সেংচিললি অদুগ ইসিংদ অদুম কুমথখ্রে। মতৌদু থাজান কিবুপ কিবুপ লোনন যেংজবি।

থাজা অমদি নোংঙিল্ ইন্থম্থাগি নুংসান চাকসংগি থোংদ চংলকলিবদু য়াইদুন ঙারেন থোংবদু চরা-ব্রানমিন্নরি। ঙসিসু মিয়ামন্ চম্ন উরি, থাজান মবু লৌথোকলব ঙা মতুম অমা নোংঙিলদ ইল্লকই,

- সে মহাও মান্নব্রা য়েংঙু।

হোই-মাই তৌফম্ খংদ্রদুন নোংঙিলগি খুৎন লৌদুন ঙাদু চাসিলখি। তানজা অসিদ থানিল চংলকই।

নখোই চরা ব্রাললিব্র? ঙারেন ওইরিনি,

মহাওবু কমদৌগে হা নোংঙিল্।

- য়াম্ হাওব্রে, পাবুং।
- ফরে, নংবু থবক লৈব্র, গ্যাস অমুকত লৌরগেরে।

হোই পাবুং লৌব্লগে।

মাগি নুপিদগি সেল লৌবগ রিকসোদ চৎনব হাইবমলগ অমুক কদাইদনো খংদে থানিল থোকখ্রে। নোংঙিলন নুপিগী ওই হাইবকই,

নংগি ঙা মতুমসি পাখোলগি তারেকো

নৎত্রে ইবুংঙো, মদনা নংসিনগি থমোইনুংগি।

হৌম চমন লোকলদুন মনদোমচাদগি সেল লৌবগ নোংঙিল গ্যাস লৌর চৎখ্রে। ঙসিদি লোৎসিনদুন থমলকলব ব্রাফম অমা খবগি মথৈ কোংদোকপ হৌখ্রে খলল্বদ থাজা থমোইদ নুংঙাইব ফাওজখি। ব্রাহল কয়ানি আসাগি মরুম্ খুপ্ন সাগৎলিব। থাজা মরেপ খব লাংলি অদুবু মাং তুংদি অদুম মফৈ। রাখল নুংঙাইজদুন ইমুংগি থবক ইখাং খোং যাংন পাংবদু য়েংবদ অদুম নুংঙাই।

নোংঙিল্ ঙসিদি থাজাগি নুংসি ইথক্ ইরৈদ মসান য়ান তাওথজরে। মসক খব অদুক ব্রাংলবসু নুপিওইবি অমগি মপুং মবৈ ফারকপ যৌবোনগি হৈনম্-লৈনমদ, ঙাওরোইদব কনানো, নহা মতমগ ওইবনে মউ-অউব চাংয়েং তৌনিংব হাইবসি মহৌসানি অমরোমদ অমুকসু থন্লি নোংঙিল্, মঙ্গাকতি ইনাক কৈরাক খুললি অদুন মখোইগ

লোহনবদ কান্নব ফংগনি হাইবসিনি। নোংম-নোংম হৌখিদুন মখোই অনিগি অরোনব মরিদু থাজাগি অপোকপি মমান খরগি মখৈ খংব ঙমলে। হান্নগুম্ লোইনরমবদু মমান ঙাংবদগি তোকখ্রে। মসিন মরম ওইদুন থমোই অনিবুদি খমথেংন ওৎপিবে। অমুকসু নুমিদাং লোন্ন উন্নব হাইবসু চেকন নিংথিন চেকপল খাজিন্খিবন অরেমব ওইরে। অসুম ওইদুনসু ইমুং অনিগি অহল্-লমন্গি মরিদদি থোইন অকাইব লৈতবি।

তুমব য়াদ্রদুন থাজা মাংগোল থোকত্নুন দাবিদ মখোং যান্থদুন ফমমি। থাবলন ফিঙৌ ফৌবদুদ মহৌসা লাইবেমবিসু হরাওন মোমোল্ মিনোক তমজবি। মতৌদুন থাজাগি থমোইবুদি হেন্নদুম থুগাইবিবি। থেংজিল্লকলবদ মমান থাজাবু কৌসিলল্কই। ইমুংদ চংখ্রে। ফমুংদ কাখৎতুন তুমথব থেমমি অদুবু মযাব লৈতে। ন্ংসিবগি ময়াই কল্লিদকো, পাল্লগ খংঙি হাইবদুনি। হৌখ্রব থৌদোক অমখক থাজা নিংসিংলকই, নোংঙিল্ তোইন যু ঙাওদুন হলজিল্লকপদু থাজা খংঙি। নোংঙিলগি মতৈমদসু থাজান ইতৎ-তৎতন হংঙি। পাওখুম অদুন থাজা পেনখিদে। অদুন ঙসিদি য়ুমগি মি খংহন্দন নোংঙিল্গি মনাকত চৎলি। মতমদু নোংঙিল ফমুংদ লোংন তাদুন লৈরমমি। মনাকত চংসিনদুন মসা নোমদুন হৌদোকই,

- করিগি নহাক মফমসিদ লাকলিবনো?

নোংঙিলগি পেনজদব ব্রাহৈদুদ থাজা মিৎলুদ পিবাং সিনথরকই, পাওখুমদি পিখিদে।

- নং চৎলো, ঐদি লাইর মচানি,
  ঙসিদি লাল্ থোকপ তারে।
- নোংঙিল --।

হনদকতি থাজাসে ফাজিনব ঙমদ্রমনে ও খোংন কপ্লকলে। মতৌদুদ থাজাবু থেমজিন্বিব ব্রাহৈন,

- থাজা ঐ নুংবু খংঙিনে, নহাক হনখ্রো,

হাইনিংবদি কয়ানি, অদুবু মদুগি খুদোংচব পিবিদ্রবদ থাজাসে থমোই সোকন,

- ঐ চৎলগে নহাক্ন নুংঙাইহৌনব ।

অহিং কয়া ব্রাখল্ তবেৎ তবা তান্নরব মতুংদ থাজাগি মমা মপা অনিন সিন্দুন, অচংব সেল্সু মখোইন পুথোকতুন নোংঙিলবু মদ্রাজদ কমপনিগি থবক য়াওরুনব লৈকাইগি নুপা অমদ পুখিনব ঙমন সিন্নখি। নুপাদু হান্ন কমপনিদ থবক তৌদ্ন লৈবনি। অসুম তৌদুন নোংঙিল্ মদ্রাজদ চৎখ্রে। হন্তক তৌরকলিব মতৌসিদ মিয়ামন ফন অমদি ফৎতন অদুম খন্নখি। মরকসিদ মচানুপিন ব্রাখল নুংঙাইতন নুংসুক-নুংজান্নন লৈবদু উবদ অমুক মিযামদ হেন্ন চিংনব পোক্তললি।

কোংব ওংবি মনেন ইতৎ তৎতন লাকলমলগ হন্দক অমুক্ থাজাবু মমৌ ওইজগে হাইদুন মি চংলকপ অদুদদি চিংনবমব অদু খবদি খংনখি। থাজা অব্রাবগি পনখৈ লৈখিদ্রে। নুংসিব সাদুন নোংঙিলব মিবমদ থাদোকখিব অদুগ থাজাবুন মিঙোনদ থার্জখিনব সিনব, মসিন থাজা তৌফ্ম খংদব বাখলগি ইবৈ অমন ব্রাখল্ লাইন ওইহললে। নোই পেৎলমব মসাদু সবুতন কুপখ্রে। মনে অমদি মমা চংদুন থেমবদসু যাব কৌব লৈত্রবদ, ঙসিদি সাওবব থানিল মচানুপিগি কাদ চংলকই.

- হন্দককি ব্রা অসিন ইপাগিদি অরোইবনি।

মসিদ নংন ময়দ্রব, নপাবু হাৎপ পাপ্ পুগদবনি।

মচানুপিগি পাওখুম্ ঙাইহাক ঙাই। অদুবু পাওখুমদি ফংখিদে মদুগি মহুৎত মিৎলুগি পিবাংন মহুৎ সিনখি। মতৌদুন অমুকসু মপান মখা তারকই,

- মচোংপাক্ নাইদব, লৈকাই মবুং-মৌপ্পা মসক খংদব।

মখা সমথরকপ ব্রাহৈ কয়া ঙাংব য়াবমখৈ ঙাংলমলগ অমুক থানিল্ মপাল্ থোক্খ্রে। তসেংন লৈকাইনি ফৎতে হাইবগি খুদোংচাব লৌরগ নোংঙিল্বু লৈতে লাইরৈ হাইদুন থাজনিংদদুন সিল্লিব পোরমদু থাজাসু খংঙি। অদুবু মাইপাকপগি আসা মাংসিল্লকলব লানমিগি

মফমদ নুমিদাংৱাই ওইসিল্লকপগুম থাজাগি মফমদসু থোক্লরে। কপ্চব নৎতন উপাই লৈখিদ্রে।

চিথি খাওদু থাংগৎতুন যেংলুবদ ইঙক ঙকই, সুকথা থাজদব মতৌনি। চিথিদু নোংঙিল্ন থাবকপ ওইমলে। চিথি অদুগ পুন্ন চেগি পেকেৎ অমগ পোস্মেন্ন পিবমবনি। পেকেৎতু হান্ন হাংদুন যেংঙি অঙৌব সাল অমা ওইরমলে। অমুক চিথিদু লৌথোকতুন যেংঙি।

ইচল, ঙসিদি ঐবু নবুংমক্নি খল্লোকো। নহাকাকি লুহোংবৈ পাও তাবে। নবুংদি লাইব মচানি, চমলব খুদোলসি নহাকন লৎনগনুকো। লাপ্লব লমদমসিদগি ইচলগি মংগোল্ অৱসিবাৎ পিববনি। নহাক মতম পুমবদ যাইফবত ওইয়ুকো, লোইসিল্লগে।

নহাককি নবুং

নোংঙিল মদ্রাজ।

থাজা ঙকপ অমগ থমোই কাইখ্রে। অদুবু মপুথান কপথেকচবদি ঙমদে। মসাগি অযাব ফাওব পিখিদ্রিব মতমসিদ, লাপলব মফমদদ কমদৌন পাও অসি! মতাংসিদ মিখুৎ চংলে হাইকসি মহাক খংখি। উংলিঙৈসিদ মমা চংলকই,

- ইবেমা, নং নপাবুদি সাওহনগনুনে।

পাওখুম পিবকতে মোনদ মমাই উপসিনদুন ও খোংন কপ্লকলে। মতৌদু নুংঙাইত্রদুন মচা নুপিব্ নুংসিন থেমজিনখি, অদুবু থাজাগি থমোইবুদি পেলহনখিদে।

মিওইবগি পুন্সিদ অৱাবু থেংনব হৌববদি মনম মনম্ লাকই হাইবদুনি। ঙসিদি অৱাবগি খম্থেংব হাইবদু যৌবকলে। সিব যৌন থাজা মৈসা লাংলে। মমান মনেংগিদ চাক চাবা অমত, চাবুসি হাইদুন পুরকলগ চাব থকপ লোইবব মতুংদ থাজাবু লমলানব মাগি মখুৎত তাহনবিবে। থৌদৌসিদ চাক্ন নসোন্ পিক্ন,

- ফৈ খংগনি, পাবা অমাদি তমলিগনি।

থমোইনুংদ মসাগি ফিরেপ অমা লৌখি। উপাই ওইন থাজা মপানথোংদ য়ানিংব উৎলে, ঙসিদি করিবু অমুক তৌরুখিনি হাইদুন মতৌসি নুপাদু খরদি চিংনব পোকই, অদুবু নুপিগি থমোই হাইবদুনি খনতোকলে। অসুমন অহিংস্সিম চবক্-চহিংন্ন হৌখ্রে।

নুংসিব হাইব অসিদ ঙম্দব কবিসু লৈতে। সিব চংব হাইবসি নুংসিব মাগিদমক কবিসু নৎতবগুমনি। অযুক-য়াহৌবকপদ অঙকপ পাওব হায়না খুনদগি পুমনিল নিনখি। পাওসিন কনাগুমবগি থমোইনুংদ অফ-ফৎত অচুম অরান নৈনহললি। অদুবু চিনদি থোকনখিদে ইনাক খুনব থানিলগি ইমুং ওইখিবন। মিকপ মিবাওখোলতন থানিলগি ইমুং পুমনিল নিনখ্রে। লৈকাই মিনুংসি লৈবসিং পাওসিন থমোই মচেৎ তান কাইহললে। অতৈ করিগি নৎতে, থাজান মাগি কাদ থৌবি যানদুন সিরমব অসিদনি লৈকাই মযাম চংদুন ধর্মগি মথৌ মঙম পাংনব সিল-লাংঙি। থব্রাই য়াওদ্রব হকচাংদু কু-দোলাই তোংদুন থোংগাল ব্রাংম লানখ্রে।

- ইমাগি ইবেমা -- ইমাদি লোইবেদকো,
- ইপাগি ইবেমা--,
  ঙসিত ইপা গ্যান লাকলে।

ও খোংন কপলদুন মমা-মপা অনিমক কু দোলাই মতুং ইনখি।

- ঙসিত ইমা ভাপ্ তারকলে,
  নুংসিব করিনো হাইব।

থৌরম য়াওব লাকখিব ময়ামগি মরকত মদোম তুমিন খনজে, সিসনু পবানি মসি, মিবু মিন হনথন য়েংব। মখোইগ সংগ ওইদুন ইবুংঙো নোংঙিলদু সেমবিব য়াইন। ঙসিদি করি থোকলে, মিচা সিসনু খল্লগ, ইচা ওইন সিরেদো। অসুমন কাইন মৈসালক্ত লোইসিনখ্রে।

ঙসিদি নোংঙিল্ ময়ুমদ অমুক থোরকলে। মতমসি থাজাগি সোরাৎ মতুংদনি। মাবু উবদ মিয়াম লোন্ন মিৎলুদ পিরাং তৈথোকনখি।

ময়ামগি নুংসুক নুংজান্নবদো ময়ুম য়ৌরকপদদি ভাপ্ তারে। পাওদুন থমোই মচেৎ তান কাইহনখি। তৌফম খংলকত্রদুন থাজাগি মংফম তান্ন চেনখ্রে। মংফমদুবু চিংন য়েং থমোই সোক্ন কপ্থোরকখি। থৌদৌদু খংলবদ থাজাগি মমা-মপাসু নিংদোল পোমখি। সোমদ নোংঙিল খাংব ঙমলকত্রদুন খোনজেল থোকন কপ্ন ঙাংলকলে,

- থাজা -, নহাককি নোংঙিল লাকলে হৌগৎলো।

করিগি নংন লোন্থোকতবি অমগুম মংফম্ অসিদ য়াতারিব,

হাইয়ুনে নংবু খুলকলো ----।

---- লোইরে -----



[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible] (एम्. एस्. सी. पारंगत) [illegible]

[illegible] सिंह (सायन्स)

[illegible]
[illegible] १९८०

[illegible] २०२३

[illegible]

[illegible] (एम्. एस्.)

[illegible]

[illegible]